
মমা মচা

মমা মচা

ইবোহনবী

কোংজবী :— শ্রীমতি ইবেতোম্বী দেবী



কোপী ১০০০

ছাপা তৌবা— আইচ, ইবোবী সিংহ

মমা মচা

(১) থাবোকপা

মেমচৌবীসি মধুচন্দ্রগী তালোই অহল্লি। মুপীগী গুণ কল্লানা লৈতেংবীনি। য়ুমগী নিংথিবী মৌনি। য়ুম্লোন কৈরোম্নবীশিংনা লুনা নিঙনরি। মনাও মুপী গম্ভীনীদি হাইন হল্লা পাম্মনা মীনা কি-তুক্কচনরি। পুন্সিগী ঙল্লিবা মতাংদা মপারি মমোম ৎংজনিংবা মধুচন্দ্রগী ৱাথম্না মাগী মুপী অহম্ লৈহাও চেন্দ্রবা লৈকং লাম্নি হায়না লৌম্লে। ৱানা মাগী মতুং ইন্নরক্কবীত্থবু থৌওইবিক্রহনা গম্ভীনীবু অতোপ্পী ওইনা পুশিল্লকপনি। মপাবু হম্বা অঙাং মীওম্বা অমা ফংজরে। কুঞ্জমণি কোবদো গম্ভীনীগী মীনা কা হেল্লা মুংশিনস্রবা মচা মুপানি। য়ুমদাংবনা কৈনাইরকপগুম হান্নদগী থোংচন্দ্রবী মনাও মুপীনা মচেবু ব্যবহার তৌরক্কে। মশাগী ফত্তবা উত্তমদবা মীম্বা ঙাংনবা পামজবশিংনা মেমচৌবীগী নোংদম থীবনা থোকহম্বা মচা লৈতবগী ৱাবু ৱারীনহনা শাংলবা মতম হাংলি। লাইবক খুত্থম্না গুহনা মুংগী শারবা ঈফুংকী চুমথু কনাদা উংপা তৌদনা ৱানা মগুন্সি লেঙ্গরিবী মেমচৌবীসি, মতমগী ঈচেল খঙদবা "নচা নত্ত য়াম্মা ফংজমো।" [illegible] পীগবা মীওইশিংগী মনাক্তা চঙনিংঙ্রে। মাগী মক্ক [illegible] মুপীগী

লমচং শাক্কং পূম্বতুদি মথোয়গী নোঙ্-মৈরিনা ব্লায়খ্রে। যোশী পীক্লবা পোদোন্না মঙ্গাল ফরবা থাংমৈগী নাক্তা মথৌ পাওবগুম, মেমচৌবীস্থ মচা মুপা মুপী কংলবা পোকপগী মহৈ য়াম্লে হায়না লৌনরবশিংগী মরক্তা অক-মুংঙাই য়াওদনা মপুন্সি হিংনবা শীঙরি। চাবৈরতনা মপুন্সি লোয়্নগনি থজবদা ওন্না অহন শকফম্নখ্রে। অদুবু, মপু মাগী থৌশীনবু কনানা শঙ্ওমগনি? থৌনাইদবশিংগী মীহুন ব্লাবু কক্তুনা লাইবক থীবীহুস্থ মপারি অমা উজরে। পামজবা মিংলেন খন্দুনা 'শান্তিকুমার' মিংথোম্লে। অতৈনা 'শান্তি' স্থ অদুম মকৌনৈ।

মধুচন্দ্রগী ইমুংসিস্থ মীনা তুক্কচনরবা অনি লোম্বগী ইমুং অমা ওইরবনি। লৈকাইগী কনাগুম্বানা "ও ইনম্মা, ইনম্মা মেমচৌবী, ও ইনম্মা গম্ভীনী।" কৌখিবা মাগী ইমুংনা তাখিদে। মম্মুংদা চীক্লা নিল্লুমাল্লে, মপান থোক্লা লাউনরক্লে। কৌখিবী-হুনা কোম্না মানা কৌবা তাখিদবগী মরম থখি। অম্বুম্না হেক হেক নিম্বসি মুমিং থুদিঙ্গী ওইরক্লে। শুমাও মতোনগী তিংথৌ নাপীগী মচু মাওশ্রে। য়ুমগী পোম্বী মিপাইরে। লমগী চেক্লাস্থ মথোয়গী মপা লানখিদ্রে। কাক কৌবা মুনাম্বা অহুদদি মথোয়গী থৌদোগা চাননা মুমিংনা কোক্তোল লোম্লবদা লৈতুম্না পামজদবা শৈশক্তু ওরাইররি। মেমচৌবীদি ব্লাহৈগী লানস্থ পামদে; পাঙ্গল চাং য়েংননিংবস্থ লৈখিদে। থংনবা পাম্বী মনাও মুপীদনা হেক হেক লান্দারকপদা মশা কঞ্জনবগীদমক্তা চীনগম্বীহুগা ওন্নিরবা তাখি। ইকাইথীবী মাদি অম্বুম্না হিংনিংলক্তে।

নোংমদি অনি লোম্বগী মাপোন্দু রায়েনশঙ্গী শক্তম লৌখি। মশেন মাখিবগী রাখোক্তগী মুপী অহন্দুনা মপুরোইবা বিচার-পতিত্তুদা রাকচখি, "ঐবু অতোপ্পা য়ুম অমদা থম্মীরো। মহু গুখিত্রগা পলেম ইমাগী মল্লবা থাংপোক শঙ্গদা ইমা ইচাগী পুন্সি লেঙ্গরুরগে। লৈরেবগী য়ুমদা ফংফম থোকপা য়ুম্বুরেন ফম থাদোক্তুনা শাইপক-শাইদাংলবীগুম লৈবসিদি কুইনা হিংবা ঙম্মোইদৌরে।" "কদাইদা তোঙান চাক্লগগে নংবো, মেমচৌবী ?" শেল চাক্লবা রায়েন্বহুগী রারোই পাউখুম্মি। অচুম্বা রাকৎ তাত্রবদো হাক্কচদনা মকোক থোংলিয়ে। মপা মচা মুংশিনহন্ত্রবা শেম্মি। য়েক্লববু মরুপ ওইহন্বা মানি। মাদবু ফজে থন্নদা থম্বত্রবশিংনা অতৈবু তোয়না ওংলিবনি। লোম্নবগী থরুম ইকংদা শেনগী রাহৌনা থাম্মী মৈচুরন্নবদি কনানা মৈকনগনি ? লোম্নবীগী থোয়দো শীকপা রাহৈনা মাবু ওংলক্তুনম্মু নোংমত্তবু লৈকাইগী মচেম মনেম কনাদা মুংগী অন্নাবা কোক্লবা পাউদমজরক্তিবী মেমচৌবীনি। মনাও মুপীসি থাঙগুথক্কা ফংবিনিংঙাই লৈত্রবা লনয়ামগী মপু ওইখি। মুপীগী লমচৎ য়াওদে হায়না হম্মা হম্মা থাইনবিরক্লবীহুবু, মরল পামলুবদগী অহুগা মচা পামজবদগী, থোয়জি থাদা নাম্না মিতম্নবা মতমদা মধুচন্দ্রনা থম্বকবা তৌদনা পুশিল্লকখিবনি। মীনা নোক্লখি, "পাশক থঙদবগী পাওইগে হায়রিবমান্নে।" অহুবু কনা কনাগুম্বনা অসিগুম্বী অসিবু য়াম্না পামজনা লৌশিন্নে। অহুনা মাম্মু থোইনা ফত্তবনি হায়না লৌখিদে। মীনদি কুঞ্জমনি হায়বসে মধুচন্দ্রমকী মচানি হায়না লৌনরে।

মাগী মচল ওইনা জামিনী কৌবী অমস্থু গম্ভীনীগী মতম্পাক থম্মা চাউরক্লে।

মচা ম্নারক্তবী গম্ভীনীনা শান্তিকুমারবুদি করিস্থু নত্তবদা থীনা থীনা চৈবিরি। মমা লৈত্রিঙৈদা কুবস্থু কোঙ্গায়নি। মচেনা মহু থোইনা থল্লুদে। অদুগা মাগী মচা, লমহেম্বগী লায়থুং থুংলবা অদুদা মচেনা "মসিগী অঙাংসি লম হেল্লি।" হায়বদদা মাদি ফী ফী কামই। মীগী মচাগা শান্নমিন্নবদা ম্নারক্তবা মচানা অকায়বা তৌরুবদি গম্ভীনীনা উবা লৈতে। মীচাবু চৈরম্নগা মচাবু মমাঙ থাহুনা পুরকই। অতৈনা মীমান্নদবীহুগা মান্ননিংদহুনা তুমিন তুমিন্না য়েংহুনা লৈহৌই।

অস্থুম্না চাউরক্লবা মচানুপাসিদা মেমচৌবীনা হংকম থোকপদগী অমুক অনিরক, "ইবুংঙো, নংবু পৈশাহু উদবা তশেংলেকো?" হংখি। উহৌবা মীনা মাবু হুংশিবদগী, পৈশাহু কুঞ্জমণিমক্লা মা লৈত্রিঙৈদা হুরাল্লগা মমাদা পীশিনখি হায়নসি মঙোম্দা তমখি। অহুনা হন্না হন্না হংলিবনি। অহুবু মনাওনা "ইচাবু হুরাম্বা পীবিরিত্রা? অহুম্নকা তৌবিন্থু।" থুমখিবদগী ওসিগী ম্নাথোম্নি ম্নাহৌখিবনি।

মবুক ফাবিত্রবদা মেমচৌবীনা "ঐদি লৈজররোই ইমুংসিদা। অহুগা অতোপ্পা ইমুংগী মৌস্থু ওইজরোই। ঐগী লৈফম অমা পীবিত্রিমখৈদি ইপামদা লৈজরুখিগে। অহুবু, মপু ওইবিরিবনা পুমথা থাদোকপিবদা তারবদি হল্লকপা ইতিক নত্তে।" অনিঙবা কোঙক্লে। মধুচন্দ্রস্থু হৌজিক্তি শান্তিকুমারগী থৌরানা পুনখিবদগী

খাইবগী বাদি হায়রমোই। অহল্লু শাক্তক্ তগি মায়া হুৎতাই-রম্লিনা!" খাদনা নতানীবু খিনদনা সেমচোৎবীবু থাবা তোথিরে। তৌখবুদি, মথোয়নি চঙহনা তায়বনু চৎকন খোঙ্নবগি। নতুন থরদবে ওইরবনু অমাণী মাঙো লৈকদবা মত্রে খন্নুলো মাগী ওইনা টৈকবা পোচে থরগি ঙনিমক শুরগে নিঙ্কনা য়োমনে। মঙুনী মা খঙবনিংলা থাবা তৌথিরে। চয়ত্রে মমা মচা।

পোৎ অনিনী মগু ওইবমকনু অরুবা ওইরিবনি। অহুনা, মথুঙ্তদি হুপী অনিগী মগু ওইনহনা ঙসিগী অয়াবদি মংনি। ননগী মগুনু কিবগী মরোল থোঙ্বনু মাগী মনক্না অয়াবা উৎনি। নহা ওইরিবী মেমচৌবীনি। মাদি য়াথয়া খুঙ্গম চন-বীনি। মাগী ইথৌ লাংলবা থঙ্গোইনা হুংশি ফাইব খিরের ফংদবগী মগুয়োইবগী মুক্না লৈনিংথিরবা নত্তে। খুদাং পিনবনা চৎলিবী মানা মচাদা "নংদি পৈশাহুগা মরমদা করিমতা খঙন-নেকো?" হংজখি। পৌরিবা মচানা ইচম চম্না "তামোনা খুহু লৈনি হায়না লৌখোকখিবনিনে। তাকশোঙ্খবা কুনি হায়নে। পৈশাদো ইমাতোমা লৌশিনখি হায়না মখায়োমগী ইবোঙ্গা হায়। তামোনা ঐগীসু খুহু অমা পীগনি হায়বনি।" খুমখি। মচাবু [illegible]পিদা 'তামো' 'তামো' কৌ হায়না তাকপগী অঙাং-হুনা কোয়বনি। মরাবদা চৎকদবা নমচং শাজং খুমমক মচাবু তখিরিবনি। অহুগা 'তামো' হায়বসিমক্তি মনাও হুপীনা পামজ-বদগী তখিখিবনি। পোকশিনবগুম্বনি হায়নসু মীনা খল্লিবনি। মনি মেমচৌবীদনা ওইহবনি। তুং ফাওবদা মরাবগী মকমদা

[illegible] তৌদনবা [illegible] [illegible] [illegible] চৈথিরৈদা [illegible] থাগী লেপ্লা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] লৌথোক্নি-ডৈদা [illegible] "করি [illegible] অদো ?" [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] চেনখ্রবা [illegible] [illegible] ইচম [illegible] [illegible] তারমি। [illegible] লোৎখ্রে। শান্তি পাম্বা শান্তিকুমারদি [illegible] ইতপ [illegible] কোয়রেং য়েক্নুমা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] শাম্বগী [illegible] লেপ্তুনা লৈথি। মতম অসিদা [illegible] লৈকাই কোয়রবী মমাদা পৈশাহু [illegible] [illegible] [illegible] পীথি, "ঐনা লৌথোক্লিডৈদা শান্তিনা উপ্রবনি।" ময়াম্বা উদবদগী মুংতুক-কুজানরিবক্নদা মথাক্লোমগী, শান্তি মমা মচানু য়াম্না হুৎশিনা তৌজবী অহল অমনা হুয়ানবক্নুনা মমাদা পৈশাহু পীথিবা মতমদা হায়খিবা [illegible] তাহৌরক্নুনা "নমা লাক্লগা তাকউ, ইবুংঙো।" [illegible] হায়খি। "করিবুনো ? কৈনো ?" অঙাংমনা থুমখি। "নংগী তামোনা লৌথিবা পৈশাহু নমাতোমদা পীখ্রবনি ; নমা লাক্লগা তাকউ হায়রবনে।" মথা তাখি। অসিগী মতুংদা মমাম্বু উরক্নুনা "তামো নং পৈশা লৌত্রা ?" হায়খি। "হৈ ! তাকথোকহুকো ! তাম্নবদি কূগনি ! নংগীসু থুসু অমা পীগনি। [illegible] লৈনবা তৌবনিকো !" খেমখি। কিবনে, থুসু কংগনি [illegible], মমাদা কন্নিমতা তমখিত্রে। অহন্নুনা মমাদা হায়রিখি। অহুবু মেম-চৌবীনা মাবু অমুক পুখোক্লিদবদগী, মসিদা মানা ওয়গসু [illegible] লৈবদি য়ামরোই [illegible] অতুগা থংন-চৈনবগী অম্বাংবা থাক্তুসু পামজদবদগী মুমিম্না চংখিবনি। শান্তিনিংবগী মচাদা

হংজবনি। "নংনা [illegible] মা [illegible] চুমথিদে। অহন্দুব্ অমুক চেন্নবা কত্তে থন্নুবদগী তৌবনি। অহুগা নংনব্ অহুম্না ভন্নবদি [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] কতে! নং, [illegible] ওইরোইদ্রা!" মমাদু টৈবিখি।

অহানা অমসুং [illegible] [illegible] মনাও নাইনা মাবু শংপদগী ভাম্বিরা পিন্নিকপিংদু [illegible] চৎনা [illegible] লোৎচখি। [illegible], [illegible], [illegible] মচা অমা [illegible] মপী য়াওনা [illegible] মটৈ কীরান [illegible] [illegible] শান্তি-কুমারব্ থীনা [illegible] থমো [illegible] ওমা [illegible] মনাঙ-[illegible] তুথোকন্নে। কিয়ম্বদগী, [illegible] [illegible] উতুগী [illegible] থীং থীং নোকথোক্লবা মচাগী [illegible] উবা মমাগী [illegible] পোৎলুমদু নোক্লিংবনা [illegible] শিনখিখি। [illegible] [illegible] চেম্বা শান্নদনা ইভপ [illegible] [illegible] 'হবা' 'হবা' [illegible] পৈরি পৈরি তৌহনা চংলক্নে। মহু উবা শান্তিদি হেন্না নোক্লিংথ্-নাক্নে। মমা কাওথোক্না নোক্লেদি [illegible] মাহু। মনাতোম্দু [illegible] [illegible]; মাগী হৌনজ্ঞ তৌরক্নে! মমাদু মথোন থোক্না নোকয়ে।

মপা [illegible] মচাগা লৈনরিবা মরীসি মধুচন্দ্র অমসুং পম্বৌনী-খোম্বগুবনা মাঙহল্লে হায়রসি মরামদা অনৌবা রাকম নত্রে। মুপীবু ইকাই-খুম্নবদা কম্বিবু—কনাব্ ব্যবহার তৌগনি? মুপী-নসু মুপী ওইবীগী লমচৎ পূম্নমক মাঙহল্লবদি মালেম লৈমনা কয়ম্না হিংগনি?

অহুম্না থাবিবিতেদা মমা মচা পুরক্নে।

---

(২) হিংনবা লম্বী

খঙ্গোইহুংগী অনাবা থক্না কোক্‌তুনা অহন ওইগনবী মমাগী নাক্তা লৈরকপা ফনা কুইরক্লে। ভৌববুদি মহুং মপানগী য়াদনি, অরাবা অমস্তুং খুদোংবীবনা মীওইববুদি খাদোকপা লৈতে। মেমচৌবীনা মগু মবেনবু কিশা-লোনশা ভোম্ভুনা থাক্লি। মপু- য়োইবনা মঙোন্দা চে চয়া অমা ফাওবা পীরকখিত্রে। গম্ভীনীনা য়াথং ভৌত্রবদি মখুচক্রবা পোং অমতা লাদোকপা ওমদে। অহুনদি করিগুম্বা মেমচৌবীনা মখোয়দগী অচা অথক্লচিংবা ফংলবস্থ মহু হুনি হাক্লনা লৌরম্বা য়ারি। মখোয়না মঙোন্দা পীনিংদববুদি মানা লৌনিংদবনা হেল্লি। চপ চানা থাইনহুনা লৈবনা ফরগদবদা মচাগীদা খন্দুনা তুংগী ওইবা রাখক্লা মাবু দগু ভৌরিবনি। মহুং মতম চাদনা অহন ওইশিনব্রে। মমাস্থ হাক্লগী হেন্না অহন ওইশিনব্রে। ইমুংগী কুপ্লোম খোইনা য়াও- খিত্রে। পৈশা ফংদে হায়হুনা হুন্দোক্লগা পৈশা য়ান্না মাঙবা, ইমুংগী ভৌদবা য়াদবা থবক কয়াস্থ, শেন্দবু ভাবনা শেল ফংবা নত্তে খন্দুনা, মেমচৌবীনা মমাগী মহুৎ শিন্দুনা পাঙথোক্লি। সুতিগী অহুম্না অহন খৌ নহা খৌ অনিমক লোইরগা মাগী মশিন পায়। অহিং ভুমদবমথৈ শুক্লবহুফাওবদা হিংবা য়ারি। অহুনা মশা শোক্লে হায়হুনা থবক্লা মাবু হেক থাদোকপদা চরা হেন্দুনা শিবা ভারি। ময়াও কংলবী মাগী শেজাঙ্‌গদি নোংমা শুহোদবদা মবুক থবং ভংলি। চাক্রেন মকস্থ মমিংদা ওইনা

ফংলিবনিনা, শান্তিকুমারদি মপুন্সিদী অয়ুক্তা চয়া য়ানবা ফংজত্রি। করিগুম্বদা কা হেন্না হাল্লবা মবুন্না চয়া য়ানবা তারবম্ব চাক্লেন্দা চাকলুক মশাং ভদে। অহান্ত হাউত মশক খণ্ডত্রি। চয়া হেনবনা চয়ী তংলবদা চাবা য়াবা করম্বা পোংপু হন্দোক্তনি? কনা কনাগুম্বনা শান্তিবু মচাশিংগা লোয়ননা চাক পীজরকই।

গম্ভীনীগী য়ুমদদি কুঞ্জমণি জাখিনী অনিদি অয়ুক হুংথিল নাইদনা পেন-পেন চাহুনা চাবা ফংদবা খণ্ডত্রি। হয়াউ-কুম্মৈ পামজগ্রবী মমানা কিজেং লৈতেংহুনা মপুন্সি লেপ্লি। মচেনা মপামদা হেক লৈখিবগা জীপ অমা লৈখি। লাই খুন্নম্বা, জিলা য়েংবা অমম্বং কৈথেল কাবদা মহু থাত্রিবনি। মাগী মচাবুদি থীনা থীনা ভোরগা শেম্বীবা মাবুদি গম্ভীনীনা নিঙলিত্রা? অরেম্বনি! মীবু শংলগা, মীওইবগী অহুগা জীব পুম্বগী থন্নায় হাপ্পিরিবা মাবু পুকথীবা নংনা করম্মা ফংগনি। মচা হুপা অমগা হুপী অমগা লৈজবহুগী চাউথোকপদনম্ব মী খুদিংমকপু য়ারোহল্লবনি। মচা য়ারক্তবা খম থেংলে। ক্রুশাবী গম্ভীনীগী চকু মীনা পান্নররোই। মমানা শঙবিবা লমহেৎগী মচুহ য়ান্না নিংথিজনা চুপ্পে। মীগী মচা ফুবা, পোৎ মচা-মগু হুরাম্বা অমম্বং খৎন-চৈনবা পাম্বা অচৌবা অডাং অমা ওইরে। হৌজিক ফাও-বদা গম্ভীনীনা মচাগী ফত্তবা অনতা উত্রি। অশোমদা মচেদি মচাবু মীনা হুংশিনবা লমচৎ শাজং তত্তনা তম্বিরি। থকা থাগা খোল্লবগুম কুঞ্জমণিগা শান্তিকুমারগা খেন্নবনি।

মতমগী অরম্বা নংলরা [illegible] মনাশী হুদি। হুপানা য়ুমলিংলবগী অরাবম্ব হুপীনা য়ুমগী [illegible] অরাবদগী তাবা নত্তে। হুপা হুপী অনি পুম্না য়ুমগী [illegible]নবা [illegible]রিবগী। [illegible] য়ুমজাউহু ঈশিং ঈচাউনম্ব য়াম্না থীহল্লে। [illegible] লৈবাং কাও-থুম্না গুমাও শীঘা থুংনা থুন্দারি। মাকোল অমসুং ইমুংদা ফম্বশিংনা য়ুমথক্তা লৈরিবা হুমিং থাগী মঙাল চংফমশিংন্থু উগনি। মংখায়হুনা মশক উৎলিবমখৈদি মমা মচানা খোইনা কিদে। লৈনা লৈনা লোৎপ্রবদি নোং মংত্রবসু চুরগদবোইদা খল্লি।

অসিগুম্বা য়ুমসিগী মাকোন্দা মপান তৎলবা ফক অমদা কিমন থম্না থারগা অহন শীদা চল্লবী মমানা মাগুম্বী মোন অমদা মথুনিও শৌরগা মাগী চপশিন থুইজিল্লবী তোংনা খাদোক্লবী মচুবা খাজত্তুনা পোথারি। খোইনা পোল্লুম-চৈরম পুরুবগী অহুগা অরাবা থবক শুরুবগী য়াবা নত্তে। শিঘা য়াদ্রবা চহিগী পোৎলুম পুরিবননি। মচাম্বুপীনা কোম্বোংলোমদা ওন্দুনা কল্লি। করিগুম্বা অমা তানরি। মমাহু লোক্লা মখোন ইতা তারে।

মচা— ইমা, অঙাংশিবু মীনা হায়বা থবক অহু তৌহন্নিংদে হায়-হুনা অসুম তোকহন্নসি হায়রবরা?

মমা— ইবেম্মা, ইগুবু অহুগুম্বা মীনা নোক্লগদবা থবক্তা থাজিন্দুনা তুংগী মপুক্তি ময়া পংহম্বা পামদবনি। অহুম্নমি ওইরবদা, লায়রবগী অকনবা ঈচেন্দা ঈম্নাক্লরিবনা অকন্বা থবক্তবু ঙাইহুনা লৈখদি চুমত্রমাল্লে খল্লি। অহুগা মাগুম্বা

অঙাংমা করেনা অকবা থবকপু কনখবনো? মতম থরা
তৌহনলা অমদা অমুক হোৎজিনবিবা হায়বনি। নোংমা
নোংমগী চাউশিন্নকপনা শেম্বগি নংহৌরগোই। মহৈ মশিংসু
থাক চানা তমহবা ওমজে। অহুবু ইবোতোন হায়বদা
থরা নিংথিনা শিন্নবা তারে। লোকা খোনঙ্ যাত্রে।
লাক্লগা করবা অহুম ঙাংনজো।

মচা— ইমামা হায়বিরিবশিংদো অচুম্বনি। করে, ইবুংঙো ইবো-
তোম্দা থরা করনা হায়বা তারে। এ! ইবুংঙোদি লাকপু
লাক্লে। মমাসু মাগী শেংঙবী মিত্তুনা কোম্হোংলোমদা
য়েংজখি। ইবোতোম্না অসুম চঙলক্কুনা তুমাও য়োরক্লবদা
মমা মচানা তরাম তরাম কৌশিন্দুনা কমহনজে। বা
ঙাংনবা হোৎজে।

ইবোতোন— ইতেমা, ঐনা লাক্লিবসি নহানগী য়াহুগীনি। করি
করি থরাবিরবগে?

মেমচৌ— ইবুংঙো, ইতেমখোয়না থোইনা অমুক থরবা তৌজে।
ইবুংঙোনা অঙাংসি করবা অহুম লোয়নবিরো।

মমা— অহুনি ইবুংঙো, ইনেনা নিঙজবসু। করবা অহুম শীথিরো।
ঐগীদি থোইনা হায়জররোই।

ইবো— অহোয়, ইনে। অহুদি হয়েংদগী হোবা তারে। মাবু
হৌজিক কদাইদা চংথবিগে?

মেমচৌ— হায়রোকদবা ইবু ইকাইদা। মীগী লৈবাক তৌবা
য়াওগনি হায়না চংখিবনি, ইবুংঙো। ইমা ইচানা শিবসু

শিদা, চওবস্থু চওদা, ব্রানা হিংলে তৌরিবসি।

ইবো— কয়া য়াম্না তৌরিবা লৈবাক্লো, ইতৈমা? ওন্থোক্না ব্রার-নিদা। করম তৌসিবা!

মেমচৌ— মাগী মখূনাশিং অমগী লৈবাক্কি। চাদবদি খাদবনিনা মাস্থু মানা ওম্বা তৌহনথ্রিবনি, ইবুংঙো। মীগা ত্তিন্নবনি। মীগীদি মফি-মরোল লৈনবনি। অত্থুগা মাগীদি ঐখোয়না পুন্সি হিংনরি। অত্থুনা ব্রারিবনি।

ইবো— মুংশিদা, ইতৈমা, অঙাং অসিদি! ঐনা পাম্বা অঙাং ওইরে। য়াম্না হরাওজরে মরম ওকপা অঙাং অমা ফংব-সিদা! হয়েংসি অয়ুক ওস্থা ঐগী ইচানুপা বীরেন থাজ-রক্কে। মাগা লাকহন্বিরো। ইবুংঙো শান্তিকুমারদগীদি ঐখোয়গীথুনা খরা হন্ননগনি। হন্দক্কি স্কুল কারকপা উথিন্রে হায়না তমই। ঐগী অঙাংথুনদি ইতৈমগী অঙাংসিবু য়াম্না মুন্না খওই হায়। য়ুমস্থু খওই হায়।

মেমচৌ— হোয় মানস্থু খওই হায়। তাদা হায়বদগী হেনগস্থু হায়না খওহঙ্গরিবনি।

ইবো— ইতৈমা, অঙাংসি লমদি হেল্লোইদা। অত্থুগা মানা ঐগীদা লৈনিংলবদি অত্থুম লৈথোকপা য়াগনি। অত্থুবু শোমদা তৌরিবসিনা মত্থুদি য়াররোই। অত্থুবু মাগী অয়ুকী চাক্কি ঐগীদা হেক হেক চারসন্থু। মুনিদাংস্থু করিগুম্বদা অত্থুম লেকচসন্থু। বীরেনগা অত্থুম লাইরিক-লাইগুস্থু তৌমিন্নবা য়াই।

মেমচৌ— ইমাইবক কখনি ইবুংতোনা হায়বিরিবদা। অদুনা অহিংদি থাদোকপা ওমজদবা তারি। অদুবু [illegible] মরক্তা অদুম মরৈহনিবু। ঐখোয়বু খুবিনিবু ইবুংঙো। ইতৈমা বা য়াম্না ঙাংনিংদ্রে।

ইবোতোন— ঐখোয় নৈরি ইতৈমা, কনিসু খাবিগনু। অঙাংসি য়াম্না মরম ওকই। শোকপদবা অঙাং নত্তে। মাগীদমক্তা ইতৈমদি য়াম্না খাদ্রে। "চুপ্ত খানিবা; অদুবু ইতৈমা, য়াম্না ফজবদি থমবিগনু। ঐসু চুঙরগে।

মচাগা কায়নরে। মমাদি মখোয়নিনা ঙাংনবদু অদুম তাখি। মখোন তাবনবৈ শোক থুংনি হায়বহুনু খঙখিবদগা থোইনা হংবা খোংপা তৌখিদ্রে। মানা চংলগে হায়রবদুদা শেংদনা "করে করে ইবুংঙো। অঙাংসি ইবুংঙোদা শিন্নরবনি," থুমখি।

ইবোতোন হায়থসি মীনা টকাই-খুমরিবনি। মাগী হোটেল অমা লৈ। মতিক চাবা অঙাং অমা থিরি। মেমচৌবীনা মচাবু হোটেলগী পাত্র চামথোক চামশিন তৌহনগদৌরি খবদা খোইনা ফজবগী খাখন্না মাব পূবদি ঙমখিদে। তৌবদি, মপুরোইবগী মনাক্তা কুঞ্জমণিগা কামিনীগনা হিংলিবগী মতৌদু নিঙশিংলগা থরদি সুংঙাইথিদবনি। চহিগী মতুংইন্না তৌবা য়াবা থবক তৌবদা করিগীসু ইকাইগনি? অদুগা হিংবব খারবদি অফংবা থবক অমা তৌদুনা মীগী মপোং হুরান্নুবগী মিংচং থীবা নংদনা লৈবদুসু লেম্বা হায়বদুনি। অসিনি তাইবংপান! থরনা অন্নাবা খঙদনা পাল্লি। কয়ানা সুংঙাইবা ফংদনা পুন্সি লোন্নরি। কনমক হায়বা

শাবনি, মীগী লুখাক শেংবনি। মসি অয়াবগী য়াঙাংনি। অচৌবনা মচা য়াওদনা চাউবা য়াদে হায়বসি থঙনা থঙনা মচাবুদি খৌশা-বিত্রি। থীরবা মৈতান অশিবনা থাঙজবগী মৈফুদা শাক্লগা মীগী মতেং পাংলি। শান্তিগুবা অঙাংনা হোটেলগী চাম-থক্লবা পাত্র শেংদোকপস্থু মশাগীদা কায়বা নত্তে। হোটেল কয়া কয়াদা মপুগী খোল্লাউ তাহ্নবা, হয়া হয়া ফোংপজগী মঙং খোক্তুবা ফিজেং শেন্তুনা, অঙাং কয়া কয়ানা মপুক্তি হিংনবা মখোয়গী মথৌ তৌরি। করিগী মখোয়বু নোক্লবিরি? লংলবা সনা লুপা পায়্বগী ফলনা, মোংলবা থবক শূত্নুনা মপুক্লিং শেংনা হিংজরি-বশিংগী মমাঙদা মখুৎ তুংবুমহ্নুনা পুরিবা, অহৈবা ডাক্তরনা য়েংবা ঙমত্রবা পুন্সিগী ফরয়োইদবা অনাবনা থাদোক্তুবা মখোয়হ্নুনা য়ায়েম্বগী লায়য়েংশঙদা অল্লাবা নংলি। মখোয়বুদি ব্যবহার তৌথি-গত্রা? মীগীস্থু কায়বা, মশাগীস্থু হিংনবগী লম্বী ওইবা মথৌ তৌজবব্ করিগী হন্থনা থয়রিবনো? গুাল্লিভৈদা অঙৌবা ফিজেংনা লৈতেংবা অচাউরম কাঙ্গারিবা মাদি অমম্বগা মায়হ্নুনা অহিংদা মীহাং মীপুন তৌবা ঙয়া মপুক্তি লেল্লি। অসিরা নোক্লচাউবা মাগী মথৌদি? অময়োমদস্থু, মরাইবক থীবনা মীগী লুখাক চগুমদা শেংহ্নুনা লৈরিবা মীহুবুস্থু করম্না অচোপ অরেম থঙদে হায়রুনি? মরমদি, পাপকী থবক তৌরিবা অরেম্বা শারিবা মাবুদি অমোংপা শেংলিবহ্নুনা তুক্লচরি। অচোপ অরেম থঙবগী মী কৌরিবনি। অত্থুব্ তৌবা য়াবা থবক তৌহ্নুনা থম্মোই শেংনা লৈজরিবশিংব্ নোক্লহ্নুনা মতেক্তা চাউথোকপা উৎপদি অফবা ওইরোই থম্নি।

---

(৩) চৈরোক কংবা

চনীং য়াওরবা হায়রবা পূজী পোৎলুম পুনরক্লে। চাকথুম কাদা থাম্বী খৈরেন হৌদ্রনা নিতি চারেন লাওঙমদবা য়াওরক্লে। মীয়ামগী চিন্নাক হল্লিবা লৌমীগী পোথোক্নস্থ হন্থরকপনিনা হেন-কংলক্লিবা মীশীংবু কিরক্নবা ওয়রে। য়াহৈনা অন্নাবহ্ কোওঙমন্রে। গেহ্ চুগজাক্লা মথোয়গী মহৌশাগী থাক্তগী কাথৎলক্তনা তৌবা ওম্বা উৎলক্লে। মথোয়গী মগুণ থঙত্রিবশিংনা মথোয়বু মতাং অসি ফাওবদা লূনা তৌত্রি। অসিগুম্বা মীওইশিংনা অরাম খোয়াংব-দগী মশাবু কঞ্জবা ওমত্রবা মীবু উরগা মিঙ্গুংশি পোক্তে। লূদনা লেমজবা মথোয়গী নৌথোক্তবা থম্মোইনা করম্না থৌজাল উৎ-কনি? মীওইবগী মঙ্ রাংলবশিংসিনা তাইবং মীগী লোনচৎ শেম্বা থৌওং কয়াবু তোয়না উনিংবদগী অমাওবা কয়া পুরক্লি। চয়োল থুদিঙ্গী চাকচা হৈজানবা মথোয়গী মতমগা চানত্রবা শান্ন-বনি। মহ্না কান্নদবদা মুংঙাইবা তাবগী ওমখৈ ওইত্রি। ধর্ম্মগী থৌদোক কয়াবু চুম্না পুক্লিং শেংনা পাঙথোকপগী মহুত্তা নাপন্না মচু শঙহ্না লেম্নবগী লমজেল তান্নরি। করিস্থ নত্তবদা "নবুংঙো ঐনা তৌরিবসি উত্রা?", "নবেম্মা ঐনা শীল্লিবসি থঙত্রা?" ফু-শোযশিংদা চাউথোকচরিবনি। লল লৈবা মথোয়নি। শক ফজবা মথোয়দনি। লৈবাক্কী মীয়ামগী লম, লম্বী-থোং অমস্থুং লোয়্নশঙ মথোয়গীনি! অহ্নমদি ওইরবদা, মথোয়হ্ তেকল্লবা নাপনগী শগাই তোংবনা থঙহৌদনা মরক মরক্তা লৈথা তাবগী অন্নাবা নংই।

কোরৌহম্বনা লৈরাং থম্বান্দগী কাম্লেন্‌ ম্বাহৈ ফংলবদা থুনা মীরম লাম্না খোঙদোয়ব্রে। লিরি শিংপা মালংবম্‌ নোংমগী শৈরোই শৈশক্লি। শোরোক ম্মাংবী খক্তা গাড়ীশিংনা অমম্ববু নমহুংনবা থাংমৈগী মত্তং লৌরক্লে। সনা কৈথেল্দগী মম্লুম মম্লুম তম্না হরাউনা খোঙথাংলিবশিংনা লম্বীগী মতাই অমদা পূম্না পূম্না ম্মারী শাহুনা লম্বী তেলহল্লি। খঙগ্গদবনি হায়না লোবা ম্মাত্রবা লমহেম্বগী মশক ওইরবা কনাগুম্বগী য়েং ওই ওম্লনা চংপগী অকায়বনা মম্নামদা অপম্বা পারি। শা লানগী থবক পুবা জীপ কৌবা গাড়ীহু অশোন-অনা শকথঙদে। লম্বী চংপশিংবু মম্লবহু-মক্তদা 'হুইস' 'হুইস' হায়না মিপাইহল্লি। কনাব্রে মাগী থম্মোইহু। অমতম্ব নক্রিংম্ন! চিল্লবা তাক্লাসিদা মথোয় মশেল লমজেনম্ব তাম্মরি। খঙহৌদনা খুইদগী য়াঙবা অমা কৈংথল তম্লক্লি। মম্মিংম্ব নামা তাঙই। "কম্না চৌল্লিব মম্মিং অমতা পাম্বা হম্না-গাড়ীসিদি শামু লমশাদগী হেম্না শাথিবনি!" হায়নরি থরনা। "তপ্না চংলবম্ব অসিগুম্বা অসিদি থাজবা য়াবা নত্তেদা! মসে গাড়ীনা তাঙবা নত্তেয়ে! থৌরিবসে থৌগাই শূবা মিংশোয়বনি," মথা তাখি অমনা। অসিগুম্বা মতমগী লম্বাদা ভোয়না চম্ববশিংনা কাঙলম চেম্না চংপনা মখোয়গা লোয়নরকপশিংনা মখোয়বু য়ু ঙাওবা শেম্নবগুম শেম্নরক্লে। মুংঙাইবনিকো, মুংশিবা মরুপ্না চংমিম্নরগা য়ু ঙাওরকপদো! "ঐবু মম্নাম্না য়ানত্রে," খন্দবহুনা মম্মিং নামা অহুম তাঙনা কুঙলবা মীরক য়োরক্লে। মকম অহু য়োরক্লবদদা খোঙচং থংহন হম্বখি। অহুদগী অমুক থরা লানক্লপা

হায়গুঙা কনখৎখি। "অচেম্বু লাক্লয়েংশঙদা অমুক্তা থিহিন্নু হাক্লুবদি, ঙসি ভয়ামিয়োমক্তি শীজিনবা য়াখিয়োই হায়না লৈহৌবা মাগী জৌগ্নি। অহুবু মাদি তোংহনা লাক্লি!" গাড়ীহুবু অহুগা মন্নুংদা তোংলিপী কনাগুম্বীবু অভোম্বা গাড়ীগী থাংমৈ মঙান্দা মশক খঙহৌবদগী অচংপা অমনা হায়রি। "মনাও হুপীদি মোংমাইজিং থুদিংগী উসব মেলা তৌই হায়বা কাউক্লরক্রা মান্নু? মাগী হৌনবা ঙসিস্থ হুয়েং চাক চানবগী পোচ্চে লৈবা লাকপা ওইরিনি। য়ুম্নোন-কৈরোম্নবশিংনা চাবা কংদবদগী হ্নানরি। মমনা জীপ তোংহুনা অশোন-অনা উদবমথৈ থোরেম পাঙথোক্লবা মচাক থিবা লাক্লি!" অমনা থুমখি। "কনাবুনোনে, নথোয়না হায়নরিবহুবো? মীয়া, লাইরা?" অতোম্বা অমনা খঙনিংখি। "ও হায়নবীনি! হায়নবীনি!" থুমাখ। "ইহে! ইহে! মা ওইরেকো! কিজৈ!" হ্নায়োইখি।

থাংমৈনা কোকহন্বা ঙমত্রবা অমম্বদা "জীপ্তু কাও! হন্নাহু থাম্মু!" তোয়না তোয়না লাউখি। শক্তি উনদনা "করি তৌরম্নবগে?" হায়নখি। "মীরক্তা য়াঙবা! মীগী মতৌ মান্দবা! নংদয়া হন্না লোইবা? কনাগা লমজেল তাম্নরিবনো?" শাউনা হুপী অমা লাউ লাউহুনা মীনা হুংশিনত্রবা কম্না চংপা য়ারক্তবদগী খোঙচং য়াম্না হম্বয়ক্লবা জীপ্তুবু ভাম্নরি। "য়াম্না য়াঙগ্রেদা, হুপীসে! উয়াউবী য়াম্না তোয়না য়াওরকমাম্নে!" উহৌবশিংনা ঙাংনখি। চংপা য়াখিত্রমাম্নে, সিপাইনা লেপগ্রে মিৎশোম্নবহু। "চাউজল, নঙ্গী একাগাড়ী অয়োবসি মিত্তাঙবগিদা পীথোকগ্রোদা!"

মীরক্তুদা মাগী একাগাড়ী অতেকপা ঈম্নুনা চংলিবা চাউভল্দা মাগী মরুপ্পা হায়খি। "চাউভল !! ওম্থোকপা মিংনি।" হায়নখি। "নত্তে, মীওংপীগী জীপসিনা নঙী একাগাড়ীসিবু থেংবু থেংল-মুব্রনে?" মরুপ্তুনা মথা তাখি। "থেংলম্লিবনিনে থেংলম্লিবা !! লৌনম্বীগী গাড়ীনা কিম্বহল্লয়ে!" খুমখি। "অহুদি, ওসিদি 'থোকচাউ' 'চাওভল' থোনখিবগী লমন শিংবা তারেদনা!" মরুপ্তু হরাউখি। হেন্না ওরুখি "করিনো? থোকচাউ !! চাউভল !!" মখোয়নিনা ভাংনবা তাখি।

চাউভল—মাগী জীপসি থামগ্রে। ড্রাইভরতু অমুক্তা কৌরুচোবা, থোকচাউ! মথবাক ঈরম ফাংকে! ঈমু ঈকুং থোকহনগে। মাগী মনাক য়োৌনদি মসি পুবা হৌনদ্রে।

থোকচাউ—ফরে, চাউভল, নং অতুম লৈরম্মু। ঐ অতুক চংলু-খিগে।

থোকচাউনা য়োৌখিবদা মুপী অমনা মসুংশা থবেং থবেংলতুনা গাড়ী থৌবতুবু য়োংকে তৌরম্মী। গাড়ী মসুংদগী মুপীগী থোম্থোক্তা "করিগী মীগী লম্বী পীদবগে? নংগুম্বীগী চফু খরা কায়রগা ঐখোয়বু অরাম্বা শীরিব্রা? লুপা কয়া থোকই? শেন ওইনা পাম্রা? পোৎ ওইনা পীয়ুরা? অপাম্বা হায়রো, থেঙ্খিনি।" চাউথোক্লা লাউখি। মাগী মাতু তাবদা মীয়ামতু "মাগী গাড়ীসি মৈ থারসি! মখোয়সি মোংফম থিরকপনি!" হায়না লাউনখি। "ইবেম্মা গম্ভীনীনা থোকচাউ ঐগী মরুপ চাউভল হায়বতুগী একাগাড়ীসু

লায়য়েংবিবা তারিয়ে। অমুক্তা কুমথবিরক্তুনা মিথক্লে তাবিরো,” থোকচাউনা কন্না লাউহনা মরক থথখি। গম্ভীনীচু হিংক্তে হায়না খল্লিবনি। ওসাইগী প্লপীহনা মতমসিদা মাবু চিংথগে হায়না হন্না মহুংদা মুন্না মুন্না য়েংশিনখি। ত্রাইতরহনা ময়ামদা কখিনবা হায়জখি। কৈথেল ওাকপশিংনা মশীং য়ামত্তিৗৈদা অস্নুমা থোকখি। খওহৌদনা ময়াম লাক্লে। শাউনরম্বশিংবু থামগ্লে। গম্ভীনীথোয়রবু য়াম্না ফজনা ব্লারকগ্লে। চৈরক অহুদা চাউভল মশামক লাক্তুনা ব্লাকংলৈ। মাগী কিম্ভরবা গাড়ীচু ব্লানা থাংহনা পুরক্লগা থাদহনা হায়খি “মসিম্ব ফজনা য়েংবিরম্মু।” চক্কু পুবীহম্ব মীগী পোং ওইবনা য়াম্না শাউখিবনি। মাঁরক্তা থাজদনা মাগী জীপ্পা হোংচিল্লকপহুদা লৈশীবা নংহৌদবদগী মকোক্তা পুরিবা পোত্তা খিত্তং থেংখি। মহুজগী মীগী পোত্তপ্নি হায়রিবা চক্কুশিংচু হেক্তা হিংদবদনি! অহুবু মবুক মবুক কাগ্লে। গম্ভীনীগী মবুক থল্লা লাকপা শেক্সাওহু মবুক খংশিং শিংগ্লে। ময়াম কায়নগ্লে। অমম্বা অহুদা মমায় ফিরুক থুমহনা নাপল পামজবীহুম্ব চওশিনগ্লে।

গম্ভীনীনা য়াম্না কিনা পৈশা য়াম্না পীহনা চাউভল অমগুং থোকচাউবু ব্লা মথা তাহনখিদে। মথোয় অনিনা অম্মুন ব্লাবী শাহনা লৈহৌই। ‘থোকচাউ’ ‘চাউভল’গী মমুঙ্গী ব্লা মফমহুদা লৈহৌবশিংনা খম্বি।

থোকচাউ—ওম্মিহৈ! চাওভল, নংসিদি!! হায়া তেক্লবা গাড়ীনি। শেম্নবা পুরকপনি। ওাল্লিৗৈদা পুনিংত্রহনা মতমসিদা পুরকইবনি। অহুব, লৌনম্বীব লমন থুম্লিংবদগী কম্না হোৎনহুনা মরল তিংহনগ্লে।

চাউভল—কুইরবনিনে, থোকচাউ, ঐনা মাবু লুমকইবসি !! মংগী খন্দুনা য়েংউ ! মানা লৈশারিডৈদা ঐখোয়না খরা লৈম-থোকউবদগী মানা ঐখোয়বু পঙই খন্দুনা ইবানিগী মিং ওস্নোকখি। নত্তে অতৈদি লায়রি; মাগী মচেনী মাগী জীপু অমুক্তা পীয়ু হায়বদি পীখিদে। অদুগা মাদি য়াওনা লাকইনেসে ! কয়াদনোনে !! শক্তামক্তা কিন মাঘনে !

থোকচাউ—হেরা, ঙসাইনা হয়েঙ্গী লিলা কৌবা চৎলুবা ; হৌজিক্লা ইন্নাং নাপী লৈবা লাক্লিবা ! অসিনি।

চাউভল—হোয়নে, লুখিত্রেদা ! মচেনা অশোমদা শিবা য়াম্না শোল্লি। মচানুপা শাস্তিনা হোটেনগী পাত্র চামথোক-চামশিন তৌরি। মানা চাক চানবগী থৌ পুরি। য়ামগবা মতমসিদা মখোয়গুম্বসিনা হৌজিকপু ··· ···!

থোকচাউ—ঐখোয়দি ইশাসি কালেন্দা ওইত্তুনা লৈবনি। ইশা ঙমদত্তুনা হেন্না শোন্নবসু চাক তাঙবনা লাক্লম্লিবনি হায়না হেক্তা মৎৱৈ। তৌবদি, চরাদি হেন্নগা, মনিঙ থোঙদা খুজাই পায়ত্তুনা চৌন্দি অত্তুম মতেংনরি, মৌশিংসে ! নত্তে, অসি-মসু মীনা ঙাংনরি—কুঞ্জমণিত্তুসু থকপা খরা খরা হৈরে।

চাউভল—করিগী মমাগী মচানবুদি হৈরোই ? মচানুপী জামিনীসু মমাগী মথক ওইদোম্রিবনি।

থোকচাউ—ঈশিং চাউবদা য়েন্না চেং য়ামত্তু মাদি পরূপ পরপ তান্নত্তুনা লৌরূরগা পৈশা খরা তোংত্তুনা মীত্তোঙ্গা য়োল্লি-বনি। চোপ্পগী জাত্তসু মহানি ! অদুগা য়ুম তেকপগী পৈশা

কংলবহল্লা মাসু পাম্মনগ্রহনা মাগী অরাং শজোয়হ্ ইকন কল্লা চিংথুরিবনি। ওমগ্রবনি ওমগ্রবা! অদুবু শেন্দি কংখিদে, চোল্লা কৌথি।

চাউভল—করে, ওসিদি মণি ঐ হুংঙাইরে; পিশক নংহ্ পেল্লে!

ঐগী পাউগী শেক্মদা থনমসি। চাক চাবা কংনগবনিদা সিনেমা য়েংবসি থরা তোল্লসি। অদুবু, অমুক ম্রানগরশিংদু মকম মরি মঙামক মীনা পীক পীক থম্লিয়ে! মাম্মা হেল্লা ম্রানরবদি কররকখিগত্রা? থঙত্রে, ভৌমিবসি!! লাকও চৎলাস।

থোকচাউ—চৎলসি। পেল্লে! পেল্লে! সিনেমা য়েংত্রবসু; থোকচাউ চাউভল পেল্লে!!

---

(৪) কিরুক খুম্বা

মবুক থল্লবা ফৌগে শীঙৈগী মপু ওইরিবা ইবোতোল্লা হোটেল মচা অমা কম্মা কম্মা ময়ুমদা মী কয়াবুসু কিশা-লোনশাম্মী থবক তৌহল্লি। ওসিসু অয়ুক মুংথিল থোশূরম্বশিংবু মুমিদাজী শিঙ্গীশিংনা থোশিনম্লে। মথোয়হ্গী মরক্তা থরনা অহিং য়ারেক্তুনা শিনশঙহ্ শঙহৌগনি। মপাল্লোমদসু মতম য়াথং ইন্দুনা হোটেল থোঙ লোনম্লে। থরু-চানরম্বা পাত্র মশীং য়েংলক্লে। অমা ম্রাংলে। হম্মা হম্মা মকম খুদিং য়েংলক্লে। উবা ফখিত্রে। অতে মাখিবা থোইনা থমুদবা ইবোতোন্দু ওসিদি ভাইহাক্তদা

মায়থোঙ থেগুম লাংশিনখি। পুককন্তবা কন্যনা মাগী মিন্নংশি থঙবা থম্মোইদা লৌনম রাকায় হৌররিবা? হুরান শাজং পামজখিব্রবনি! শাউবা হৈতে হায়নবনি। অদুবু, শাউরক্কবদি শাউগম্বদগী হেন্বা ওইরে! তশেং তশেংলম্বা অতিয়াবু থাজদবা নোংহোৌনা ইমম মম্না কুপশিনখিবগুম মাগী মকা লামচুনদা লৈরবা মায়থোঙবু শুকথবনা মম্না থনখি। মমাঙৈগী মাঙ্খিবসু ঙসি লোইনা নৌথোয়রক্রে। ময়াম্মদি উহৌদ্রে। "নোং ঙাল্লগা থজনি!!" হায়না ইমুং ঙাম্বা ডাইরে।

মুমিং চুপ্পা মথৌ শুকরবা মুংনাং রাখল চেন্দ্রব। মীদদি অহিং অহ্ন তেনব্রে। ইঙদ্রবা রাখন্না মৈচুরবা খোয়েন ভূমখুন হুন্দ্রবা কনাগুম্বদদি মহ্ন কুমগুন কয়া ওইরে। অদুবু, লৈরি-ভৈদা লায়থোকুবা চংগ্রগদা লুনা নিঙনবা মতম কৌবহ্ন লাক্রে। চৌখে হুল্লক্রে। অয়ুক হায়বহ্ন থুংলরে। ঙসি অয়ুক অসিসু থবক শুবশিংনা মাগী মাগী মফমদা মথৌ পাঙলি। শান্তিকুমারসু মাগী ভৌগদবা মথৌ ভৌব্রে। মী মশীং শুরক্রে। হংবা য়াবদা হংলক্রে। "ঙরাং কনা কনা পুখম নায়াংপহ্ন উথিবগে?" হায়ব-সিদা মবুক পেম্লিংঙাই ওইবা পাউখুম অমতা ফংখিদ্রে। মথা অমুক তাখি, "ঐনা হংলিবসি থোইনা ফন্তবা থনগনু। ইচা ইনাওগুম্বশিংনি। অহন হায়ববু ইতৈমা কেতুকীদনি। পুখমহ্ন চা-মুং লাম্থোক লানশিন ভৌবদসু অঙাংশিংনা শীজিন্নবনি। অহুদা কাউহ্ননা অহ্নম থনম্বদা থেংনবা য়াওব্রা হায়না হংবদনি। মফম অতৈদদি করিসু চংলম্লোই।" কনামতা থঙই হায়খিদ্রে। ফরবসু

কত্রবন্থ মাখিবা পোং খিবা হায়বসি নুপ্রে ! মপুদনি লোংজিবা। অহুবু কত্তনা হাথন লৈত্তবশিংদা থৌনা কনা মথোর মথোয়গী পুক্লিং খোত্তহাংহুনা মন্নুগী অশেংবা উথন্ত্রে। মকোনাক্তদা কেতুকী হায়বীহুনা "ঐদি কোন অহু ইবুংঙোগী ইমুংদা অমুক্তংগা খিখিসি হায়রদা থক্ররি," হায়রেপখি। অহন অমনা হায়রিবনি থক্তুনা মাপু মাগী চুগী সবীবু ইমুংদা থিহনব্রে। খিবা কংত্রবদা কেতুকী- খোয়বু খিবা য়াওহনখি। মকম খুজিং কয়ারক হন্না য়েংলে। ভশেংনা মাত্তলে হায়বগী হুংঙাইতবা পোক্লখি। অস্থুয়া লৈরিত্তেদা ওষোকপা মত্তৌ অমা থোকব্রে ! থাজয়বা মকম অমদগী ইমুংহুদা ঙাইহাক লৈত্তনা চত্তথোক চত্তশিন তৌবা থবক শুবা নহা অমনা "লৈরেদনা অসিদা !" হায়হুনা পূন্নমকী মুংনাংবা কোকহন্দুনা কোম্বু পুথোয়ক্রে। পোথাকম থত্তপুত্রবা ইবোত্তোনগী থম্মোইদা মুংঙাইবগী মঙাল থুংব্রে। মপুদগী হেন্না হয়াউবন্থ য়াওখি। অহুমদি ওইরবদা মাত্তলুবহুনা লৈরম্বা মকমহু উরবদগী মী থরগী হয়াউবদি অহুম ভন্না হনব্রে। মথোয়হুগী মন্নুংদা ইবোত্তোম্মা অথোইবনি। মিকুপ্তা মশক মচু ওনখি। মপুক্লিংদা "খিরমত্রবন্থ ফগদবনি !" খনখি। করিগীনো ? ফংনিংহুনা খিক্লরে। লৈরমহুনা হয়াউরুরে। অহুগা হৌজিক্কা করিগী অমুক হুংঙাইবহু পামত্রিবা ? মপোং ফংলগা হেন্না রাজরবা মাবু কেতুকীনা পাউত্তাক পীখি, "কায়দে, ইবুংঙো ! মরমচংপু চুমত্রবদি অঙাং থত্তদে, অহন খিদে, থম্বিরন্থ ! অচুম্বা মশক থত্তহম্বিয়ু। নত্রবদি অমনা ময়াম্বু তত্তনা মাংথোক্লগনি !" মাগী রাসি তারগা মাদি লৈফম থম্বিত্রে।

খঙসরে মানা [illegible] । মরক মরক্তা শান্তিকুমারনা মাগী মখক তোফমদা লেকরক্থা কই। মাগী [illegible] হুমুদী মোম্পাক মখাদা পুখরসু লৈরক্নি। [illegible] শান্তিকু মখম একপা অমসুং মখুক শেংবদগী য়াম্না [illegible] থম্লিবনি। অইয়েনসু মসু পেঙ্গিরিবনি। অহনা অহওবা অঙাংহনা হুরাবা [illegible] মনু কোংদোকপা ওমদবা অরাবনা লাকপিরম্বনি। করবা থরায়না চাম্লরঘনা য়েক্লবা ওইরকপবু খাঙবা ঙম্লগনি? মখুক লেংবা মীশিংগী মকমদা ইবোতোন য়াম্না কবা মক্লি। শান্তিকুমারদি হুরাবা ওইরম্বনা মাগী খাইদগী তমথিবা য়েক্লবা ওইরে। [illegible] অহিং ময়ুমদা হনখিদে। ঙসিদি হনগনিদ্রু হায়রি। ঙসি [illegible] পুন্‌বা ওয়াংদগী মাগী মোম্পাক মখাদা লোত্থ্রম। মমা কোয়ি হায়থসি ময়াম্না খঙনরে। মীনা য়াম্না হুরখিনা তোনরিবা অঙাংনি। অদুবু মখুংদা অহিংগী কিরেংপু মশাঙদগী হুরখিনগী কিতোম্না কুপ্নগা অথেঙবা অহিং ঙাইহনা লৈবা হুরাবা ওইরম্বনা ঙসি মাবু কা হেন্না তুকচনরে। শাংলবা মতমগী অকবা মিংচৎ মিকুপ্তা মাখ্রে।

বীরেন্দ্রসু শান্তিবু য়াম্না নুনা তৌজবনি। চহিদসু লাই-রিক্তসু থরা থরা হেঘনা মানা য়াম্না ফজনা থঙবা মতাংদদি শান্তিবু তাকপিবা ঙমই। মরক মরক্তা লাইরিক ঔরাইমিরে। বীরেনগী মচন মুপী চন্দ্রলেখাবুস্ত্র মবুংনা পারা তঙনা তাকপি। ঙসি অয়ুক অসিদি কোন্দু মাঙলুবা মরম্না হৌজিক ফাওবদা হোটেল থোঙ হাংত্রি। অঙাং অহমসু পূম্না লাইরিক ঔরাইম্রিরি।

শান্তিকুমারনা হৌখিক্তি মুল কাহুনা মহৈ নিংথিনা তম্মি। মসি ইবোতোম্বা মাগী মতৌঙ্গদা মুংশিমবদগী শীন্নিবনি। মীনা মুংশিবা ফেরবনি মশুক মাঙ্গা পোক্কগী হেন্না মগুণ লৈবনি। অহুনা লমাগী মতৌঙ্গুদু খন্দুনো শান্তিবু ইবোতোম্না মপা লৈনা লৈনা হান্নগন নিংঙ্গি। অদুবু নোঙ্কচাউবশিংনদি "ফনা মূনা তৌহুনা চৈহ মশিং মুথাক্তবনু মুখাক্তি অতুম মশেংলিদনা!" হায়রিনরি। অদুগা মাবু কনাগুম্বনম্ব শান্তিগী মপানি হায়রিবরি। তৌববুদি মহু অখঙবনা হায়রবা হৌনদবা য়াদ্রিনি। মানা কুলগী মতমদমক কাইখোল্লগা অতৈ মতমদি ইবোতোমগী থবক শূরি। অহুনা চনিম্ব হাইহাক্তং শংলিডৈসিদা ওরাঙ্গো কোন অমু-অকা শেং-দোক্লগা মাগী সাইরিক পারি। থবা পারগা বীরেম্না বোল লংহুনা শান্নসি হায়রকপদগী তোকখ্রে। অস্মুন্না শান্নবদা শান্তিনা লংলকপদা চন্দ্রলেখাগী কলমদা পাবদগী 'মূনা' ইগে তৌবদা 'ল' ইবা হৌগংলকপদা 'হু' য়োমদা নকশিনখ্রে। মখোয়না মীনা তৌনরিবদ্দি থগত্রি। অদুবু অঙাঙ্গী মগুণ ঙাক্লিবনি মখোয়স্মু। ঙ্গাইদগী অঙাং ওইরিবী চন্দ্রলেখানা অঙাং ওইবগী অশেংবহু উহুনা কপ্লিং কপ্লিং তৌরক্লে। মবুংনা "এ। এ। কপচেংশীদি কপকদোরে!!" ফাগি তৌবিবদগী চাননা কপ-খোকখ্রে। শান্তিকুমার কিরে। সথীনা মখোয়দা লাঙদনবা হাক্লরম্মী। অদুবু চুম্না লাঙবদ নত্তনা কপ্পনা য়াওরক্লে। মতম অসি মপান্দদি তুমিন তুমিন লৈনরি। শান্তিবু করি দত্তি পীহুনা তাস্নোকখিসিগে হায়না ইবোতোম্না থল্লি। মাদি অচুম্বগী

চৈরাক চপ চানা মংবা য়াত্রিবা অতাংনি হায়না খল্লি। মাঙলা থরনি। থম্না ফু-চৈহ্না তাম্বোকখিবা হায়রবসি অতৈগী অনিংবনি। অদুগা থরনদি য়াম্না থীনা লাকখিদে। অদুবু, অতাংদুগী মুক্কী অরুমশিংগী ওইরিবা মওংদু থম্মুরগা থোইনা ফ্‌-চৈবা তৌররোই থনথ্‌মাসে! মাবু লাকুবা মাগী মুপী সখীদা হায়খিবলগী, চন্দ্রলেখানা কপখিবলগী কিহুনা লৈরিবা শান্তিকুমারনা হেন্না কিনা থোরক্লবদা অসিরুমক হায়দুনা চংনবা তৌহনখি, "নং ঐগীদা লৈবা য়াররোই, শান্তি! হৌজিকমক চংথো।" হিংনা থিক্ত য়েংবদা মমায় ছং ছং লৈদুনা থাগুবদু চংনবা তৌরে।

চন্দ্রলেখাসু থোইনা কপকথী নত্তে। খাইদগী হেন্না লান্দনা কক্লনা ইরকপত্তুদা নম্বর য়াম্না পীগনি হায়না মখোয়গী ওবানা হায়রখি। অদুগা চেম্ন লোইবা মতাং থোক্লে। অদুনা তাঙ্গা অক্লদা শোয়হনবদু ফুংতাইতদুনা পেনিং পেনিং তৌরিবেদা মবুংনসু লণ্ডনবিবন্দগী চাননা কপখিবনি। শান্তিদি মানা কপখিবদুগীদা খল্লুনা লৈরুবনা ইবোতোন্না মাবু তাথদো অতৈ মরমগীনি হায়না থনখিরে। তৌবসু মাবু ময়াম মমাগুদা পুথোক্ত্‌না অমুক হংনিংবা তৌখিরে। অদুগা, অসুম অসুম থম্মুরগা তাম্বোকখি-বদুসু মীনা পেন্নবগীদমক্তা ওইনা থোকরে। মশাগীদি থোইনা তোংঅদে হায়না খল্লি। মরমদি, চিংনবনা মাবু ওমরে। অদু ওইরবসু তাম্বোকপ্রবনি। শান্তি চংরে। অসুম লাকপদা মাবু থগুবশিংনা লম্বীদা "নংবু কোন্দূ লৌগে তৌরুবা তশেংত্রা?" হায়না থামখি। "করিনো কোন হায়রব্‌? পুথম অমা মাখি

হায়রক্লুরা? খঙদে, মী ময়াম পুল্লা লৈহৌই," খুন্নগা য়োনবা চংলে।

মিংচৎ থীবগী খোঙচৎ য়াঙবনি। "অহু য়ৌনা নুংলবহুদবু হূরাঘগী থবক তৌরমদবা হৌনদেদা! মমানহুম ঈনশীল্লমগনি!" ঙাঙনল্লে। ময়ুম য়োরগা মমাদা মাবু তাম্বোরকপগী মরমহু শেংনা ভম্বা ঙমদবনা মতম থরদি মেমচৌবী ঙক্লা লৈখি। অহবু থুংলদবা য়াদবা পাপ্ত ওইবনা হুরিঙুদা অহুম মথাখি। মসিগুম্বসি খোক্লবা য়াই হায়বসি হান্নদগী উরবনি। মরমদি ইবোতোনগীদা মখোয়বু য়াম্না য়েংথিবা মী খয়া য়াওরি। অহুবু মহুনা মচাবু হূরাম্বা নত্তে হায়বদি পেল্লরোইদবা হাকরি। অশোমদা গম্ভীনীখোয়দি য়াম্না হরাওমবগুম তৌরি। কুঞ্জমণিনা "ইমা, শান্তিদি পুথম হূরাল্লগী হায়না তাম্বোরক্রে হায়দো!" তমখি। "মাগুম্বীগী মচানবুদি হূরান্দ-দ্রিকো! পেল্লেদা! নিঙবা থুংলেদো! অমুক্তং অহুগুম্বহু খোক-হল্লিবনি!" হরাউখি। মেমচৌবীগী মমাদি "ইগুবু মাঙহন্দুনা ঐখোয়গী ইমায় থীনবা মচীন মনাওনা শীম্বা ওইরমগনিদা!" খাজখি। খঙদবা মীনদি মচান মনাওহু মশক খঙত্রি।

বীরেনগী মমাদি শান্তিকুমারবু তুঙ্গী বাখল কাওবা তৌনা থমলুবনি। মচানুপী চন্দ্রলেখাগা মাগা লৈমিন্নবা খোক্লবদি য়াম্না কগনি হায়না লৈজক্কই। মসিগুম্বসি অঙকপদি নত্তে। অমরোমদসু শান্তিকুমারদি শক্তা, লমচত্তা অহুগা মরম ওকপদা মীনা হায় নমিথনি। অহুনদি মুংঙাইবা অমসুং মধুচন্দ্রনা খাদোকপীরবসু

শান্তিসি মতিক মগুণ কাবক লৈবা মুপা অমাদ ওইগদৌরি। মুরাবা ফাবা অমসুং দগি তৌরদা মীনা পেন্নবনি। সখীদদি শান্তিমুবারু তাম্মোকখিবদা অহুগুম্বা মুংঙাইবকু খুললখিদে।

---

(৫) অমম্বা কোকপা

মধুচন্দ্রবু মীনা কাউনখ্রে। কনাগুম্বগী থম্মোই মিংশেন্দা মাগী মমি তাখিদ্রে। হৈনম লৈনম চূরবা পুক্রিং থুক্লিংঙাই ওইরবা মেওনা পাঙ্গন্নবা মালংবনম্ভু মাগী পগুথরবা থম্মোইদিবু শিংহন্দুনা মরু খিওহনা ওমখিদ্রে। মৈমচৌবীনা লৈরিঙৈদদি থাবলগ্ করবা অহিঙ্গী নিংথিবা, কুমগী হরাউ-কুম্মৈগী মুংঙাইবা অত্নুগা মরুপ মপাঙ্গী করেন্নবা ন্নাহৈনা মাবু মরক মরাক্তা অকা-মপুন্নবদগী থাদোকপিরম্মী। হৌজিক্তি মাগী পুক্রিং ছুকচাং অনিরুক মীওম্বী মাগী খুদুমদা লৈগ্রে। গম্ভীনীনা মাবু অকৌবা পুন্সি অমা পীদুনা মী খ্বাইগা মান্নদবা মুপা অমা ওইহন্নে। করিগুম্বদা মপুক্লিংনা লম হেন্দুনা কোয়চৎ চৎহুরবম্ভু মুংঙাইবা পুন্সিদকপা ওমদুনা মশাবু য়াংহন্দে। কোম্মোংদ লাৱদা "কদাইদা চত্তোরিবনো?" হায়রবা অঙাংদা থাগদবা খোম্মা মখোঙ্গ পুন্সি। অত্নুগা ন্নারজদবা মচা মুপা কুঞ্জমণিবুদি কাও থাবগুম থাদোক্লি। মপুন্সি মাওনবগী মশক ওইরবা থবক কয়াদা চঙহল্লি। মু থকপা, ফুরিংথাউদা থাং হাপ্পা অমসুং খুরবা খোঙ্গাউ উপুনা থবাক

কুপাম থাদোক্লনা ওকখৎ মচা, পান্দুনা লমী খঙ্লা চৎলগা মীগী মিৎয়েং কেম্না, মী খুদিংবু খৎনবা হৌরিবা মচাসুদি মাসা হেন্না হেন্না ওকহল্লি। লাইরিক তম্বা কাওরকপীশিংবু অমোংপা য়াহৈনা লওনবি। ওবাশিংব মাগী য়েক্ববা ওইনা খঙদনা মরমচং পুঙমাঙ মাঙলবনি। য়ুমদগী পুথিবা পৈশা স্কুল য়োবা লৈতে। স্কুল কাবনি হায়না চৎলগা লম্কে চত্তুনা লৈথোকই। পুন্নমক-সিগী মহৈ ওইনা পরিক্ষা য়াওবা য়াত্রগা মাবু তম্বিরিবশিংবু ইকাই খুম্নদে। জামিনীসু মমামক ওইগদৌরি। মধুচন্দ্রনা মচাশিংবু মমাগী মপুক্কিং খঙদনা য়ারকপা মতিক নত্তে। মমাগী লম্বীদগী কুঞ্জমণিবু চিংথোকপা ওম্নবদি মচন মুপীসু অহুম মইঙরকদবনি। ওম্নরোই! পোকচবা মচা ফাওবা য়ারকপা ওমদ্রে। য়াম্না য়ারে। শাদাম্বগী তেম্বান কিন্না তুশোল্লকা শক্তিনা মাঙ্গী লাংদা হোৎচিনগুম মাসু তুংহন খোঙথাং থাংজদনা থুদোংথীবনা থম্লবা লম্বীদা মাগী পুন্সি লোইকম তাল্লক্লি। পুন্সিগী মুংথিল ওইরবা অহন হায়বত্থু মাগীসু থুংলরনি। মাগী অম্বুকী পুন্সিদি নিংথিজবা হৈয়াংবু তমথিরবা তীম্না চিকথত্তুনা কেলহুববগুম মাঙম্রবনি। মিচুংশি খঙত্রবা মতম্বু কনানা হম্না লাকহনগনি? হৌত্রে পুন্সি। মীওইবনা পুঙমত্রবা অম্নাবনা মাবু থাদোক্তে। থোঞ্জাল হৈবা মঙোন্দা চঙজবা নত্তনা মাগী অম্নাববু কনাদা খঙদোকনি? অমরোমদসু, মশানা য়ানা নংলুবা অম্নাবা ওইবনা মানসু তম্নাই তম্নাইনদি শিখিবা ওম্নরোই। অহুনা মা থরদি অসুম য়াবদা তারে।

[illegible] মমা মচাবু মচুচন্নবা হেক হেক [illegible]। [illegible] মরম্ভা মখোয়গী মতেং পাংবিন্নবই। মতম্মতুবা মাদি গভীনীনদি লৌপান্ন পুন্না কৌবাল লানবছনা চগবা [illegible] শামৌচ্ছবনি। [illegible] মাবু পুন্না লীশাংন্থু। চথোকচন্ন ঘবনা লোইখি। শান্তিকুমারগী শিংচং থীখবু গভীনীনা শন্দোকখি। মছনা মাদি য়েক্কবগী মখুং চন্নবনা ভমথিবা মীহাং ভাইছনা ভৌনা থোয়দো শীকপা কম্মেবা য়াহে ভাছনা লৈবক্কুবই। মপাম্মদা মাদি হুপীদি শিবা য়ানা শোনখ্রে। থাখিবা হিদাক লাংথক পুন্না অরেম্বা ওইহ্রে। নারবা থঙ্গাররবু করিনা লায়য়েংগনি? মচানা মীনা খোকবা থবক ভৌরবছুদগী য়ায়া শোন্ত্রিনখ্রবনি। হিংলবা মতেং পীরবা মীনম্নু হন্না য়েংবিখিদ্রে। মচাবু মীনা য়াম্নিইভৈদদি মীখা ফনা নোক্কছনবু মখুক শেংবা ইবোভৌম্মাং, মচুচন্নবনা গভীনীগী কৈরুম শঙ্গা লৈম্মিইভৈদা, মাবু পীবা য়াবা মতেং পীরগী। উত্তাংবীমক ওইরবম্নু লৈশাং নিংথিমা ভবী ওইরগী। অছুবু শাপ্নিন্নয়ম্রে। শিবা নত্তনা কম্নি লৈরি? মমা হম্নবীছদি মচাগী মভৌছদা ফনছম কনথংগ্রে! মৌ অনৌবীগী থাক্তা লৈখ্রে।

মীনদি মিন্নুংশি থঙবনি হায়নম্নিবা ইবোভৌম্পুন্নু মেমচৌবীনা অসি য়েনা শোম্নবকাওবদা হংবা কাওবা লাকখিদ্রে। [illegible]-চৈনখিবম্নু মত্তে! মানা হৌজিক কাওবা শাস্তিবু য়েম্নবা ওইনা থম্লিত্রা? অনাবা হংবা লাকপদি য়াবনি। মাম্নু মিন্নুংশি থঙবা শাছনা লৈরম্বা ওইবা তাই। অঙাংছবু ময়াম মমাঙদা পুখোক্তুনা

বিচার কাওবা তৌবিজিবানি। থওলে, থাহু তৌশিন্নবনি। অমা-
বহ উনা ভুমা মা অহুম য়েংহুনা লৈথোক্লবনি। অহুমু কনানা
য়াকংকদি? থত্তি তৌগনবা মধুচন্দ্রবু দি পুকচেল থোরক্লেল
কবী অমসুং থাওবা কবী শাহুনা থাদোক্লি। মশানা থওজরকপা
ভাইহন্নিত্রা? চকনা শাবা মধুচন্দ্রনা ভেবাংখিবা ওম্বদি লৈরগোই।
মপুক্কিংদা মথোয়বু চুংশিজবা অহু কাওবা চুপী অতোম্বীবু উবদা
তনিক তনিক থাতলিবনি। তৌবদি শান্তিকুমারসু হন্নক্তা থবক
অমা তৌরে। মহুমা কন্নিহু ওইবদি নত্তে। অহুবু মকায়ে।
মহাক অসি মী য়াম্না লৈবা ইমুংদদি অভাং হায়রবহুনি। অহুগা
মাগী ইমুংদদি পাম্বং মচাগী থাক য়েরে। মীবু হুনগবা মীওই-
শিংনা পান্নবা থবক্তি কংত্রি। ইমুঙ্গী পোচ্চে লোইশিন্নকপনা
মাব্‌ অফংবা থবক্তনা থাজিল্লি।

ছাত্রশিংনা স্কুল কানরকপা মতমদা মমায় লুক্কা মথুক্তা
অচৌবা পাত্র অমা পান্নহুনা থুপা মচা অমা চিন্নবা লম্বীগী
চিদাইদা হেক হেক চংলি। মরক মরক্তা নোং নংই। শান্তিনসু
অমুক্তা পুদে। "মসিব্‌ কনাগী অভাংনো? শান্তিন অমা য়াও-
রবদি ফগদবা! চংপদি লেপ্তে", মীনা হায়নৈ। শান্তিন্দি
লৈরগা পুবা তন্দুনা পুক্লদবা ত্তইরে! ওসিদি পুহুনা চংলি।
অহুবু নোং তারফাওবা থন্দোক্তে। করিগীনো? চোংশিন্নক্লবদা
থন্দোকত্রে। ইহে! য়াম্না শেগায়রবা জাংনিজনা! নোংদি থক্ত্র-
হুনা মমায় থনত্রে। অম্রুম্না চংলিডৈদা চুংশা অমুক শাদোয়ক্রে!
অসিগুম্বা মতমদা অনাম্বা শোরোকী করিগুম্বা মকমদা থগয়াম্না

মোংহন্বদগী নাতোম্না মুংঙাইতবা মনম্ কাওই। মখোঙ চাদবা থম্না পৌক্লিবা অঙাংশিংনা ইকাইনা, চৎল্লিবহুগী মনাক হেক য়োবমক্তদা মুংশিবা মনমন হেক ফংবগা "নমখিজেদা মনমসিদি! শঙ্গোম য়োনত্রা কৈনো অসিগী মনম্না?" অমনা ঙাখি। থম্না লোশিং তাবা অমনা "হে! অসিবু অহুগুম্বগী মনম্না? তুমিন লৈয়ু! বম্না মোংহল্লম্লিবসি উত্রা?" খুমখি। হেম্না ইকাইবনা মখোঙ থাংবা ঙমখিত্রবনি মুপা মচাহু। তোবদি, নোং অমুক চুবা, মুংশা অমুক শাবদা লৈমায়দগী কাথংলকপা মনমসি কয়াদি পাম্নদবনি। অহুগা শামোকশিংনা হেম্না থুনামহল্লবা মফমদগী কারকপা অহুনা হেম্না য়াক্লিবনি। মুপামচাহুনা থম্না অমুক চংলগা "শান্তি নংদি হল্লত্রা?" মঙোন্দগী থম্না হেম্না চাওবা অমনা হঙ্খি। য়েংথোকখিবদা ময়াম্বগুম তিম্নরম্বা বীরেন ওইরম্মী। শোম্থাংননা "হয়ে" খুমখি। "নংদি ঐখোয়দা লাক্রুরোইদ্রা?" অমুক মথা তাখি। হাম্নদগী হেম্না কন্দনা "উন, লাক্রুরোই" খুম্নমগা অহুম কম্না চংশ্রবদা "মসিবু শঙ্গোম অমুক য়োনশ্রত্রা?" বীরেন্দা চৎমিম্নরিবনা হঙ্খি। "হোয়নে, মরুপ! মমাম্ভ য়াম্না কম্না নারি হায়। পাবখোয়ম্বু চংপা ঙমদহুনা লৈরি; ওম্থোক্লা মুংঙাইখিদ্রে!" মরুপ্ন খঙহনখি। ময়ুম য়োরগা মনাদা লোই-না তমখি। স্কুল কাহম্বা ঙমদনা শঙ্গোম য়োম্বগী থবক তোহ-ল্লিবহুবু য়াম্না নোক্নরমগনি হায়না থনখি। অহুগা অম্ভুম থম্বরুরগা মখোয়দা লাক্রুরোইদ্রা হায়রম্বহু মখোয়বু নোক্নরিবনি হায়নম্বু নিঙ্খি।

তুমিং মিনি হুমি কয়া লাক্লকপবা মতুংদা ওসিদি শাক্তিনী মমাড় হৌগতুনা কখা ওয়ে। হোৌবা নাইবা খাগী অমাবলি। মী লরমা ফখোমনী ভু-বা মোম্‌লো অকখা মাইকো অমা থিংলো খরা কাংঅকইডেহল কববা মেরেহৌনিঙলি। তুমখিন ওইয়ে। মোজাল মোতুনা মী খরনা ওমিমক লাককবা মাইবা অমা ওইরমি। মেমচৌবীগী মতুম থক্তবা মাইথনি। থাঙ্ক্লা মিল্লা অমা লাক্লি। মতুংদা মী অমা তোঙলি। তুপাগী মতৌ থাম্লি। হায়রিবা মাইবতু ওইবা ভারে। অথুম মকপিরুক্তুনা মেমচৌবী-খোয়গী কোমহোং মোযরে। হাইজিনরে। নৈরম্নিবশিংহুনা তোংজিবহুবু খঙবগুমশু তৌই। অদুবু কোৎথদ ওমখিন্রে। খঙ-হৌদনা রিল্লাড় মেমচৌবীখোয়গী ওযাঙ য়ৌধে। হয়াঙিনরে। ইমুংদা মী খরদি লৈ। মপান্দদি অমতা উ'দে। তুপাহুনা য়াম্না য়ানা কুমখয়না চৈঙগী মতেংমা মখোঙ শেক্লা শেক্লা মাঙ্গোল কাখতুনা ইমুং য়োৎখ্রে। নৈরম্নিবশিংহুনা মাবু "লেভশিখিরকউ," মাইবনি থম্না ওকখি। ওমত্রিবীহুস্ হয়াঙনা "য়াম্না খোরাংনা ভাইজরম্নিবনি, ফরেদা! ফিদারোমদা অমুক্তা," হায়না মুম্না য়েংদনা ময়াম্না হায়নবহুদা মযোল খোকখি। "ইতৈমা, ঐনিনে! ঐবুদি খোরাংমা ভাইয়ম্লোই। ওসি মঙা তকক্লি তুয়ে ঐনা মসি য়োৌগে থল্লকপা। ওসিদি ঐগী নিঙবা পুংলে! অদুবু ইতৈমনা চাখিয়োইত্রা?" চঙলক্লিবহুনা নোকখি। থারিবা ফি-দাদা ফমদনা লৈবাক্তা য়ানা ফমথয়গা য়া ভাঙলিবহুদা য়েংহুনা লৈরবী মেমচৌবীনা মশক থঙলকপদগী "হৈমা!! ইবুংঙো!

করিনো? ... করি তোরবগে, ইমাওনা ওসি ঐতোন্দা য়াম্না তেন্নবগুম তান্নবিসিবু ?" হাওলিবা রাগী মক খঙনিংখি। "ঐতোন্দগী হেন্না তোঙা লৈরম্লোই, ইতৈমা! অসিনি হাদু লীক্লগে তাবিয়ো—নচা ইবুংঙো শান্তিকুমারদি মরাল লৈতদবা অমকপা লৈত্রবা অঙাংনি। ইতৈমা গম্ভীনীগী মচে লমচৎ থীবী ইতৈমা কেন্তুকীনা মনাও সুপীমকী মমা লৌহুনা নখোয়বু মাঙনবা শীঙা ওইরম্লে। হান্না মাখিবসু মানা লৌরম্লে। মানা নুধাগী অঙাং অমদা মখুংমক্তা নচাগী মোম্পাক মথাদা থমখিবা কোন্দু তাক্কুনা লৌখোকহনবা ওইরম্লে। হুরাঙী ওইনা হিংবংহুনা পেন্ত্রহুনা মীবুসু মাঙনবা শীল্লম্মী! সখীনা হৌখিবা মুমিৎ মঙা তরুক্নিসিগী মমুংদা মাবু মতিক চানা কারগা তান্নোক্লবা হোৎনক্লবদগী শোমদা অনাবা হংবা কাওবা লাকপা ওমখিদে। ঐসু খোঙসি রা য়াম্বদা রানা খিন্দুনা কুইনা কুন্নুরে। মাবু হুরাঙীনি হায়বদি থঙবা কুইরবনি। অতুদগী মাবু লুম্নকপনি। ঙসিদি তম্নিংলবা পাউসি পুহুনা লাম্লে হায়জররি! ইবোতোন ঐবু কখিররোইদ্রা ইতৈমনা?" অসি হায়না তরং লাইজ শিম্খি।

মচাবু মিংচৎ মাঙহল্লবহু মশক থঙবদগী অহুগা ইবোতোম্না মানা কম্না নারিভৈদা লাকপা ঙমখিদবগী মরমসু খঙলহুনা নোকপনা ফোংদোকপা ঙমত্রবা মুংঙাইবা পুক্নিং তুজুংনা পিরাং ঈরিক শিন্থনা উংগ্রে, "ইনাও ইবুংঙো করিগীদমক অহু য়োনা থম্বগে? অকা অকুম নাইবা মীওইবা ঐখোয়গী পুক্নিনি। ইনাওগী পুক্নিংদা লৈরম্বা মহু চাউবা মুংনাংবহু মিংসু লাইজ

ঈরানা হয়া হয়া থাদোখ্রে। ঐগীস্থ রাম্রোবা নৈত্রে। মসিনা অম্মুম পেখা ওইরো, ইবুংঙো!" শাশিন্নদবা হরাউনা উন্নবদা মথা অমুক তারকই, "অঙাংসিবু অমুক ঐগীদা হয়েংগী বীরেন্না তৌরিবা শেল-থুম পাথোক পাশিনগী থবকসি তৌহল্লসি। মসিমস্থু য়াবিরো।" মেমচৌবী হেন্না পেনখ্রে। 'য়াবিরো' হায়্ন-বসি মাগী কায়ক্লন্নবা থম্মোইবু নিংথিনা লায়য়েংনবগীদমক্তা থাথিবনি। য়েক্লবা নৈত্রবা মফমদা চেন্না ফবা, চহিবু ইকাই-খুম্নগদবা থবক অমা পীহনা মচাবু থমগদৌরে হায়বসি থম্বদা ভস্বা থোক্তবা মুংঙাইবনা মেমচৌবাগী ভুঙ্গী রাখল ময়োল থুনা চোংহনখ্রে। মমা হন্নুবীহস্থ মানা মমাঙৈঙদা হায়খিবা রাহু চুম্নবহুদা পেন্না পেন্না কেতুকী অমস্থং গম্ভীনীবু চৈরি। অমস্থ অমস্থ পেন্নরে। নৈরম্বশিংহস্থ মুংঙাইবা রারী তাথি। অতে রারী শাহনা নৈনরিঙৈদা মাইবহুস্থ লাক্রে। বীরেন্না ইবোতোনবু লৌবা লাক্রে। মমাগী হিদাক নৈবা চংলুবা শাস্তিকুমারস্থ থুংলরে। মাবু উবদা ইবোতোম্না নৌনা রারী অমুক নীরগা কোন্নুনা কপখি।

ওম্মোকপা মাইবা অমা লাক্লমহনা মেমচৌবীগী থম্মোইগী লায়না কোকহল্লয়ে। মচাম্নুপা শাস্তিকুমারদা মশামক্তা হায়নিং-দবা রা থরা মমাম্নবশিংবু হায়হনখি। মানা পাথং হায়বহু ফায়ক্লগা লম ঙাম্না হৌরক্লিবা চন্দ্রলেখাদা নত্তবা মিংয়েং অমস্থং রাঙাংনা মচল ওইবগী রাখল থুগাইহনা অরাম্বা তৌদনবা হায়খি-বনি। শাবী শানৌমী তমদনা হৈনবা মুংশিনবগী মহৈবু মানা য়াম্না কিজবনি।

---

(৩) থাগী কাংবু

নোংজু থাগী অতিয়ানি। নোংদি চুপ্রি। হৌজিক হোয়েন তারক্কদবস্তু মান্দে। নোংমা নিনি গুমক্কে নোংজু ইশৈ তাখি-দবা। অসিগুম্বা মতমসিদা শীংহুনা লৈরক্লবা গুমাঙ লিলা অমা মথি কোংলি। ঙসি মানা নিঙ্গনা য়াম্না ঈয়াং পাম্বা মী থক্লু নৌনা হাহল্লি। মতম থরগী মমাংদা শীজিন্নখিবা ফিজেৎ লৈজেং ঙসি অমুক ওম্বা তারি। নোক-খেবদা শেনয়াম তিংবগী অকিবা লৈতবসি তোকপ্পমান্নে হায়না খল্লুবনি। থিগৎলুম্নগা শকক্য ওন্নবা চক্কু উয়ানগী অন্নাবা অহুস্নু থঙবদি কৈ হায়বদনি। হয়াউ কুম্মৈ ইয়াও য়্যাওদনা অমম্নুং নোক-খেবা ইফং ফংদনা হিক্কদবা মীওইবদি নত্তে। তোবদাদি থবকী পুন্সিদা মথোয়না পীবা মুংঙাইবনা অন্নাবা হন্দোকহন্সি থম্মবনি। ফরে, লম্বী-য়োমদা লাঙলিবসি লিলা হৌদ্রিঙৈদা অমুক্তং য়েংখিসি।

চহি মথন মথনগী মীওইশিংনা ইনিন নিম্নি। কৈথেল কুম্নরকপস্নু য়াওরি। মুপীনা কৈথেল কাবা পামজদবশিংনা মশা মশানা চত্তুনা ইমুঙ্গী মুংঙাইনবা শীন্নুরি। হাথন্সি চেন্দবা থরনদি মীগী লমচং মাঙহম্নবা হোংনরি। মুপা মুপী মথেন গুরে। য়ুম্নুরেনশিঙ্গী মরক্তা লৈরাং থম্বাল মান্নবী মুংশি ঈপাক্তা পম্নুংফম থঙজ্রিবী কয়াম্নু য়াওরি। ময়ামক্কী মম্মাংদা লৈমন চন্নবীরা নত্রগা লৌনম্বা খোইম্নুনা মোইথেম লাংথ্য পুহম্নিজবীরা— লৈশক থঙদনী অমস্নু উই। মাবু থাজনা লৈচিল ফিরুক

হাংদোক্না লৈরাং থরোব্ উহন্দনা মরক মরক্তা লঙনরকই। মাগী ক্যাংবুক্তুগী ভুংদা চহি নিফুরোম শুরবা পাখং অনিস্থু পাখং মমা খাদোক্লিংদনা মাবু য়াম্না খঙনিংনা ইন্নরি। লৈরাং থরোগী মথংদোন, অহিং নোংথক লৈক্লেংবা থাক মানা পাখং মপা অনিহুনী মনিঙ থুংহন্নিংলহনা ওন্নবা লম্বী থম্না লাকপা গাড়ীগী থাংখৈদা। “অনিসিদা শককখঙদবীস্সিবু অমুক্তা তাকপিয়ু,” হায়রম্লগা অথাবা লৈচিল মরুমদা চঙখ্রে। ভসাইদগী ফিয়োদবী মাগী খোঙ খুংকী শরুক্তা কুচু হাইফেং তাকঞ্রবীতুগী ঈরাং মপুঙ কাররে। ভাওরবা শাকক্তা মাগী মিং থক্লিংওাই ওইবী ফিজেংনা অউবশিংদা শককমদি তাকপা হোৎখ্রে। কুচুগী হায়রুরবদি ভৌই হায়বদা থোইনা য়েংননিংঙাই লৈরোই। মুমিদাং ওইবনা নম্বে। ভশেংনা ভৌই। অদুবু, ফিজেংনদি মাবু খাদোক্লিংলে। থরনা পেন্নদে, “অসিগুম্বীসিনা মুমিদাং কৈথেল কাহনা করিব লৈরি বনো? অয়ুক মুংথিন্দি খক চত্তে। মখোয়সি ইকাইবা রাংমা লাম্নবনিদা!” পাখং শাবা অনিহুস্থু মসি খনখি। অদুব, মখোয়-নিগী মমুংদা অমদি মাগী মরমদা লোইনা খঙনিংবদগী রারী শানা শানা চংলিবীশিংহুগী মকুংদা মাগী মরুপ্ গুহুনা চংলি। মখোয়নিহু অস্থুম তুমিন্না চংলম্বদগী অমনা “পিশক এগা মণি নংগা চংমিন্নহনা মী অমা থিরকপসি কুইরেদা! অহুগা, ভসিগী-সিমদি অঙাং নত্রে। ফনা লিনা উরে! মসি মশক খঙনবা হোংনররসিদনা? পিশক ঐনা হায়র্বসি য়ারোকো হঞ্জিন হঞ্জিন পাখং ওইবা!” মাগী মরুপ মণিদা হায়খি। মুপা অনিসি

মমাউঙ্গদা ময়াম্না খেংনবিগ্ৰবা মণি অমসুং পিশক অনি অহুনি। পিশকী মাসি তারগা মণিনা মখা তাখি, "মসিবু কেতুকীগী মচা মুপী মাধবীহু নত্ৰনে? মাল্লিদা! মনাক্তা চৎলিবী অশিনা মমা ওইরম্বা য়াইকো! মুমিদাং ওইখনে অহুগা মীনা নিংবনে মথোয়গী মশক খঙবা য়ানা থোক্লে। মসি মাধবী হায়বীহু ওইরম্বা তাইদা!" মথোয় অনিহু মারী মখা তানা শাহুনা ইমরকই।

পিশক— অহুকাওবদি লেপ্পা ঙমদ্রি। অহুবু মাম্বদি মাল্লি। মহু ওইরগা……?

মণি— কিসিরা হায়বনি। কিঙমসিরা?

পিশক— অশেংবহু হান্না খঙলোকখিসি। অহুগা কিবু কিরবসু, তুকপু তুকচরবসু……কো?

মণি— ফরে, লিক্লি-চকু থুগাইগম্বীরা, মুংখিল তূম্বা পাম্বীরা, লৈকাই কোয়না মারী শূগম্বীরা, ঈয়াং পুবীরা নত্ৰগা য়ুমগোইবীরা হায়বহু হান্না য়েংখোকপা তারে।

পিশক— মসিদি অকোম্বগীহুদি ওইররোই, মণি। ঈয়াং পুবী মাল্লি। অহুগা মসিনা মাধবীমক ওইরম্নবদি সঙ্গদি……!

মণি— কুঞ্জমণিগী মবাই ওইদৌরিবনিদনা! কৈদৌনা লেপ্লোই? তৌবদি, চৎনা চৎনা শিদনবা হায়বিগনি! লম য়াম্না হেল্লগা শোরাত অনি! কৈদৌনি?

পিশক— অহুগা মসিনা থাইনরক্লিবী য়ুমগী মৌ ওইরম্নবদি……?

মণি— অস্থুয়া মুমিদাংদা য়ুমগী মৌনা. কিজেং লৈতেংদা তাউ-
ফুনা হায়নবীশিঙ্গী মত্তৌ তম্বসি তৌহনগদু—হায়বিগনি।
পিশক— অছুদি, খাইনবিরক্লবী মাধবী ওইরবস্থু অতোপ্পগী ওই-
রবস্থু ময়ুমদি খঙবদা তারেনে? মপু ওইবা নত্রগা পাউ-
তাক পীবা—অমদি শোয়ক্রে!

অস্থুম তৌনা ইম্নরকপা মখোয়নিনা শকখঙদবীত্থবু
খঙক্রে। লৈরক অমা অনিদা হাইক্তিন্নহৌবীশিংনা মাবু
মাধবীনি হায়না তাকক্রে। অমা অতুনা মমা কেতুকী
ওইরম্রে। ওসাইমখৈ মণি অমস্থুং পিশকা মুপীশিংহুগা রা
অমতা ওাংনরক্তি। মখোয়নিদা ওায়রবা মতমহুদা লম্বী
চংনা চৎমা ম্নারী হৌনিখি। অত্থবু কেতুকী মমা মচানি
হায়বহু খঙবদগী অমুক খম্বরুবদা তম্তক তৌখি। অতুবু
তম্রিক তম্বদি নস্তবনা অরিবা অরিবীশিংহু ম্নারী শুক্রে।
পিশক— ইন্দোনখোয়বু কদাই য়ৌক্বিগদৌরিবনো?
কেতুকী— ও ইবুংঙোখোয়, ময়ৌরকএ; ইবুংঙো অনিদি কয়া
ম্নাংলি?
মণি— থুংকম খঙক্রিয়ে ইন্দোন! মিঙ্গৌ ওম্নরক্রা, করিনো?
কেতুকী— হোয়!. ইন্দোনবুদি ইনেনা খরা. ফৈদো!
পিশক— খাইদগী ফবদি......।
মণি— মকম খঙক্রিনে!
মাধবী— হংবিরক্লবদি তাকচগে হায়ববু!
পিশক— পোম্বীরা চেক্লারা খুম্বিরকইসিবু?

কেতুকী— পোম্বী ওইরুই, হৌজিক্তি......।

মণি— পাইখোরক্লে। অত্তুবু, শোয়দনা অমগী অমুক......।

মাধবী— অফবা অহাঙবা পোন লৈরবদি হৌজিকসু কনা লৈজরবী ঐগী ওইজগে!

পিশক— ঐখোয়গী মরুপসিদি চাকপুদি থবক্লা হেন্নবি......

য়ারগনি খঙ্গরিয়ে!

কেতুকী— য়ারে! য়ারে! মমসু খথিবনা করগনি। য়ৌনবা থিম্বিরো।

মাধবী— হোরেল হনখিবদা চাক হাপ্লবদনা ন্না থোক্লগনিকো! ঐদি লেপচরে।

মণি— ইহে! থাজবিব্রিদো! ঐগী ইরাইবক থীবমা চেং লৈরবসু চরাদি মরক মরক্তা হেন্নবনি! অসুম্মা লৈরকপসি কুইরেদা!

মাধবী— হায়বিরিবত্তুনা অশেংবা ওইরবদি......।

পিশক— চরা হেন্দনবা ভত্তনা চাকশঙ মৈহৌবিবরো।

মাধবীসি মাগীদি ওইবা য়ারগনি খন্দুনা মণিনা "কাগিদা অওইবা কয়াসু হায়নরে। ঙসিগী লিলাসি ইবেম্মসু মারবদি ......?" হায়বদা য়াম্না লেম্না মাধবীনা "ঐদি মুম্নিদাং কুম্মৈ য়েংবা চখোকচদে, ভাদা," খুমখি। য়াম্না লেম্না চৎনিংদবা উৎ-লকপত্তুদা ঙাইহাক্তি মতোমদা ইকাইজখি। অত্তুবু মাগীনি খঙ্গত্তুনা হেন্নহুম মুংঙাইখি। অসুম ভোনা লাকপদা লৈরক অমদগী চুমদবা শাজত্তা মরোল শুদনা মী অহুমথক থোরকই। অমদি য়াম্না থীনা হাইগ্রে। মমিংদা ওইনা অনিত্তুনা মাবু শেম্মরি।

মতমদু মী খরা লৈখি। খ্বাইদগী ভাওবতুনা মাঙ. থাজনা য়াম্না চঙশিন্নরুগা মখোয় মরিদা "সিনেমা য়েংলুবদি ফুংঙাইরা ? লিক্লাদি য়েংজোইরা ? য়েংশিদনা ?" লাউখি। মখোনগা মলমগা হেন্নসে! অনিহুক্ক মতেং পাংবগুম ভৌরি। মখোয়না কন্নিমতা খুম্মদনা হেন্দোকুনা চৎকে হেক ভৌবদা "মানা হায়বা খুমজিরবা করি-গীনো ? সি উরা ? লাম্বিগে! পামদ্রা ?" লুচিংবতুনা মথা তাখি। মথুক্কগীতু থাং মাল্লি। থাবন্দা মশক হাইকেং উখি। মুপী অনিহুদি চুম্না কিরবদগী "চোম্না নংবা তারেদো!" খনঞ্জে। মতমসিমক্কদা পিশক্লা খভসতুনা "ইবুংঙো কুঞ্জমণি কল্লনে ঙাংই-বসিবু ? ভৌনু! ভৌনু! ইবুংঙোখোয়! ঐখোয়নি, খুরাখোয়নি!" খুমখি। মতুদা "কিরদনা থেম্লিরা ? শিংঙেদা! ঐগী মিং ভাবদা পাপচেম্বশিংদি থক থক নিক্করিবনি! ঐবু নখোয়না কল্লম্না খঙই ?" অমুক হংলি। কেতুকী মমা মচাবু কন্দগী মশি অমম্বুং পিশক অনিহু ৱা মথা তাখিজে। খরা হায়খি-বতুম্বু খল্লুরগা ইকাইরক্লে। খরা মী মাম্বা অনিহুনা শাওরবতুগী মলাকোংদা "হৈ! নমাবোকখোয় ওইরমাল্লেনে! চঙলসি লাকও," হাম্নতুনা চিংতুনা পুশিন্নবা হোৎনরি। "হেরা! হেরো য়াওরি, ইখোই খোইবা লোয়নরি! করি ভৌগনি ?" মথা অমুক তাখি। মমায়দি মখোয়দা অতুম ওনশিল্লি। মখোয়নিনা চিং-তুনা অম্বুম খরা খরা পুশিনখিবদা "নুংথংনা পোপ! য়াম্নবনা চগৎ! থায়নবনা চোগ! কিজ্রা ? চৎঞ্জো; ওসিদি থাদোক-পিরগে!" লাউখিবতু মী অভৈনম্বু তাখি। হায়নৈ "কুঞ্জমণি ওইখিনি!"

ইকাইবনা শোল্লবী কেতুকী অমসুং মাধবীবুময়ুম য়ৌনা থিঙ-দি শুংঙাইরোই খন্দুনা লৈহৌনিংলে। অদুবু কুঞ্জমণিগা মখোয়গা লৈনরিবা মরীদু খণ্ডলোই খন্দুনা কেতুকীনা "ইবুংঙোখোয়, য়ৌনবা থিঙ্খিরে। অসিগুম্বসি অমুক উনরবদি হন্দক্তি হিংলরোই।" হায়বদগী মখোয়নিসু য়ৌবা তাপ্রে। শাউদি শাউনিংঙ্গবনি! অদুব্ রা অমত্তা ঙাংঙমদনা মণি পিশকসু ময়ুম য়ৌগদোরে। কোম্বেংদগী হল্লগে তৌবদা কেতুকীদু মকোক ঙাওবনা চংপা ঙমদ্রে হায়না ফমথদ্রে। মখোয় অনিনা মমাব্ ময়ুম য়ৌনবা য়াম্না হঙ্গোইনা মাধবীগী মতুং ইন্দুনা পুশিল্লক্লে। মীনা নোঙ্-খিনি হায়না খম্বদগী রা ফাওবা নিংথিনা ঙাম্খিদ্রবী মমাব্ কিনা কিনা থিঙ্জিল্লকই। হেক য়ৌরকপগা চংলগে হেক তৌবদা "খুদোঙ ফানখো, তাদা অনিমক," মাধবীনা খামথি। খুরা ককা কৌবনা হেন্না পকচগনি। মসি হৌজিক্তা খঙলক্লে। অদুব্ মণিসু পাখংনি খন্দুনা হেন্না শুংঙাইথি। শোয়দ্রে ফরবসু ফত্রবসু মাধবী[illegible] ওইবা তারে হায়না খল্লরে।

মাঙ্গোন্দা ফমদুনা মমাবু থিঙ্জিল্লকপা অনিদু "অনাবা থিঙ্জিল্লকপনি হায়রগা লোইরে," খন্দুনা মাধবীনা হাল্লকপা হিদাক থক্লি। মখোয়নিনা মুপা নহা লৈতবা ইমুংদা চঙলকপদু য়াম্না হঙ্গোইজবনি। অদুব্, মমাব্ থিঙ্জিল্লকপনি; করিগীদমক মীনা পেল্লরোইদোরিবনো? মীনসু মখোয়নিব্ খঙলবনি। মণিদু হাম্নদগী হেন্না মাধবীব্ নিঙঙ্গে। মাগী ওইগদোরিবী মানা অতৈ কনাব্সু মাব্ লুমা তৌবগুম্না তৌরমোই খঙ্গদ্রি। লবীদা

ম্নারী শারকপদা মঙোন্দা মাধবীগী মথন্নায় কংখিবগুম ভৌগ্রবনি। মানা হিদাক্তু হাউনা চিংসিন্তৈদা ইমুংদা মমা মচা কন্না ন্নারী শাখিবগুম ভৌখি। করিনো? কুইনা হিপত্রবদি হৌগংপা ঙম্নরোই হায়না হিপ্নিবনি! ম্না ঙাংবা য়াদে হায়নস্মু নৈরিবনি! করি তানরিবনো? ঙকইঙৈসিদা মুপা অমস্মু শুমাঙ য়োনা চঙলক্লে। অশোমদা লিলাস্মু হৌগদৌরে। মুপাহুনা মাঙ্গোল কাখত্তুনা ইমুং চঙ্গে ভৌবদা মখোঙদগী খোঙউপ্তু লৌথোক্লিং-ত্রমাম্নে, মনিঙথোঙদা চংগ্রগা ঙাইহাক্কদা মাধবীবু শুমাঙ য়োনা পুথোরক্লগা লেম্নহুনা লিলা য়েংবা চংনবা হায়খি। মহু তাবদা ফম্নিবা অনিহু য়াম্না ঙকঞ্জে। হেম্না ঙকপদি মণিগীনি হায়না নৈরিবীহুনা "ফরে ফরে, ঐ থোরক্লগে, থোঙ্গান্দা নৈরম্নো," হায়বা থাদোক ম্নাসি হায়রম্নগা মফি অমুক হোংবা চঞ্চিবহুনি। উপু অমুক হাংখ্রে! মণিহু "করিনোনে ভৌরিসিবু! মঙলা ভাইবংলা?" শোন্দুনা নৈরম্বদগী ফুক হৌগংখ্রে! য়াম্না শাউঞ্জে! করি থোরুণনা! মম্নিং অনিহু শংদোক্তুনা মথা ক্রক চীক্তুনা মথুক্তগী ঙাম্বক্তু হাম্নদগী হেম্না চেংনা পায়বগা লঙ্গদবগী ফীবন তানা নৈখ্রে। থোঙপাক ভগ্নি। খুদোংথীবা য়াই খন্দুনা মাঙ্গোল ময়ায়মক্কদা লাঞ্জদবহু হাইহংখ্রে! অচাকপা ভিকি মচেং মচেংনা খোঙ থাফম নৈতবমথৈ মাঙ্গোন্দা চাইরিবহু ঙাম্বক শিবগী 'বোপ' হায়বা মথোম্না মমা মচাবু থোঙ অহোবদা য়েংহনখি। মমানা থোক্কে ভৌবদা মচানা খামখি, "ইমা, নোং মুংশিং ভৌরি!"

[illegible] নোক্লিংবনা চুন্না নৈবা ঙমখিদ্রে।

ঙমাঙ কুমথরগা মতোমদা "থিং! থিং! খু! খু!" তৌহ্নুনা ৱানা লৈরে। শোন্নবা ফক্তুস্থ শেগায়রে। লাং শারবত্থ লাক্তুনা লংথোরকপদা পিশক্কী মনাক্তা তাখি। মথা তারবদি কররোই খল্লহুনা পিশক্কা "লাকও লাকও, চংলসি, একএ!" হায়না মরুপকী মখুং পায়হনা পুথোকরে। মমা মচাদি য়াম্না কিনা ইমুংদা লৈখে। মমাহ্থ মকোক ঙাওশিন্নখিবনি হায়বসি মখোয়না খঙরে। মী ফাগে তৌখিবনি। ইমুংদা মমা মচানা ঙাঙনখিবহ্থ লাক্লিবা অনিহ্থদগী পৈশা অমতা ফংলরোই হায়বসিগী মরমদনি। অহ্থনা অতোপ্পা ওক্তবদা হৈনবা, য়াম্না খঙনবা মুপা অমা চঙলক্তুনা মাধবীবু লিলা য়েংবা হৌরবদগী মাগী মচামুপীনা মণিখোয়বু শাউহনখিবনি। মচানা তৌরিবহ্থ মানা হেন্না পামখি। মণিনা ইমুংলোমদা ওনশিন্দুনা "হিদাক ঙাম্বক অমগী পৈশা কয়ানো? শেল য়াম্না পামত্রা? মীরমচং য়াওদবীশা! নখোয়না ঐখোয়বু কাবা ঙম্মোইনে! তুক্কচৈদা! নখোয়গী কাংবুসিদি ঙম্মিদা! গম্ভীনী! কুঞ্জমণি! কেতুকী! মাধবী!" হায়রম্নগা পিশক্কী মতুং ইন্দুনা থোকরে। মখোয়নিহ্থ মণিনা "অমুক উনরগা পুক্লিগী অকবা ওইররোই! লিলা ককা পূমতোক তোল্লসি!" হায়বদগী অহুম য়ুম য়ৌনরে। পিশক্কা "কুঞ্জমণিহ্থ হন্দমুক থেংমরবদি!" হায়রকপদা মণিনা খুমখি, "হেক লোইশিল্লম্নগা লোইরে!"

---

(৭) মশাগী লাংদা

ফুংঙাইবা পানম্বনা লৈজবা মীওইবনি। ফজে নিঙম্ববা অঙ্গাবমা খঙ্গরুবা ফুংঙাইববু খঙ্হৌদনা নমহুংখিবা কমাদা ফ্লাকৎ-লুগানি? মফম অমদী মোকমি নোকমিবা অমগী খুদাং পিক্কবগী অঙ্গাবমা মশক পূরওম ওলহল্লি। লিলা হৌগদবা থরাক থরাক য়াম্লুনা লৈরে। অঙমসিমক্তদা শান্তিকুমারগী মমা মেমচৌবীদি ভাইবং মীয়ম্নেন থাদোকজে। মন্নবা য়ুমম্বদগী শোন্নবী মমাদগী হান্না থোকখিম্বনা কয়া কয়াগী অরোইবা য়াহিপকমদা মৈতানগী রাথৈ ফংজে। মহু খঙ্খিবা থরদি হয়াউ-কুম্মৈগী য়াখল্লা চিংবা ঙমখিজে। অদুবু, মনাও মুপী গম্ভীনীদি ঙসিগী লিলাসিগী ভাবোক্তী মরু ওইবী মীশক অমনি খঙ্গদুনা মচে লৈত্রে হায়বা খঙনা খঙনা খঙদবী শাদুনা মমল য়াম্লবা ফি-য়োল অমম্বুং লিক-কোনগী অরুম্বা পুদুনা শোরোক থম্লা লাক্তুনা মফমদা ঙাম্মোইজরি। মচা মুপী জামিনীম্মু য়াম্না চাউরবনি। অদুবু মীনা তুক্কচনরবা মীগী ফিজেত্তি থাদোক্তি। অঙাংমা শেংকদবা অদু লোম্না শেত্তুনা ঙকনোয়বী মমাগী মতুং ইল্লকই। মখোয়না কম্লিবা অদোমদা কনাগুম্বী অমনা অম্ভুম্না হায়খি, "কুঞ্জমণি হায়বদুনা ইচানা থাউ লৈদুনা পুরকপদা ময়ু ঙাওরগা য়াম্না লাউ থোংদুনা লম্বী থৎপি হায়। মখুত্তা পায়বা থাউ য়াওবা লিক্লিম্বু মুনগে তৌবদা চেম্নকপদগী তুশিল্দুনা লিক্লিম্বু কায়রম্নক্লে, থাউম্বু মাঙহল্লে অদুগা মশাম্বু শোক্লে। পৈশা ফাওবা পীনিং-ঙাই লৈতদুনা শোংলুবনি। অদুবু, মাঙহল্লে!" গম্ভীনী মসি

তাখিরদগী ফুক হৌগংলক্লগা "নবেম্মা ঐনিংন অসিদা লৈরিবসে! অসিবু উত্রা? নচান্না মতোমদা ভুশিঞ্জরগা ইচা পাখংদা তাই-নব্রিত্রা? অমনম্ব 'কুঞ্জমণি!' অমনম্ব 'গম্ভীনীগী মচাম্বুপা!' —করিনো? ইচাবু অম্বুক য়াম্না য়েংখিরিবসিবু! মতোমদনি পিবাম্ব, অমতনি নিংভোজ। অমনা মুমিংনি; অমনা থানি। অতুম্না মী মাঙনবা শীঞ্জ-লাকচম্ব!" মনা কর কর হাইতুনা ঙাখি। মুপীতুদি মথা তাখিদ্রে। শাউনিংবদি লোইরবনি। অতুদা থরনা কম্না খামখি "মফম চাদে ইবেম্মা, মানা ঙমজরসম্ব। ঙসিদনিদো নংনা অসিগুম্বসি থেংনবা! ঐখোয়দি য়ুম লোম্ননম্ব লৈমিম্নরবনিনা ওম্বোক্না রানা হিংলে! কৈ তৌসম্ব য়েংসি! শাউরম্ব!" খরনদি লাউনখি "মশোং পাম্বীতুগা অমুক্তং পাঙ্গল চাং য়েংননিংবনি। অতুবু থবক চিম্বসিদা ঙমদ্রিয়ে! মুমিং, থানরগা থেংননবতুম তৌগদ্রা!" গম্ভীনীগুম্বীসি ঙসিগী লিলাখিবা পুংলদ্রি। লৈরম্নবম্ব করি তৌগনি? খুম্ব নত্তে, মৌনি! শাউনিংবদগী থরক্কবনি। কনানা মাগবু মাম্নরুগবনো?

অম্বুম্না শুরাঙদা লাউনবতু তাবদগী লিলাগী পুংতুনা থংলাউ লাউরকপদগী পুম্নমক রাঙাং হোংখি। নশক উবমক্তদা নোক্লিংবা পোকপা মীওই কম্না থোরক্লে। নিনংগ্রে ঙাইহাক্তদা হরাউবনা; শুরে মী মখন—লম্বী শেম্বা য়াওদবা, পুখি শেংসি য়াদবা, শেনখায়-থুনখায় পীগন্দবা অহুগা অশি অনা চংকন্দবা। ক্তিমুংদা য়োংতেক থাংতেক পুরিবা নশা মশাবু কপ্পবা ঙমদ্রবশিংম্ব মকু শেকপীগুম্না অমম্বদা হৈনরি। মতু শোম্লবশিংবু মিপাইহল্লি।

মখোয়না অসিগুম্বসিদা লাক্লগা অকায়বা কয়া কয়া থোকহল্লি। য়াউশঙ্গী থাবল চোংবদস্থু অদু মঙায়। তিংলিবা থৌরি অদুগা নিংথিজনবা শীল্লিবশিংবু মখোয়না য়েক্লবনি হায়না থল্লি। অদুবু, মখোয়দু মতুগী অম্বাবা ইফং ফংদবদি নত্তে।

মতম ঙাইহাক হৌখ্রে। ভাবোক্কী ময়ায় অমস্থুং তুঙ্গী শরুক্ত্ য়াম্মা চীক্লা নিনখ্রে। ম্রিংকী থবক য়ামখ্রে। হাম্না চান্নবা অদুগা ঙসিদা উনবশিঙ্গী মরক্তা 'অমতংদি' হায়না থিবস্থু য়াওরি। থাংমৈ মঙাম্দা মিংশেল হাইনখ্রে। চাউয়েং য়েংনবা কয়ানি। হোংদনা য়েংনবনা থম্মোই নিক্লবস্থু য়াওরে। মীগী তুংদা লোৎচরিবী ইকাইথীবীশিংদি, লাইরৈবাক্কী লাইজনা থম্বাল শেন্নবী থম্নাম্নুংদা লোৎচরিঙৈদা কল্লক চাউবা মালংবগী শঙউমদা তনিক তনিক খাঙজবগুম, খঙহৌদনা থাংমৈ মঙাল ফংবদা চুম্না লৈবা ঙম্মখিদ্রে। কনাগুম্বদি য়েংলোইদবর্দস্থু য়েংলুরমাল্লো! অঙাম্বদগী অমম্বদা হোংখ্রে। অঙকপনিদা লিলা য়েংবশিঙ্গী লিলাসিস্থু! ফিজেৎ লৈতেংনা তাংজবী কয়াগী মরক্ত শক্ত [illegible]ক্রবীশিংস্থু য়াওরি। কনাগুম্বী হুজাদি লুমাংদা হাক্কচবদু খোংপা ঙমখিদ্রে। করিগীনো? উম, থঙলে! "ঐদি কুচু পান্দবীনি! ইথুংসিনা করম্না ঐগী অথীববু অমুক হেন্না থীহনগদগে?" থল্লি। "করিগী অদুম্না নপুন্সি ময়েং তাহম্বগে? মুরবস্থু 'তমু তমুরদনা', ঙৌরবস্থু 'ঙৌরোক ঙৌরদনা', ন্নাং চাউরবস্থু 'চাউদম শাংদম্নদনা' অদুগা পীক্লবস্থু 'পীক্তক চেংতক্লদনা' মহায়নবনি। থীবা লৈতবনিদা! শেম্বিবা মাবু করিগী য়ানিংদ্রিবনো? নঙ্গী থম্মোইনা মক্ত্রবদি কুচুনা মাগী মপাল

ঙাংহনা নংবু শকহেম্বীশিংদগী হেন্দহনলনি।" কনাঙবনা পোনখি। ঙাইহাকী য়াদনি। মাসু নোকপা য়াওরে! মাগে হায়দা লাকপা নত্তে। নোক্না নোক্না য়েনবনা য়েনা নেংনা নোক্লরকই। শুহু চাদবশিংনা হন্নোতক তৌবা ভুরহু হন্নোক্না কাগী মাঙ থানা হকপা য়াওরি। অমম্বদা হৈনরবা কাওনা তুঙ্গী য়াংথংলিবশিঙ্গী থুমিৎ পুদাংদা হৈনরি। মসিনিদো, পুক-ফত্তবা য়েক্কবনা হুরান লাঞ্চংলকপা হায়রবহু! করিনো হুপীনা হুপাবু ফ্রব্রা? লোয়বদা "হা টবেম্মা, তোকও! তোকও! মুঙাউবসিগা মামহনা মখা তানা ঙাংলহু। মমায়দা থুপাক্লা থাব্রেদনা! মহুনা পেল্লে।" লিলাহুনা খিত্তং নিক্লিঙ্কেদা তারি-বসিবু! লিলা কায়বা তারে! যুঙাওবহু কুঞ্জমণি ওইরমাল্লেনে! "গম্ভীমীগী মুমিৎ মুমিদাংদা থোকএ! মুমিৎ ঙাওরে!" ঙসাই লিলা হৌত্রিঙৈদা তৌখিবা ঈরাংহু খঙহৌবশিংনা লাউখি। ঙাওশিন্নবনা হেম্বহু চপ্পু না পুথোকখিবদগী মথাদি তানা লাখিল্লে। লম্বীদা মণিথোয়না কেত্তুকী মমা মচাবু ময়ুম খঙনিংহুনা ইম্নক-পদা থোকখিবা অহুগী মতুংদগীদি কুঞ্জমণিহু নোংশিনখিল্লবনি। মানা লিলা য়েংলিবীশিঙ্গী মনাকমক্তদা. ভিংলিবা থৌরীহু লৌথোক্লগা চঙলক্কুনা কাতু-কারন ঙাংবদগী হুপী অমনা য়াম্না শাউখিহুনা মাবু মমায়দা থুপাক্লা থাখি। মমা নাপল চাউবীদি খঙশিন্নখিদ্রে।

অসিগুম্বসিনা থুগাইবা ঙমখিদবনা লিলাহু য়াম্না হুংঙাইনা চথরি। করিমতা থংনা-চৈনবগী মথোন তাখিদ্রে। কাঞ্চানিমক্তদা

মম্লায়দা লৈরিবা পুখমদা 'কাং' লাউনা পানখিবা নুংন্না চোংথো রক্কুনা মনাক্তা তারিবহ্ন অউবশিংনা ঙক্না য়েংনখি। মুপীশিঙ্গী অদোমদা য়াম্না লাঙগ্রে। কিগম্বীশিংদি নিকপমা ব্লাকচাজী অয়ুক্তা ঈরুজবদগী হেনগ্রে। থরো থরো ঙম্নুনা চেম্লগ্রে। লিলাহ্ন হিংথং থংগ্রে। শুমাঙহ্ন মতম থরগী মঙুংদা কনা য়াম্না হাঙগ্রে। অথাপ্পদা লৈবা মীনা নুং থারম্বহ্নবু তাম্নখিবশিংনা "থংলু! থংলু! ফাও! ফাও! মাগী মক্নোক থুগাইরম্বা চেনখ্রে!" লাউবহ্ন তারি। মুপী অমা য়াম্না থীনা শোক্নে! মাঙ্গোন্দা পুশিন্দুনা কন্না লাক্নরি। অনকপদা লৈবা থরা নত্তনা অথাপ্পদা লৈবশিংদি অমতা শুমাঙদা উদ্রে। লৈরিবশিংনা কোয়চেন চেন্দুনা থরক কয়া পায়খংলি। মপাল্লোমদা মঙুংদা নিম্বা য়াদবা মীয়াম্না লাঙই। ঙাইহাক লৈরগা মপাঙ্গল কল্লবা মী থরনা মুপা অনিথক ফাহ্নুনা পুরকই। চঙবা য়াদবনা থোঙ্গান্দা অহুম পল্লেং লোইনা পুল্লে। অনিহুদা অহন অমনা "নখোয় কনা কনানো? নমিংনা করি করি কৌই?" হায়না মশা মশা পায়হ্নুনা লাউরি। "মসিদি গম্ভীনোগী মচা মুপানিনা। ঙসাইম্বু থরা হৌগ্রবনি; হৌজিক্তি মপুঙ ফানা তাবা তারেদনা!" অমনা থাংমৈ পুশিন্নরুনা মুম্না য়েংলবদগী থঙহ্নুনা য়ৈনিংনা খুমখি। "মানা হৈববু ইশৈরা, ব্লারীরা, পেনারা? য়াম্না তানিঙলেনে। হৌহল্লো!" অতৈনা করেম্নরকই। অমা অহুনা মাগা লোয়নবনি। নুং লংশিলম্বা কুঞ্জমনিগী মতুং ইন্দুনা চেল্লুবনি। মাগা য়াম্না চাম্নজরবা হেরো হায়হ্নুনি। "মিংদামক্নে! অহুবু, মাদি সেবাক্নি হায়না থম্লিদা।"

খঙজিৱশিংনা খন্নরি। কুঞ্জমণিগী সেবাক্তি হেয়ো অমশুং থোইবনি। মণিথোয়না তাখিবা 'ইথোই থোইবা' হায়বচু থোইবা হান্নরিবা অসিনি। মথোয় অহন্না মকম থুনিংদা ইনিন নিঙ্গিবনি। থোই-বদি চেনখ্রে। কুঞ্জমণি হেয়ো অনিচু থাংমৈ মঙান্দা মমিং মমা ইতু তুখরক্লনা লৈপ্লি। কুঞ্জমণিনা হেয়োখ্ মাগী থোনা কথা তুংইবনি খন্দুনা অচুগা মানা হান্নবা খবক কয়া মথোনা নৈনা হেক হেক পাঙথোকপচুদা মপা মমাগী 'হেয়া' তোক্কনা 'হেয়ো' থোনখিবনি। অতৈনসু অচুম খঙনরে। অচুগুম্বা হেয়োনা মাগা অন্নাবা তামিন্নবগী মুংঙাইতনা নৈরিঙৈদা "তারনি, তারনি, শোয়দনা মুংঙাইবা ন্নারী তারনি!" হায়না মুপা অমা গুমাঙ-লোমদগী থোরক্কনা মনাক্তা থুংলখি। ময়ামচুসু ন্নারীচু তান-রবনি। ঙসাইমখে মথোয়নিদা খঙহন্ত্রি। মুংঙাইতবা মপুঙ ফাইন্নবা কুইনা নৈরুরবা মতুংদা মুপাচুনা মথা তাখি, "কুঞ্জমণি, নংনা নমাগী মকোক থুগাইরে। ওইথংবা মিত্তু শোক্না কায়রে। ঙসিদগী মিংশোয়নী ওইরগনি। নংনা তৌকপা থবক্তা মহৈচু য়েংশুসি লাও!" মাখ্ হেয়োগা লোয়নবা মমাগী নাক্তা পুশিন্নরে। য়াম্না থীনা শোক্লে। কন্না থারকপনা মমাগী কোক্তা পান্নুরবা নুংচুনা পুখমদা অমুক পান্নগা চোংথোকখিবনি। মাসু মীনি। মমাগী মতৌ উরে। হান্নদগী হেন্না ন্নাশিন্নক্কনা মাসু তপ্না তপ্না ফমথরক্লে। হেয়োনা তুংদা লেপ্লি। ন্নাদি ঙাংনদে।

মমাগী লুখুমদা ফমথচুনা অন্না শোয় পাবোং লোন্নিঙৈদা মাবু অচুম্বা ঙাকপা চৈতুপ পায়রশিঙ্গী অরাম্বা থোঙথাংনা মতুং-

লোথদা মেৎথোকহনবি। পাউ ফংহুনা লাকপনি। লেম্মা হুবা য়ায়রোই। অঙাগী মাক্তগী থোইনা নিম্মা তৌদনা পুথোকঞ্জে। থাম্বা য়াম্বা হেরোম্ থনমঞ্জে। ওসিদি মতম কুইনা উনরক্লরবা মনুচত্রক্ মার্গী হুপীন্ বায়ুমদা শোন্নরি। মচা মুপী জাম্মিনীদি য়াম্মা কণ্ড্না কেতুকীথোম্মরোমদা পুঞ্জে। গম্ভীনীর্ তাক্তরদা পুনবা গাড়ী থৌজিল্লক্নে। কুস্তমসিদি অম্বাবা তাঙ্গা য়াম্বিমহুনা মুংঙাইবা তানগদক্দা মমামকী সেবা কংদনা মম্বা পুম্নিংগী মপু ওইহুনা য়াম্বকমদা চংঞ্জে! তৌবদি, মামকী নত্তে অশোয়বসি।

---

(৮) অনৌবা য়াথল

নোংজু থাগী থামৈনি। মরিক মরিকপা নোংলিনা ঈমায়থক্তা য়ৈবদা অতাবশিংবু চীক্লবা মথোন অমনা চুম্লগী য়াথল থাদোকহল্লি। উনা থক্তা পুন্সিন্দুনা লৈরম্বা পীক্লবা ঈরিক্কা ওল্লবা লাইজ ঈতুমশিংনা ঈপাক্তা হরাউনা চেংথরি। ’ঁংবা হঙোইনা মতমগী শৈশক তমহুনা মপু মাবু থৌগল্লি। পুঙমদ্রবা অম্লাবনা থোঙথাং লুমহল্লবা কনাগুম্বা অমশু মতমসিদা নিম্রবা লম্বী অমদা য়ৌনিংবা মফম তম্লি। মম্লবমক্তদা মশক্তু উইহন্নিংদবনা খুমজিল্লিবা মকোক্তা লা লাতোন অমা শাত্তিন ওইনা থল্লি। নোংদবু কিহুনা মকোক থুম্বা নত্তে। খিংলি খিংলিরিবা নোংলক্তা অঙবশিংনা য়াম্মা উইহন্নিংদনা চংলিবা মাবু উখি। নোংস্নু হাঙদৌরে। থরা চংলগা কোম্ভোং অমদা চঙশিন্দুনা লেপঞ্জে।

মাবু ঙংপা ওইনা থোক্লগনি খন্দুনা নোংনা মথৌ লেপখ্রে। অদুবু মাদি লাতোন্দু হুন্দোকখ্রবস্তু ফিরুক্তি হাংদোকপা লৈখিদ্রে। ইথা থাজদনা মমুত্বদগী ঙাম্হোকখ্রে। মাদি মফমদুদগী হেন্না চঙশিন্বা তৌদনা অদুম লেপ্লুনা লৈরি। মুংমদাংদা মীগী থোঙ্গান্দা করি তৌরিবনো? মপুমক্না পাম্নবোইদবা মওংনি। ইকাইবা, মুংশিবা অমস্তুং চিংনবনা মাবু হেক্লিনহন্ত্রবরা? পুক্রিংনা মনিঙ তম্না লৈত্রবদা করিগুম্বা অমতা পাঙথোকপা ঙমদে। অদুবু মুপাদো ঙাইহাক মথা তানা লেপ্রম্নগা অস্তুম চঙখ্রে। মানা চঙলক্লিবা য়ুমদুগী গুমাঙ য়োরকপমক্তদা মমাঙলোমদা পুক্রিগী মপাম্নি হায়না থল্লবা মফম অমদা করিগুম্বা অমা উথি। উরিবদু অমুকস্তু নেমশিন্বগুম তৌই; মফম হোংবগুমস্তু তৌই। মদুদা 'হৈ' 'হৈ' হায়না মফম অদোমদা তান্ন। অদোমদদি লম্বীস্তু লৈতবগুম তৌই। মুপাদুনা উরিবদু তশেংনা অসিনি হায়বদু লেপ্লা ঙমত্রদুনা "মসিবু মী ওইরিদ্রনে? খঙদ্রে! শা-মোক অঙৌবস্তু মাম্বগুম তৌই। অদুদা, লম্বী লৈতবা অশোমদা পোংলুম পুবা মীনা রানো চংপগুম তৌরিবসিবু উরিবসিগী নাহে খোম্হোকমক ওইরিদ্রা হায়নস্তু খল্লি। খঙদ্রে, করি ওইরিদনো? মীরা, যম্না? ঐখোয়গী হন্নবীদুবু মুমিদাংদা মপান থোকপা ঙম্নিব্রনে?" শোম্না শোম্না গুমাঙ য়োখ্রে। চুরিদা লেপ্লগা "ইমুংসিবু মী লৈত্রাও?" হংবদা করিমতা খুম্নক্কে। য়াম্না চিংননা ঙসাইগী অদোমদা ওল্লগা "মসিবু ঐখোয়গী মুপামচাগী মবেম্নক ওইরিদ্রনে?" উখিবদু অদুম উবদগী থনখি। খঙহৌদনা উরম্বদু

ঈশিংদা তাখিবগুম তৌখে। মশক উথিত্রে। ইমুংদনু মী লৈতবহুদা পম্বা তৌদনা মুপান্থ মকম অদোমদা পাইশিনখে। অচুম্বা লম্বাদি খঙদবনা খরা রাখি। অদুবু উরক রারকর্মক্তি নত্তবনা অদুম য়োৎগ্রে। পুক্নিদা ঙসাইগীদু তাদুনা লৈরক্লে। মীপী মতৌনি। মীমক্তি হায়বদু খঙলদুনা মুপান্থ থীন্দনা চোংথগ্রে।

ঈশিংদু লুবা হায়বা অদুনি। মুপান্থগী মরেপ ফংদে। অদুবু মরক মরক্তা লেপ ফংনিং ফংনিং তৌবা য়াওই। মসি মানা অমুক্তা কুমদবা পুক্নি ওইনা তৌবদুদা ফুক্তবা থোক্ম্পা। মখোঙ-নচিংবা লৈরমগ্রা খন্দুনা ঈরোইবা কিবদগা মাদুগী মনাক য়োনা মা মাদুনা চৎপদা খঙবনি। য়োৎগ্রে। অতোপ্পা নত্রে হায়বদু খঙলদুনা রানা ঈথায়থক্তা মরেপ ফংবোই ফংদবোই কোকমথে থাঙক্তুনা থম্লগা "অবোক! করিগীনো মুমিদাংদা অহন অদুক ওইরগা পুক্নিদা চৎলিববো?" খঙনিংনা হংজখি। অহন্দু পাউ-খুম পীবা ঙমদনা রারি। মুপাদুসু রাদি ঙাংবা ঙম্নরোই খঙনা খঙনা খঙনিংবদগী হংজবদনি। অদুদু ঈশিং খরা থকখিবা অদু-দনা রাহখনি। পুখৎনবা তৌগ্রে। থোক্ম্পা ভম্মা খোঙনা মা মাদুনা খোঙকম থিবদা মানা লেপ্তুনা লৈরিবা মকমদু নত্তনা অতৈদি লেপ ফংগ্রে। লৈরাইদগী খরদং চখোক্লগা লেপ্লিবনি। অদুবু, নক্সবা মপাম্লোমদদি অহন্দুবু পুখৎপা রানা থোকনি খল্লি। ভবপী নত্তে। চহি য়াম্নবীদুবু হেন্না অন্নাবা নংহম্বা পামদবনি। অদুম্না লৈরিউদা মকোক্তি শেংনা তাহোদনা "... ... কদাইদা লৈবগে?" হায়বসি তাখি। মসি মী লৈতবা য়ুমদুগী মাজোন্দুদগী

ল্যাউরকপগুম তৌখি। হনুবীহুবু ৱানা শেন্নহনা কাখংপা ঙমদনা লৈরিবহুনা পম্বা তৌদনা "কনানো ? পুক্সিরোমদা অমুক্তা লাক-পিন্নবা !" কৌখি। ঙসাইদগী কৌরকপগুম্বা শকথঙনবহনা "ঐনা অম্ক কৌবদি তাদনা ! কনানো, ঐবু কৌরিসিবু ?" খোঙ্-য়গা লাউনা "কনানো, মমাঙলোমদা কৌরিবা ?" খুমখি। ঈশিংদা লৈবিবহুনা মখোন খঙলহুনা "ইবুংঙো শান্তিকুমার পুখিন্দা অমুক্তা থুনা লাকউ !" কৌখি। "করিনোনে খোন্সিব ঐখোয়গী পাবগী পোনস্থু মাল্লি। ইবোক্তু বু পুখিন্দা তাররনে ? অফবদি ওই-ররোই ! খুবা ইবোতোম্না ঐবু ঙম্না হেক হেক হন্নবা হায়রনি। অহুদা, থবক অহু লোইনিংবদগী থরা থেংনক্লে ঙসিদি," অসি হায়না শান্তিনা পুখিন্দা চেনখে। য়েরগা "কনা ওইরবনো ঐবু কৌবিবু ?" হংবদা "নঙ্গী নপা মপোক থীরবনি, শান্তি-কুমার ! লাউ ইবুংঙো ইবোক ঈশিংদা তাহুনা লৈরম্লে। লৌখংপা য়াওরো। ঐ ইতোমদনা অঙম্বা লৈরাইসিদা অবোকপু পুখং-লকপা ঙম্নোইদৌরে। থোঙ্গারোমদা হন্সি হায়বস্থু লেপ ফংমে।" অসি হায়না মধুচন্দ্রনা মচাবু কৌশিনখি। "ঐহাক্তা, অম্বুম থোকউ হায়না, হেক তাবদা ঙায়রিঙৈদা থেংনহৌবদগী য়াম্না ফত্তবদি নংলোই হায়না খল্লি," মখা অমুক তাহুনা মচাবু খঙহল্লি। "নহাক অমুকস্থু অম্বুম্না অন্নাবা নংলুরবনি। ওম্বোক-পনিদা ! ঐগী ইপোকসিনা তৌরিবসি করম তৌসিবা !" হায়না হায়না শান্তিনা ঈশিং কুমগে তৌবদা মপানা "ঙাইখো ! নংবু ক্লুম্নকউ হায়দে। ইবোক্তী ঙকশমসি নংনা কোনখংলু। ইপানা

থাবী শকুর কোন্দুনা কাখৎলক্কে," থামদুনা মনেমবু লৌখৎনবা হায়খি। মধুচন্দ্রনা মথুং নামনা অহন্দুব্ কোল্লগা অমনা পুখি মপানদী হাইখৎপিদবদগী কা হেয়া শাংলবা নাপীগী মক্তেং লৌদুনা কংকাল ওৈবা তাখি। মচানা থক্তা ওকপনে, মপানা কোন্নিবদু থাদোক্তন্না কারকপনে, কংকাল য়োরে। মকম চাবা য়েংদুনা অহন্দুব্ মখোয়নিনা খণ্ড-হৈজবমথৈ পুথোক্কুনা লায়য়েং অহাবা পীয়ে। ওাইহাক লৈরগা পুশিনখ্রে।

লবী মক্তেক্কু চংলিদৈদা মচানা মপাদা "ঐনা ওসাইনা থবক চল্লিদৈদা পাত্র খুদিংমক পীক পীক থম্বা শোক্লম্ববনি। অহুমক্তদা হেক্তা মচংলি। ঐ লৈরবদি চংলোইদববনি। খণ্ডত্রে, পাবা, ভৌগদবসি! মীনা বার্ত্তোন ভৌরকপা শোয়াতলচিংবদি চংকে হায়দবসু লৈ। অহুগা বার্ত্তোন কংদবগীনা থম্বায় য়াওনা থাক্তা য়াকনা চংখিবসু কোল্লায়নি। নাপী কোয়বনি হায়না নোং মরক্তা অহুম লৈবসু য়াওই। ভৌদনবা হায়জবসু য়াবিদে। চাক ওইনবা, মীনা ভৌবা থবক শীংথানদবসি অহন ওইয় ওইরগা য়াম্না হেক্রে!" হমখি। অসি তাবদা মধুচন্দ্রগী মপু মখেম্না হিংলিবদু থখি। শান্তিকুমারগী মখেজি য়াম্না অহন ওইরবান। চংপদা ইকোন কোল্লবনি। হৈ! হৈ! হায়রবনি। য়োরগা অখণ্ড অহৈ কৌদুনা য়েংহল্লে। খোইনা কিনিংওাই লৈতে হায়বনি খণ্ডনরে। অহুবু মতম থরদি শেল্লখিবঃ তাখি।

মেয়চৌবীগী শোয়াত মতুংদা মধুচন্দ্রনা য়ুমসিদা লাকপসি ওসিনা অহাবনি। মানা লাকপগী মরমদু নপেম্না থরা ফরক্লগা

মচাদা খঙহনখি। হায়দোকপা হেক ঙমখিদে। মচানা 'পাবা' হায়খিবত্থনা মাবু হৌখিবা মতমগী শাংলবা য়ারী নিঙশিংহনখি। মানা ওসি লাক্লিবসি অতৈগী নত্তে, মনেম্না থুপপ্রবা মতমদা মচাবু মাগী মনাক্তা লৈনবা হায়রবনি। ইকাইবনা কনা অমত্তবু উহন্নিংত্রবা মধুচন্দ্রনা মাগী মুপী অতোম্বী গম্ভীনীনা য়াসি হায়নবা থারকপদগী মী অতৈগা উননিংদনা উনরবা মতুংদা মচাগা চীন্না য়ারী শাখি। অমুক তাম্বোকপা, অমুক কৌশিবত্থ ইকাইত্থনা কনা অমত্তবু তাহন্নিংখিদে। শান্তিকুমার মপাগী য়া ইম্বা তাখি। গম্ভীনীনা শীম্বনি হায়বসি মাদি খঙদবনি। মমাতোনবু করিস্থ মুংশিদবা তৌদে। মমাতোম্না ময়াম্বগী মথুত্তা অন্নাবা ফংখিবত্থগী নোং হেক ঙাম্বগা মমা লৈতবগী য়ারিঙৈত্থদা মমাতোনবু হংবা চংলুই। মচাবু লম হেলহল্লুবগী অরাম্বমক্তা মাবু য়ারক-খিবদগী হন্দক্তি গম্ভীনীত্থ মীরোল থরা তারে। মপুরোইববু থাদোকপা হৌরে। মচাম্মুপাদি মীবু থা-তম্না য়াহম্বদি তোক্লবস্থ মহৈ মরোং মাঙহম্বী, য়াথল মরু মুংহম্বী য়ুগদি থোইনা হেন্না চান্নরক্লি। শিন শুনা হৈবা অসিদি অমদা নত্রগা অমদা হেক্তা চঙবা য়াবনি। অত্থনা, মমানা শেম্বা কুঞ্জমণি বিদ্যা লমশি শুনা হৈবনা অমা তোক্লবস্থ অমদা মচঙলি। হন্দক্তীসিদি থাদোকপা য়ানা থোক্লগনি। অহাম্বগীত্থস্থ মীনদি তুক্কচনরবনি। মহৈনা মশাদস্থ চৈকম্না মরাং মরাং লৈতেংলিবনি। মকোক্তা লৈবশিং-ত্থনা মঙোন্দা শকথঙদবা মীদা শম ককহন্দনবা য়ানোমজরি। অত্থগুম্না মচাত্থবু শঙনবা শান্তিবু মনাক্তা থম্লিংলে। শান্তিকুমারদি

লাইরিক তম্বা লেপ্পি। পৈশাদি তম্বা ওয়বা থোক্লবস্থ মবেনবু শেন্নবদা অচৌবা থবক অমা ওইবনা তম্বা ওমল্লে। অদুনা ইবোত্তোনগীদা থবক অমা তৌনা তৌনা মবেনবু শঙলি। ওন্নিদি খরা থেঙলকপদগী মবোক্কা খুদোংথীবসি নংখিবনি। মমুমদা হয়রুগা চাক ঈশিং থোংহুনা চারগা লাইরিক ইতত্তনা ওরাই-বনি। মতাং চাবদা ওবা ওইহুনা স্কুলগী অরোইবা পরিক্ষা পীনবা হোৎনরি। হৌজিক্তি মমাতোম্না মাবু মনাক্তা লৈহনবা মতমদা লাইরিক তম্বা ফঙনি হায়নস্থ খঘ. হৌদ্রে।

মবেনছু খরা করে। ব্রারী শাবা ওয়ে। অদুদা মাইবহুনা "ইচে, নয়াম্নুপা থেংনরমত্রবদি শোরাতকী ব্রারী শানরম্নগদবনি।" হায়না কাগি তৌবিখি। মত্থু তাবদা মধুচন্দ্রদি "পাপ চেন্নবা ঐখ্ ইনেম্না পাপ কোকহল্লে। ঐনা কঘা নত্তে। ঐখ্ অমুক পোকপিরবনি।" খঙখি। অহন্দুনা ঈশিং শোক্লবা পাত্রহুদি ঈশিংদা তাহোরে হায়বমিস্থ নিঙশিংল্লে। নোং ওাল্লগা খুম্নবা মতুদা খঙহন্নখি। ময়াগস্থ ব্রারী শাখি।

মপাগা ব্রারী শারবা মতুংদা শান্তিছ চাকথুম চঙল্লবনি। চাক লোইরে। মতমছু ফনা থেঙলে। মপাছু হম্বা য়ারে। হৌজিক্তি গস্তীনীনস্থ থাদোক্লবনি অদুগা মশাগী কাম্নবা ফংনবা থারকপনি। লেকথোকপস্থ য়ারবনি। অদুগা মচানস্থ অম্নুম্না হায়রে "পাবা, চাক চাঙ্গসি। চেংদি মনম নম্বা জাৎনি; হাউ-রোই। অদুগা ইন্নাংস্থ পওথোং থোংবনি। অদুব্, চাঙ্গসি, অদুগা হনজ্রো; লেকপা য়ারগা লেকখিবনা ফরগত্রা?" ফত্তবা মখৈ

কাউ.থাক্তুনা মাবু লৌখংপিবাময়াবু মনেম্নগু চাক পীজনিঙখি। মনেম্নস্থু খুদোং থীবা নংলুবনা ঙসিসিদি লেকপ্লগে হায়না খনখ্রে। অহুবু চাক্তি চানিংঙ্গ্রমাল্লে, "চাক্তি চাররোইদা, অতুগা লেকপদি লেকাখবা তারে। নং নত্তোমদনা অবোকপু শঙবদি মুংঙাইর-রোই," খুমখি। ইত্তিং ত্তিংনা হায়বনি। পীজনিংঙুনা ত্তোবনি। অতুগা চেংহু মনম নম্লবস্থু অহুগুম্বহু চাবা ফংদবা য়াওরিবনি। ফংদবা মতমহুদা চরা হেল্লিবনি। অহুবু মপাখোয়দি মহুগুম্বহু চারয়োই খঙদহুনা হায়রুবনা শাস্তিহু মুংঙাইখিত্রে। অক-ফঙ খঙবস্থু নত্তে। মীগী চেং অকবা পুরুরগা মখোয়না ফংবা কস্তবা শিংবা ইকাইহুনা কনাদগীস্থু মানা পুহুনা খোংদে। মুমলোম-পোক ওইনা লৈবা মঙ মবেনগী য়ুম্নি। অহুনা মখোয়নিনা চরা হেল্লবস্থু অত্তৈনা খঙবিদে। অহুবু, অখঙবনা মখোয়বু মক্তেং পাংই। অস্থুম্না লৈরিবা মচানা চাক চাসি হায়বদা য়াকবহুদা মনেস্থু য়েংলিবা অমস্থুং শঙলিবশিংনা "কররিমো, ইবুংঙো? ঙসিদং লাকপনি! নচানা 'পাবা চাক চাপ্রসি,' হায়বদি মুংশিল্লা? হাউরবস্থু হাউত্রবস্থু চথোম অমমম চাদিল্লরোদনা!" মচাগী মীচং চখি। হায়দগী হেন্না ইকাইখ্রে। ত্নাহৈ খুদিংমক্তা মাবু চুম্না লৈহনখিদে। মেমচৌবীগী মকমদা লমল ত্তোনপ্রবনি খল্লিবা মাগী মিত্তগী মুংনাংলবা পিরিকশিংনা কৈজোম ফিজি ঙাইঙমদনা মালেম থক্তা পম্বুংখি। ইকাই মুংশি য়ামনা মচাগী চাক চা-মিম্নবা ত্তাখি।

(৯) পেম্নাইদবীগীদা

ইবোতোম্না শান্তিকুমারবু ময়ুমদা মপুন্সি লোমহন্নিংবনি। অদুবু মরম অনিনা মাবু থিংবা ঙাখি। মবেম্না লৈখিত্রবদা শান্তিবু মপানা কৌয়রে। অফবা মুমিং য়েংদুনা চংনবা ঙৌরি। শেল মাঙলবা কুঞ্জমণিবু মপানা মীরেম থাঙ্গৈশেংলে হায়বসি খন্দুনা মচা অতোম্ববু য়াম্না নিঙখ্রে। অদুনা মানা লৈকম থোকপা মপাগী ময়ুমদা নুংঙাইনা লৈরুগনি। মসিনা মরম অমনি। অতোপ্পা অমা অদুনা অসিনি— মচানুপী চন্দ্রলেখা লৈশাবী ফারক্লে। মীগী মচা পাখং অমবু চাউরক্লবী মচাগী নাক্তা থমদুনা মিংচং থীবা তাম্বদু কিজে। মাগী নুপী সখীনসু মমাঙৈঙদা নিখিবদু অদুম মনিঙলি। ঙোববুদি শান্তিকুমারদি লম্বী অদোম-দগী থাপ্পা লৈরি। অদুবু মাসু পাখঙ ফারক্লে। মমানা মাবু চন্দ্রলেখাদা নত্তবা মিংয়েং অমসুং ৱাঙাং ঙোদুনা মচল ওইবগী মতৌ থুগাইদনবা হায়রম্মী। অদুবু, কয়া কুইনা মানা মবুং শাবা ঙমগনি? মমানা হায়রম্বদুদি চন্দ্রলেখাবু ফংনবগীদমক্তা ওইরম্বসু য়াই। পলেম পম্বৌগী য়াম্না নিংথিজরবী নিংঙোল অমা ওইগদৌরি। মীনা হায়নৈ "ইবোতোনগী মচানুপীসিদি কজদৌরিদা। মরমসু ওকই।" অদুগা শান্তিকুমারসু মাঙলী অমগী মপা চাদবদি ওইরোইদৌরি। অদুনা, মচানা মাবু পুন্সিগী হিনাউ শাবনি খন্দুনা মাগা হুংশি ঈপাক লাম্মিরবা পাম্নবদু নিংঙোল ওইবী শিংবু মপা মমানা ঙজনা থাজনবগী মওংদা ইবোতোমা মচাবু শান্তিদা পীনিঙলি। মচাগী পুন্সিগী লোয়রুবা

থিবদা সখীগা তানহুনা মচাগী অপাবস্থ য়েঙ্গদৌরি। মচাহুপীনা শাস্তিবু, মাগী মিৎয়েং নায়েংদগী, মথন্নায়না পাম্মি হায়বসিন্থ সখীনা কুপ্পা য়েংবদগী খঙলক্রে। অঙকপানি শাবী শানৌশিঙ্গী মুংশিবা হায়বসি। কনানবু তম্বিরিবা। মসিদগী মমুমদা থবক শূন্নবা অহু ফাঙবা শূহল্লিংলক্কে। তৌবদি শান্তিকুমারদি মমাগী ন্নাস্থ ইম্না চৎলি অহুগা য়াম্না তোম্না হৌরক্কনা ন্নানা হিংলি বনিনা চন্দ্রলেখাবু মানা মুংশিরুবদি অরেম্বা তাগনি হায়বসি মীনস্থ খন্নরি। মপা মমাদনা মীনা নোক্কন্নগনি হায়বসি খঙ্কবদগী শাস্তিবু থাম্না লৈহল্লিংবদনি। তৌবদি, চেন্দ্রলেখাবুদি, মাগী হুরান মিৎয়েংদগী, মবুং মপুন্নাগী ন্নাখল কাউনা চেংলৌ হেম্বা শাস্তি-কুমারগী মকমদা মথন্নায় কংনিংলবা য়ারি হায়বসি কুপ্পা শেন্ন-রিবী মমানা উগ্রবনি। মাস্থ লমহেম্বৌদি নত্তে। মানা মুংশি-মুংঙোন মশক খঙলক্কবা মতাংদা য়েংবা য়াবগী মায়থোঙনা মাগী মুংশি পন্থুং থিরক্কবী থম্মোইবু ওকখিবদনি। অহুবু, ইবোতোনগী ন্নাখল অরায়দি নত্তে। মরু ওইবা থৌদোক্কদা চঙলক্কবা হায়হুনা মপাগীদা লৈরগা মহৈ-মশিং তম্নবা মাবু থাদোকখ্রে।

শান্তিকুমারসি স্কুল অচৌবগী অরোইবা পরিক্ষা পীনবা কন্না হোৎনরি। মমাতোম্না মাবু মহৈদি তমহল্লে। অহুবু কন্না হোৎনহুনা পরিক্ষা থানিংলি। স্কুল মচাগী ওম্না অমা ওইথিনবা হান্না হোৎনরি। মহু ওইবা ম্নানদি হৈরবনি মাস্থ। মক্কো লৈরিঙৈদা ন্নানা হোৎনহুনা মীম্নী থবক তৌনা তৌনা স্কুল অচৌবগী অয়াম্বা শরুক্তি তমহৌরবনি। হক্কবীহুনা কা হেক্কো

মোজিনকপমবী লাইরিক তম্বা তোকখি। লোইত্রিবহ্ গম্ভীনীনা তমহন্মুম্ব ন্যাহোকপা য়াই হায়না খল্লুবনি। মহাক য়াম্না হোৎনবা কখনি; মোয়দনা পরিক্ষা তমগনি। অদুবু, মচানুপা কুঞ্জমণিগীদ খবনা পুকফত্তরীত্না মচেশী মচানা করগা মাগীস্থ কগনি খম্না তমদবদগী মনাক্তা কৌশিল্লুরবদুবু মহে তমহনখিত্রে। মচানুপা শেয়-শেয়মা খবক্তুম তৌনবা হায়রি। তলব চাবা থবক্তি। লাইরিক হৈরগা তলব ফংব্রা খবক হেক্তা ফংগনি হায়বসি গম্ভীনীস্থ খল্লি। লৈখোম লৈনাং তৈবা থবক ওইরবস্থ মানা মীরেম্নি খল্লিবা শান্তিনা তন্দুনা তৌরোইদবা নত্তে। মমাতোন-বুস্থ পেলহন্নবা অত্থগা থানিংলিবা পরিক্ষাস্থ থাবা য়ানবা একা-গাড়ীনা চখোক-চৎশিন তৌবা ওম্বা চৌঙ্গী লমদা লৈবা স্কুল মচা অমগী ওঝা ওইবা তাগ্রে। অদুবু, একাগাড়ীদি লৈতে। কুঞ্জমণিনা ময়ম ওকপনিনা লৈরম্বস্থ মাওগ্রে। থবক্তি হৌগ্রে। লৈদবা য়াদবনা, মপান্দি চানিংলিবী মমাতোমস্থ লৈবিত্রবনিনা মবেম্না থনম্বা ইখোন্দু বক্কান খমত্থনা গাড়ী অমা লৈগ্রে। নোংজু ঙ্গুংশা থাক্তনা চৎলি। নোংমতা লেপ্তে।

কুঞ্জমণিদি ময়ুম মকৈ পাম্বা মতম হেল্লবনি। মরমচৎনা মাবু কনাগুম্বী অমত্তগী মপু ওইহত্রি। মীশীং হেনকৎপা থিং-ছুনা মনা কঙ্গদবা নত্তে খল্লিবী, মিংচৎ থীরবা মচাগী মমা ওই-রিবী গম্ভীনীনা মমৌ অমা ফংনবা হোৎনবদগী মক্কম থুদিং চৎলক্লে। উচিন নাচিম্না অমা ,ফংজরে। মচানুপী জামিনীস্থ অরুবা ইমুঙ্গী মৌদি ওইরোইদোরি। অদুবু, মমানা মচানু অগুং

অঙান চাউনা তমহনা খাজনবা হোৎনরি। অদুনা, শান্তিনা মখলকপা পৈশাদু য়াম্না কুপ্না য়েংশিনলক্তে। ইখোল হলোকপা ওয়ানা খোক্লগনি। মুর্শিদৈ তবীছুব্ মঙ্গী অসিদা মধুচন্দ্রনা পাউ-জাক পীবা ওইখোক্লোই। মাদু থৌরিক্কি সুখ-কে শান্তিগী মথক জোহনা পৈশা তাক্লবনি। মাসি শেনদু মথুত্তা ফুডদে। অতোপ্পী মানা তাক্লবা পৈশাদু মাসী করিমতা খাক্নবা মমাতোম্না হেক হেক লৌশিনরি। মচানা তাক্লবা পৈশাকুদি মমা মপাদা পীজরবদি কনাদা থমগনি? অদুবু, মাসীদি করিমতা শেম্বিবগী হা লৈতে। শা ওবা কুম্লমণিবু মী অমুক ওইনবা কম্না হোৎনরি।

হানা তাক্লবা পৈশাদু মাসী ওইজরবনি। অদুগী মথক্তা, মুমগী অমোৎ-অকায় শেংদোকপা, য়োৎ তৌবা, শীং খায়বা, পোৎলুম চৈরম থাংবা—পুম্নমক অসি শান্তিগী শরুক্নি। অসিগুম্ব-সিদি মকরি! গম্ভীনীসি মরক মরক্তা কৌঙ-লক্লোবীসু ওই। আদি হান্না লুকমায় পান্নরবনি। অদুদা, মচা মরম ওকপা শোকলা মশিম-ককা লেপজরবনি। মরক মরক্তা কৈথেন্দগী থৌ হান্দুনা চেং ওল্লগা পৈশা তানখৎলক্লে। হানুবা ফৌদু শান্তিনা হেক হেক ওকু্না মুম য়ৌরকই। মমাতোম্না হায়দ্রিজৌদা চক্রি পুখোক্ত্না তকই। তকপা লোইরগা গুবা হৌই। মথুত্তু লোকথোকপমখৈ য়াওই। মমৈথওবদি পোকথোকখিদ্রে। জাদি-জীদা মনম্নগা চাক থোংবা লৌতানবা মতমদা মানা চাকথুব চঙই। চাবদি নিংথিনা কংদে; থবক্তি মীনায়গুম শূই। অদুবু, মা মহুত্তমহ থোইনা থন্দে। অমুম্না মমাতোনগী নাক্তা হিংদি।

পূন্নমক অসিগী মথক্তা অনৌবা থবক অমম্ভু কুইশিন্নকপদগী কংলক্লে। ময়াম্বদি মুমিদাং পুং মাপনগী মতুংদা মমুম হন্দিনবা ৎরিত্তবদমি হন্দিল্লক্লবস্থ য়া ওই। যুনা মাবু থাদোকখিত্রে। অখেত্তবা লম্বাদা মীমা তুম্নখ্রবা মতমদা মীয়োল নত্তবা লৌশিনা অহিং লৌবা য়াওই। মাবু শত্তনবা গস্তীনীনা হন্দক্তা হায়রে। লাকপদা তায়রিত্তেদদি মচুগী মমক্তা কৌশিন্নুরবস্থু অকণা থবক্তি নত্তবনা হেক হায়খিদে। হৌজিক্তি মরাম্বগী লমচত্তু মশানস্থ মুম্না থত্ত-লবনিনা আনা মরাম্ববু অখেত্তবদা লৌরবা তাখ্রে। মু থকপবু ভৈরগা ওগংলিবা মানি। মুনম তারগা পুক পুক লাউনা থাত্ত-জখনি। অহুবু, মাবু নিত্তবিত্রবা মমা মচাবু ফিবলসী পামত্রবা থবক্তুম্নু তৌবা তাখি। তৌবদি, কুম্নমণিবু পোকমিন্নবা মরাম্ব-মক্তি থল্লি। মু থকপহুদবু পামদবনি। "তামো, তমোনা য়াম্না পান্না শাজিন্নরিবসি থাদোকপা ওম্ন্নরৌইত্রা?" হংজবদা "কনা অমত্তনা ঐবু লম্বা অদোমদগী চিংথোকপা ওম্নরোই। ঐবু মুংশিরবদি নংখায় ম্না অনতা তাঙ্গনু। ঐগী ইনিউ থুংহল্লু। শিন্নবস্থ ঐনা পামজথাসবু থাদোকপদি তৌবরোই," খুমখি। শাস্তি নিত্তবা কায়খি। চেথা য়াদনা অহুম নৈবা তাখি। গন্তীনীনা মচানা তৌরিবহু হৌজিক্তি থিংবা উম্নরোই। মধুচন্দ্রস্থু মতমগী চম্বনবী ওইরবোই থন্দুনা হায়রত্তম কম্নিহু তাংদনা নৈরি। পুশিল্লক-পা পৈশানা গস্তীনীগী মক্কে তারক্লবী শেক্লাওবু য়োক্লুনা মাগী মুপীবা য়ানবা চংল্লি।

অংবা অনা কয়াসি নংলিবা মীমা অহুম পেম্না নৈথোকপা

মরগাইবা মমাতোম্না, থাজদবদগী, মানা তৌজরিবা থবক্তদগী ফংলকপা পৈশাহ লোইনা লোইনা মঙোন্দা পীশিন্দে হায়না থবদগী মুংঙাইতবা পোকখ্রে। মানা তৌববু থাজবিরবদি য়ায়না য়ারবম্ মুংঙাইনা লৈথোকপা ঙম্বা শান্তিনি। অদুবু, মাবু থাজবিদ্রে। মসিদি মানা পুবা ঙমদবা অরাবা ওইরে। মমাতোন গম্ভীনীদি য়ুম্লোম্নবগী হৈনৌ অমুবা, পুংদোল অহাত্তবা, ইম্নাংনাপী অময়ুং মরোয়-মপাং হুরান্নুনা ফিজুংদা য়েপ্তুনা পুশিল্লকইবনি। অদুগা মীগা থংন-চৈনবা মতমদদি "ঐথোয়দি মীগী পোৎ-না অমা কাওবা চাবিদবনি। পুক্নিং শেংনা লৈজগ্রবনি! ঈশ্বরনা অচুম অরান অচুম খায়জনি। লাম্দনা পাঙরিবীনি!" হেক্তা মহায়। অসিগুম্বীসিনা মাবু করম্না থাজগনি? মানা থাজদ্রবা শান্তিকুমারবু ময়াম্বনম্ন থীনা থীনা চৈবিরি। মমা মচাগী চক্রি থাঙবা ঙম্লক্রে। মতৈমচুম্ থরা লৈরম্লগা অতোপ্পা নিপাদা মথম্নায় হিংনবা চেনখ্রে। মাম্ চেম্নিংলে। মতৈমা চংথিবনা অনৌবা থবক কয়াম্ মাগী ওইনা থুংলরে। জামিনীদি মশা ঙমদে হায়দুনা হেক হেক লৈবদগী মুপীগী থবক কয়াম্ মানা তৌবা তাখ্রে। তৌববুদি, মথোয়গী মতৌচু মুংশিদে হায়বনি; মঙোন্দদি থবকশিংচু অনৌবদি নত্রে।

বসন্ত কৌবা মাগী মরুপ অমা লৈ। মানা "মরুপ শান্তি, নঙগী থবক তৌফমদচুম লৈথোক্লোদা! অচুনা করগনি। নঙগী পৈশাম্ তুঙথংপিদে; নংনা তৌবা থুদিংমকম্ মথোয়না থাজদ্রে। জামিনীবুম্ মচুং ইলহনখ্রে। মমা মচাদনা ফত্তবা পুম্বা

থোকহল্লিবনি। লৈহৌরসনু মমা মচা মখোয়! নখোয়গী খুরাম্নু রা ঙাংবা ঙমদ্রে। ঐ নত্তৌ য়েংবা ঙমদ্রে!" মঙোন্দা চীক্লা হায়খিবি। "মরুপ, ঐস্নু মহু খম্বা কুইরে। অদুদা, হেক চংপা ঙমদহুনা লৈরে। মীনা ফস্তে হায়হুনা ঐস্নু হেক ফস্তবদি ঙমদ্রি। ঐবু মখোয়না অপঙবনি খল্লি। ঐদি মখোয়গী পেন্নবদ ত্তৌবনি। ইতৈমা লৈরিঙৈদসু মুপীনা ত্তৌগদবা থবক কয়া কয়া ত্তৌগ্নবনি। হৌজিকসু অদু মঙায়। ঐগী থবক মফমদা লৈরুবদি পায়বনি। অদুবু ... ...!" মানা মখা তানিংদনা রা খুমখি।

কুমগী কুম্মৈ অচৌবা য়াউশং হায়বদু থুংলরে। ইমুঙী শারবা রাখল্লক্তা হরাউ-কুম্মৈগী নৌরবা শকফম্না গম্ভীনীবু কিনা চঙলক্লগা শান্তিদা পাখঙ্গী মখৌ উৎনবা হায়ররে। স্কুলদগী হল্লকপদা লম্বীগী পুক্তি মপান্দা অদুগা খুল্লক ফাওহুনা চেম্বা খোংশিঙ্গী মপান্দা শাবা শানৌশিংনা শুদোক-চ মখোক্তুনা ফৌরিবা চরৈ ফিরেন ময়ামহু উবদা মাগী পুক্লিংনা লাঙদবা ঙমদে। মহুনা মাগী থম্মোইদা বসন্তগী মপুঙ ফাবা নুংঙাইবদি পীবা ঙমখিদে। মুংশিবা মশক খঙকবা মানি। অদুবু, লম্বীদুদগী থাপ্পা লৈনবা হোৎনরি। অদুবু, অরাবা তাগানি! মাগী লুরবা শকমহুদনা মাবু ফনা রাহল্লি। লম্বীদা অস্থম লাকপদা চাংয়া তময়া য়েংজরিবা মাবু নিংঙোল ওইবীশিংনা মখৌ লেপ্পমখৈ য়েংনহৌক্তি। অরেম্বগী য়েংথোকতুনা হায়বহুনি! অদুদা, লম্বীদসু মায়ওক্লনা অরাবহু অদুম মফঙ্গনি। মাদি মুংগী রাখল্লা ঙমহুনা

মখোয়দা হন্না য়েংলমদে। অদুবু, মখোয়না উংখিবা অপাম মুংশিগী ঈরাংদুনা মাবু কনাগুম্বী অমগী ন্নাখল পোকহল্লি। মানদি মতিক মপা চাদে হায়দুনা অদুগুম্বীদুবু কিনা থৈদোকলুবগুম তৌখি। অদুগা হৌজিকসু মানা মশক তাক্লিংত্রিবীদুনা মাবু থাদোক্কবগুম তৌরি। পাউথাং লাকই "তলব চাখিবদগী উখিদ্রে!"

ঙসি মানা অমুম লাকপদা, মমুম য়োৌরমদাইদা হায়রিবী-সিগা মেমচা কৌবী মমাম্নবী অমগা য়াম্না ঙম্না স্কুলদগী হল্লম্বা উখি। মানা মেমচাগা চংমিন্নরিবীদুবু "অমসিদি শোয়দনা মা ওইরমগনি!" খনখি। অমুম নকশিল্লক্কুনা তশেংবা মানা হায়-খিবীদুমক্কি হায়বসি খঙরে। "করম্না হেনকংকনি? তুমিন্না চংখৎখিবদি য়াই। অদুদা, অসিগুম্বা মতমগী চৌক্কক তৌবা শোরোক্না ঐবু মঙোন্দা ইশক তাকখিদোরি। মদুদা ন্নাকংপা য়াদবা ন্নারৌবনা মাবু অদুগা মাগী অহনশিংবু মুংঙাইহল্লোই। ইমানা হায়রম্বা ন্নাদুগী মমুঙ্গী ভাব খঙলবা ঐনি। মদু খঙত্রি-ৈঙদদি মাবু ইচন্দ ইচলমক্কি খল্লম্মী। হৌজক্কি মাগী ঐবু মবুংনি হায়না লৌদবা মিৎয়েংনসু ঐবু হেন্না খোয়রাংহল্লে। তোল্লবা ঐগী ইপামক ওইরবদি মাবু মুংশি লম্বীদা হেক্কা পুরগদবনি। অদুদা, মদু থোক্কে। তরাম তরাম 'চন্দ্রলেখা' হায়বসু চানর-রোই। কৌত্রবশু ঐনদি হান্না উরবনিনা 'তলব চাঙবনিনা মী উখদ্রে!' হেক্কা হায়নদোরিসে!" শাস্তিদু গাড়ীদগী কুমথদুনা অমুক লেপ্লগা মসি খল্লি। মুদি মুঙ্গে তলব চাবা হায়বসি! শেত্তবা ইন্দবা য়াদদুনা লৈরবসু 'তলব চাবনিনা,' অদুগা লৈতবা

মতাং থোক্তুনা খরা চেকশিল্লবস্থ 'লিকৃঞ্ছে' হেক্তা মহায়নবনি। ঙাইখোদা! শান্তিগী মতৌ য়েঙ্খিসিদা! হায়গে হায়বমখৈ হায়-জসন্থ! মা অমুক গাড়ী তোংহুনা মখোয়গী মনাক য়ৌরক্লে। ইক ফবা মীকৌ "মেম্মখোয়দি করিগীনো ঙসি ঙন্না হল্লবদি?" হায়বসিনা মখোয়নিবু য়েংলোমনা য়েংথোকহনখি। চন্দ্রলেখানা ওইদা চংপনা চেপথহুনা য়েংলকপহু মাদি উখিদ্রে। অহুবু, উনবা পাম্লবা মিংশিংনা ঈরাংদা হন্না হন্না উনখি।

মমাঙৈঙদা, ময়ুমদা থবক শূরিঙৈদা থোঙনাঙদা মাবু চন্দ্র-লেখানা মোমোম্লনা মনিঙতৌনা য়েংহুনা লৈবস্থ থেংনব্রবনি। মতমহুদদি, মাদি মমানা হায়রম্বহু কিনা নিঙহুনা লৈখিবনা অধুগা মাবু মুংশিবশিংনস্থ মমাগী ম্লাহুগুম্বা কয়া কয়া হায়বিবহুদগী মপাঙ্গল শোম্না লৈখি। মহুগীস্থ হৌজিক্তি লমল খুম্বা য়ারবনি। অহুবু, কিরি! মাগী চেপথ মায়থোঙ উখিদ্রবা শান্তিকুমারদা, মেমচানা ফাগি তৌহুনা, হংবদি খুমদনা "ওঝাখোয়দি মুংঙাই-রবনিনা উ-লাকখিদ্রেনে!" হায়খি। মহুদা ওনশিন্নখিবনা, নোকমি নোকমি তৌনহুনা, হান্না খঙনরবা অনিগী থম্মোই ভিন্নখি। খরা হেন্দোকপ্রগা "ঐবুদি অহুন্না হায়নবা কুইরবনি," খুমখিবহুদা ম্লাহৌখিবীহুনা "ফাগি তৌবনি, তামো! ঙন্না হল্লকপগী মরম হায়জরগে— ঐখোয়গী ইন্দোন সথাহু শোরাত চংকনি হায়না তৌহৌই; উপুগী শোদি চন্দ্রলেখানা খঙদহুনা থাউদা অহুম য়াওরম্বদগী পুহুনা লাক্লে। মহু পীবা লাক্লবনি। অহুবু, তামোনা মসি অমুক্তা হান্না পীবিরম্লবদি……." মখা তানা তমহুনা খঙ-

হনখি। ওক্লপ তৌনা কুমথরগা য়েংলিবত্থদা অমত্থনা শোর হোন্দবমথে পেন্না য়েংজখি। শান্তিকুমার হন্দক্তি চেম্বা য়াত্রে। মাবু কোয়থৎ থত্তুনা থমখ্রে। মখোয়নি শুবনা মপাঙ্গল কনখ্রে চন্দ্রলেখাত্থু। "ঐ রিক্সা অমা থিগে; মত্থনা চংস্নো; ঐদি থবক অমস্থু চংলু-খিবা তানি," থন্না থল্লনা মতুংদা থুমখি। "ঐখোয়দি পৈশাস্থু য়াওদনা, করম হায়না......?" মেমচানা শোনখি। "ঐনা শীনগনি," হায়না মমাবু কিরিবী চন্দ্রলেখাবু মপুঙ কানা হন্নাউ-হনখি। রিক্সা অমা লাক্কুনা মপা য়ৌরক্লবদা শান্তিনা ভাওনত্থনা মখোয়নিবু থাখ্রে। কাখংপদস্থু মফি-মরোল শেম্বা শাত্থনা অত্থম মউজখি। চংখ্রে।

তুংদা তপ্না চংখিবা মানা অনৌবা স্কুংশি ঈথক্তা তাউরবা পুক্লিংগী ঈহুল অমা ফঙ্খি। চন্দ্রলেখাস্থ, ডাসদি, মাগী নিঙজববু উরুবদা মমাডৈঙগী "ফংলরোইদ্রা?" হায়বত্থু থাদোকখ্রে। চুম্না উনবদ নত্তে; মত্তেংস্থু পীগ্রবনি। মায়শাবত্থ মপুক্লিং পুমওন ওনখ্রে। লাইরবা ইনাক খুম্বা থিদবা স্কুশিবনি হায়বসি থনখ্রে। অত্থবু, চিংনবদি থন্না মরৈরি। করমস্থু মমাতোনগী ইমুংদা মত্থ-শুম্বা ব্রাখন্দুগা লোয়নন্না লায়না চঙ্খিগনি? অত্থবু, মীগী পুরিবা পৈশাত্থ শিংতোক্লম্লগা চীংদা অত্থম লৈত্থনা মাগী ফনবা শীম্বা ভমগনি হায়বসি থন্দুনা খিত্তংদি স্নুংভাইজখি। অত্থমদি ওইরবদা, কদাইদগী পৈশানা মীগীত্থ পীখিদোরিবনো? পরিক্ষা থানবস্থু হোৎনরি; মত্থস্থ শেন্নি। অত্থক কুইনা থনক তোরকপবু অন্নাৎপা লাইরিক ফাওনা শুনা লৈনা ভনাদ্র।

য়াউশং মৈ থাঙ্খে। মমাম্নবশিঙ্গী মতুং ইন্দুনা মমাতোন্দগী ছুটি নিংথিনা লৌরগা কোয়থোক্লি। কাগি তৌবিরি "চন্দ্রলেখা-খোয়রোমদা চংলুসিরা ? তনব্রা ?" নিঙলিবত্নমক ফোংদোক্লনা খুমখি, "করিবু তৌরুগবনোনে ? থীক নেম্বা ঐদি অম্থম নেমহনা লৈজরগে!" নোংমা নির্নি লৈরগা লৈশাবী ময়াম থাবল চোংবগী শেল নিবা লাকই। মেমচানা লুচিংলকই। মতমসিদা বসন্ত কৌবা শান্তিগী মরূপ অত্নম্ মাগী ময়ুমদা লাক্লনা মারী শারি। মখোয়নিগী মারী তোক্লনা বসন্তনা "মরূপ, চন্দ্রলেখাখোয় লাকই-মাল্লেনে! থাবল চোংবগী পৈশারা, চাক চানবগী লুপারা অমদি শোয়ব্রে!" তাকখি। শান্তিনা থোক্লনা য়েংবদি কিবোই ইকাই-বোই তৌত্নমা থোঙনাওদা য়েংথোকখিবদা মখোয়বু উখি। চন্দ্র-লেখানা মুং ইথং থংনা য়াম্না ইকাইনা চংলকপত্নমু থখি। হায়ররে "তামোখোয়, পৈশা তংদনা চাক চানবা য়ানবা শীঘনি। অত্নবু য়াব্রে। চাক চানরগা থাবনমু চোংবা তারি, খরা খরা হাপ্পিয়ুকো!" "মেমচা য়াওরবনিনা নখোয় মায়থীবদি ফংল-রোই!" বসন্তনা খুমখি। মেমচানা মখা তাখি "ঐখোয়গীসি মরম অনি অত্নম থোক্লা লাকচবনি। ইচে জামিনীগ্ন উননিংই অত্নগা……," আস হায়ত্নমা চন্দ্রলেখাদা মুল্লা য়েংত্নমা লৈখি। মীগী ময়ুমদদি মমায় হাইগংপা ওমদবী চন্দ্রলেখাবু শান্তিনা হুরান হুরান্দুনা মীরক্লদা উনবা হোংনখি। পীব্রে পাখংশিংত্নগী পীগদবা শেন্দু। চংঙ্খ্রে লোইনমক; গম্ভীনীখোয়দি উনবা ফং-খিব্রে। শান্তিকুমারগী লুংশি ঈপোম লাংলক্লবা থম্মোইনা

ময়মাতোনগী মীওং শাজং তুকচবনা অচীকপদা চন্দ্রলেখাবু মাগী তশেংনা ওইরে হায়বসি হেক হেক খঙহল্লক্রে।

---

(১০) মকাদগী থুংলবদা

মেমচা কৌবী ব্লাঙাং ব্রাতা ফবীতুনা মকোক চিংতুনা শান্তিকুমারগী য়ুমদা লাক্লম্বী নৈশাবীশিংতুগী মরক্তা ম্লাওখিবী চন্দ্রলেখাবু হনখিবদা লম্বীদা গন্তীনীনা উখি। মাগী মপুক্লিংদা "চুমইদনা মীনা হায়নবা ! মাগী মচা মুপীসিদি য়াম্না ফজ্জেদনা !" খনখি। মতুগী মুমিত্তগী ওসি ফাওবদা গন্তানীসি ইমুং মুংঙাইত্রি। য়ুম্বান ওম্বা পাম্বীনি। অতুনা, মচামুপীসি তশেংনা ময়া ফংদনা হমুবী ওইরগত্রা খন্দুনা লৈব্রে। মচে কেতুকীগা তানতুনা অমদা লুহোংবিনবা তৌরি। শাগৈ জাং য়াম্না ফবসু পাম্বীনি ; মশক মতৌ ফজবা, মহৈ মশিং হৈবা অমসুং লল লৈববুসু থিবীনি। অতুবু, পুম্নমকসিগী মথক্তা অমদি ইখন খল্লি। লমচৎ য়াওদবী মাদি লমচং ফজববু মীখানদে। অতুনা, মরমচত্তি য়াওদবা অতুগা মথকী অতৈ গুণসিদি চেম্বা মুপা অমদা শেল য়াম্না চঙনা, মচানদি য়ানিংদনা, হোঙবিগদৌরে। অানিনীসি লাইবিক লাই-শুসু খরা হৈরবনি ; অতুনা, লৌশিংসু য়াম্না তারবনি। অতুনা, ফত্তবা মুপাদা, মরু ওইনা, লমচং থীবদা ময়ুম পাল্লবদি ব্লাগনি হায়বসি খঙবদগী মমাগী থৌশীন্দুদা মপুঙ ফানা পাম্বা উংনিঙদে। য়াম্না লিনা মপুরোইবা ফংলগনি খল্লিবা মবুং কুঞ্জমণিনসু মমাগী

মীচঙ চঙত্থনা মচনবু অউনপোক্তা পুন্দুনা থম্মোই তিন্নদবা মুপাদা কখোকখ্রে। তৌববুদি মমাগী মচানিনা থরা অঙাং ওইরিঙৈদা অমদা কোক চৎহৌত্রবদি নিংঙোল পুন্সি মাঙ্গদৌরিবনিদা! অদুবু, মীনা য়াম্না তাম্নবা মচাদি শেমহৌত্রগা, হৌজিক্তা অকবা মুপাদা মচা থাজনিংলিবী মমাবু দি পেন্নররোই। মচা মুপাগীম্ভু য়াম্না চখোৎবী অমা অমুক লৈনিঙলি। লুখ্রেদা, গম্ভীনী নংনা তৌগদ্দসি! নচা-মুপাম্ভু অদু মঙায়দো! নখোংগী নমা নচানা মধুচন্দ্রগী রাম্ভু লৌদে। মচা থাজবগী মতাংদা মপানা ফনা য়েংখি। মচাবু, অউনপোক্তা তোংহন্দুনা পুক্লিং তিন্নদবা মুপাদা পাদনবা থামখিবদু শান্তি-কুমারগী ফনবদা শেম্লিংবদগী তৌরিবনি হায়না গম্ভীনীনা ভাংবিখি। কুঞ্জমণিম্ভু মপাবু মুংশিখিদে। লল্লৈবীগী মপান্না হিংলিবা মধুচন্দ্রনা রা মথা তাদনা তুমিন লৈখি। অদুবু, মাম্ভু মনাঙৈঙগুম্না ইকক ফকচিম্বা মুপাদি ওইদ্রে। অশাউবা উংপা ঙমদ্রবম্ভু য়াম্না য়া-নিংদবদদি মমা মচানা তৌবদা তপ্পা তপ্পা য়েংপা হৌরক্লে।

হৌজিক ফাওবদা শান্তিকুমার ইখোল হন্দোকপা ঙমদ্রি। গম্ভীনীগী মনাক্তম্ভু মানা তৌবা থবক থাজবিদবদগী লৈবা পাম্লক্লে। ইখোন্দু হন্দোকপা ঙমদ্রি হায়বসি তাবদা ইবোতোম্না মুংঙাই-ত্রদুনা মাবু মঙোন্দগী পৈশা লৌরগা হন্দোক্লবা থঙহল্লকই। লুপা ৩৫০·০০ দা লৌখিবনি। মতুমক লৌরনবা শান্তিদা হায়-রকপদগী ঙসি য়াম্না কিনা অমম্ভুং ইকাইনা নোংহেক ভাম্বগা মানা কুইনা চঙলক্তুরবা বীরেনখোয়গী য়ুমদা চৎনবা তৌব্রে। বীরেনগী লুহোংবম্ভু নকশিল্লক্লবনি। অদুবু, লুহোংবনচিংবদা শেল

য়াম্না চঙহন্নিংদবা ইবোতোম্না শাক্তিদা হায়রিবা পৈশাহু থংবিবদি করিস্সু লৈতে। মানা য়োরক্তি ঙৈদা অয়ুক্কী পুঞ্জি মপান্দা লৈহাক্তি লৈরেমগুম লমডাব্বী চন্দ্রলেখানা মুমিদাঙ্গী তরা চাকফমদা থো-দারুবা পুথম জেক্কোং নিক্লাং কম্না শেংদোক্লি। থাক্কনা খাদোক-পিরক্লবী থরোনা থম্মোইগী অন্নাবা পুঙমদনা লৈরিবহু মাবু উরবদি অস্সুম্না খম্বা য়াই, "চন্দ্রলেখাগুম্বী ওইরম্লবদি মানা ঐবু কৈদৌঙৈদস্সু খাদোক্কনা চৎলোই। ঐনা লাইবক থীবনা মাগুম্বী ওইদ্রে। অতুনা, ঐবু হেক হেক হুন্দোকপিরিবনি!" নিংথিবী জগোই শাবীনা খুংথেক খুংলৈ হাপ্তুনা ফজনা শাবা জগোইগুম, মুক্সাঙ্গী পুথুম তাজবী পাম্বোমগী নৌরবী খুজেঙনা কোনকেঙ থৌবাঙলিবহু অউবা কনাগুম্বনুদি লায়না গুমহৎকনি। ভানগায় শূবী লমহেল্লবী মাগী শম্বুম্না মথৌ চিম্বী মাগী নিক্তি লিক্লিবী কোক্তা লৈনিংখিদ্রে; শমজেং চৈরাক কংদ্রিবী মুনা শাংবী শম-য়ামহু তিংথৌ পক্কা হাইথদ্রে। শাউরংননা হৌগৎলগা নাক্তা লৈবা পাত্রগী লাইজনা মথুবাং অনি খাদোক্লগা ঙসিগী ব্লারক্তিব্রবী শময়ামহু ঙাউরি কৈরি খুদাপ অনি শারগা য়েং ওই থায়হুনা কোক্তা কোয়য়েং য়েংশিনদ্রে। ওম্বোকপা মতৌনি! শম্বু অস্সা ব্লারকপ্রা, চন্দ্রলেখা?

পুঞ্জি মপাল পামজবী লৈরাং কবোক্লেনা চন্দ্রলেখাবু উবদা ঙক্না য়েংহুনা লৈখে। অতৈ কনাসু উথিদে। ইকাই থীবী হকচাংনা কুরিংথক্তা নম্বা ফিদেকী মতেংহু ঙাইহাক্তি লৌখিরোই খন্দুনা মাবু শম্বল্লৈরক্তা পোথাহল্লি। দগি ফংঙবা শম্না থাদোক্লবা

ঙকশয়া তরুনা তোজানা শাংতক তৌনা কারগা মওং চুম্নবী শমুনফমগা চিল্লোক্লরি। মমল য়াম্বা লৈতেং পামদবী ঙকশমত্থুদা চম্নবা লিক পরেংনা মুংঙাইনা পাঙ্গরি। য়ায়গী শরুক্তা মিংফম হোঙখ্রে। খ্বাঙ্গী কোমগোম্নবী চরৈবু, উঙমদ্রবা মফমদা ব্রাইতৈ লৈখোম্না কল্লক্তুনা মকহনগে খন্দুনা শোকখিবদগী হেন্না ফজ-খোকখ্রবী মাগী পাম্বোম অনিনা ফিরাক তম্লি। মুপীজ্জা ওইবীগী মপুঙ ফানা ইনথংলক্লিবী হকচাঙ্গী ফুরিংনা ওইনচাউবদগী ছুন্দোক-পিরবী অত্থুগা খ্বাঙ্গী ফিনসু কোঙ্গম্বিদ্রবী ফিখোংফমগী থকওইবা অহাঙবা শরুক্তুদগী থক খা অনিমক্তা নোয়খোক্লদবা মফমদা অত্থম নোয়খোক্লি। মীনা থবক অসি য়োনা চিল্লিবৈদা মখুয়াদা করিনা অমুক য়ুরিবা? খঙনিংত্থুনা য়েংবদা, ফজনা ওংনাইবী খোঙ্গী তঙাং তঙাংবী খুয়াদা করিসু খোইদোকপা খেংনখিদে। য়েক্লবা তুম্না উনিংবীগী মীচঙ চঙত্থুনা লঙনখিবা ওইরে! খুরুম খোঙদা উবদা, পোম্লিবী লফু থরোগুম্নবী, শাংপা কিত্থুনা লোং-চন্নিবী লৈহাউগুম্নবী পুম্বুম্নবী মখুবোম্নসু মিপাইনা মশক উংখ্রবনি। নিংখিবী তুংয়ান উংলিবীত্থুনা কোক্কী মতৌত্থ অমুক নিঙশিংলক-ত্থুনা মীনা য়েংবা য়াবা মওংদা খেমজিনগে হেক তৌবদা একা-গাড়ী তোংবা অমা কোম্বোং হাইজিল্লকপগুম তৌখি। শম্বল্লৈ মরুমদা চেনশিনখ্রে। ঙসাইগী থক্কী শরুক কুপ্পবা ফিত্থু লামত্থুনা শং লৌশিল্লগা মাগী মথৌ অমুক শূহনখ্রে। খুদক্তা মশমত্থু চংনবী শমুন শেম্নগা অতোঙবা পুম্ব্রি মপান্দা লেপ্পগা ওন্দুনা লমজঙলোমদা য়েংখোকখি। মাগী মিংফম হোংহন্দবী মায়খোঙ্গী

করিস্তু খঞ্জকদবী মিংনা চঙলকইবহ্ মাগীনি খঞ্জহুনা খল্লিগা শান্তিকুমারনি হায়বসি খঙ্খিবদগী খুদক্তা মথৌ চিনখ্রে।

শান্তিকুমারনা মুংশি লম্বীদা চংমিন্নরক্লবীনি হায়না খল্লবস্থু অমুক্তংদি "ঐগীদমক তশেংনা লেপ্পিরব্রা?" হংনিংবনি। অহুবু, খম্বদনি; মতম ফংলোই। মতেং পাংবিনবা মীগী মথুমদা চঙ-লকপনি। মমাগী ব্রাহ্গী মমুঙ্গী ভাব খঙলবস্থু, ঙসিদি মমায়হ্ উনিংলিবীহুদা চুম্না উংপা ঙমখিদ্রে। অমহুস্থু কনা লৈতবহুদা ঙাওজরির্বনি। মতোমদা খঞ্জরি "করিগুম্বা মানা ব্রাহৌরক্লবদি 'ঐসি অতৈগী নত্রে' খুমহুনা খঙহন্নিংলবনি! অহুবু, ...।"

শান্তিকুমারনা পৈশাহু পুরগা হল্লকপদা পিশক কৌবা মুপাহু লম্বীদা উনরে। মধুচন্দ্রনা মচাগা উনহল্লিবনি। পৈশাহু ইখোল লৌরিবহুদা পীশিল্লুবা তারে। মপাদি থবক অসিদা য়াওনিংদে। মরমদি, মাগী মুপীনা মাবু মচা মুপা শান্তিগী মী চপ চানা ওইখ্রে হায়না খল্লে। মহু কিবদগী য়াওদবা নত্তে। মথা তানা অমুক য়ানিংদবা থবক তৌরক্লবদি মানা, মচানা চৌংদা চংগ্রবা মতুংদা, লংফৈদা লৈরুগনি হায়বসি খন্দুনা, অমগীস্থু অমগীস্থু থবক তমতা য়াওদনা, পোকথায়রগদবা বোমগুম লৈরি। মানা তাম্বা পৈশাস্থু লোইখ্রে; মচানা ফংবস্থু তুমখে। অহুনা, মা পোকথায়নিংলে। মমা মচা মখোয়গী মমাংদা শান্তিবু লুনা তৌবস্থু উংনিংদ্রে। মপুক্তদি মাদবু নিঙখ্রবনি। অহুবু, গম্ভীনীস্থু পৈশাহু শান্তিগা পিশকনা থিল্লুই হায়বসিদি খঙখে। লোম্না

পাউ পীনবা মী য়াম্না থম্বনা মসি খঙবা ঙমখি। মানা শন্দোক্লি, "ঐনা মচনগী লুহোংবদা লুপা ২০০'০০ খক্তা পুবিয়ু হায়বদি, পুনা ফংদে হায়খিবনি। অদুবু, মাগী লুপা ৩৫০'০০ দি কদাই-দগীনো লৌরুরগা মাগী ফনবা শীনখ্রে। ঙমগ্রেদা, মসিগী অঙাংসিদি! ঐনদি ইচান্নপা কুঞ্জমণিদগী হেন্না লুনা তৌরি! ফংত্রে! ওংম্বাক্লা ফংত্রে!" পিশক হায়না অসি মধুচন্দ্রগা লুনা তিন্নবা মরুপ অমা ওইরম্বনি। অদুদা গম্ভীনীগী মরীদগী খবা থাপ্লেংরুনা তাখি। অদুবু, মধুচন্দ্রনা হন্দক্তি মাগা য়ান্না লুনা তিন্নরকপগুম তৌরি।

শান্তিকুমারনা ময়ুমদা থুংলবদা মাগী মপোৎ মচৈ মথৈ লোইনা পুমচাই চাইরম্মী। মুকফুনা মুক্তা কায়নরম্মী। অমা থম্বনা য়াদবদগী, ম্বানা অনিখক্তং শুনবা হায়দুনা কোন্না তুজরুবা হল্লিবা থোঙ্ক্লাউনা মফম থাদোক্তুনা ফিতুপ কায়না মাগী ফমুংদা লৈরম্মী। ফি খোঙউপ অমম্বা অমা লৈরিবদুম্বু থক্ষমদগী ওন্থরম্মী। ময়াম্বনা মগুণ মাঙহল্লুরবা চৌকি টেবলশিংছু মানা নৌনা মশক থোক-হল্লি। লুবা পাম্বা মহাক্লি। হকশেনগী পাউতাক লুনা খল্লবনি। মপোংনি হায়না লৈজবমথৈ, ঙসি ইবোতোনগীদা চৎখ্রিঙৈদা, লোইনা মফম হোংনা শকফম ওন্না লৈরম্লে! নহানমথৈদি অসিগুম্বদি থেংনরক্তবনি। মানা মথোয়বু অমুক হান্নগুম্না মফম মফমদা থম্লবা মতুংদা মমাতোনগী মশক উরকই। শাউরিদা গম্ভীনীছু। মচীন্দু খুংমক্লি। মমাইঙৈদা শোকখিবা মিত্তুদি মথৌ

লেপঞ্জবনি। চহিস্নু ফনা য়াম্লবনি। অদুবু, য়াম্না খেংলিয়ে। ঙসিদি শান্তিগী পুক্নিংনা "শান্তিকুমার, নং অসিগুম্বা মরুদ্যান লৈররোইদবা মরুভূমিদা লৈনি'লিব্রা ?" হঙ্খি। অদুবু, নোংমা নিনি লৈরগা থুনমক চংপগী ৱাদি ত্তোকখি। মানা ফংবা শেনগী মরমদা মপুক শেংনা শেংনা ৱারী শারিবনি। লাইরিক লৈবদা, মাগী হোংদবা য়াদবা মফি-মরোল হোংবদা অমস্তুং একাগাড়ী মশা ফনা থম্লবা হোংনবদা চংপা শেন্দনস্নু য়াম্লিবনি। মাদি, ইমুঙ্গী মীশিংনা মুংশিবিনবা হোংনবদা, করিগুম্বা অচা অথক অমত্তা মনিঙ ত্তৌনা লৈরগা ৱানা চংলিত্তৈদা কংলবা থম্মোইবু ইঙহন্বা ঙমদে। অদুবু, মাবু করিস্নু থাজবগী মওং উত্তে। ৱারী শাবা মতমদা মানা তম্বশিংহু হরাউ হরাউনা ত্তাখি। অদুবু, তুংদা হেক্তা হায়গুমই। চে কলম পায়হনা মশা মশাগী নোংমগী, থাগী অমস্তুং চহিগী কয়া লাকপা, কয়া চংপা হায়বসি পাহনা য়েংবা হৈত্তবা অমস্তুং য়েংনিংদবা মখোয়গী নাক্তা করম্না মানা হিঙ্গনি ? হিসাব য়াওদনা করিগুম্বা থবক অমত্তা ত্তৌবা য়াদবনি। অদুবু, অদুম ত্তৌবহন্নু শান্তিবু মখোয়না হঙ্গাম মন্না তত্থাই থায়বনি হায়বিরি।

বীরেনগী লুহোংবা নোংমা নিনিদা মঙায়রে। শান্তিকুমারবু ইবোত্তোম্না মমাম্লবা থরগা লোয়ননা হায়রিবা থৌদোক অসিগী-দমক্তা থবক কয়া ত্তৌহল্লি। মখোয়দু থবক লোইরগা ইবোত্তোম্না চাক চাঞ্জো ত্তায়না খামখি। শান্তিগী মরুপ বসন্তগা থানা মী অহুম মরি গুরি। "শান্তিকুমার, ঙসিদি চরাঙনরদনা নয়ুম

ছন্নৌইদৌদ্রিরা ?" মমাতোন্না খোঙকাপ অমত্তা চথোকহন্দনা ইমুংগী থবক্ত মূহল্লিংলিবা শান্তিদা, থুনা চত্নু না মাপী চাক হাপ্তনবা পাঙ্ত পীনিংলিবা মপুক্লিংনা হংলি। মরুপ্পা খল্লিবহ্ বসন্তনা ট্টই। হায়রকই "করি তৌগনি ? মখোয়না তাম্বোক্লগা সিদা লাক্লগা লৌইবেদনা !" চাক লোইখ্রে ; ঈকুজবা য়ারে। চন্দ্রলেখানা খোংথা চাক চাগনি হায়বগী খাথন্না মমাতোনবু কিহজ্রবা য়াম্না ইরাউনা মরুপশিঙ্গা ঈকুজবা চৎখ্রে। থবক অকন্বা লূন-বদগী অফংবদ চাগে খল্লিবা পুকশিংনা চাক চাফমদা ইন্দাং মখেন অমা অনিনা প্লোগল্লবা তাঙনা কংবা চাক্লা পুকওইবা চাক পুন্থমশিংহু উবদা তুমিন তুমিন খোনাউ তিল্লাং ঈহৌথি।

মুখি পানগা থাংজিংগা—অনিসিনা তুংথংবা খজিং কংজৌ পুহুনা লূচিংবা চুবান্বা ঙা থোংবগী মনিঙ থুংহল্লি। অম্বন্না মখেন-শিংনা পুম্বসি ইবোতোমগী ইমুংদম্থু কিনরবনি। অনি শুনা তিন্বফাওবা ওন্নদ্রবনি। অহুবু, ঙসিদি মখোয় উনরি। চাক্কি য়াম্না লাম্লবা শান্তিকুমারনা ইচা চাদবগুম তৌই। মচান্নুপীগী মতেং পাংহুনা সখীনা চাবিবশিংহুগী সেবা তৌরি। শান্তিনা ইচা চানিংদবগুম তৌবহুদা সখীনা "কবি তৌবে, ইবুংঙ', নংদি ইচা চাদ্রেনা ?" হংজবি। "ইন্দোন, হকচাংসি ইমুং মুংঙাইগুবগুম তৌই ; অহুননি," খুমখি। "অঙাং ওইবিডৈদা পঙাকৌ কৌথিবা ইন্দোম্দু হৌজিক্তি তোক্লোদা !" বসন্তনা মতোমদা খঞ্জরি। চারিবশিংহুগী মমুংদা বীরেনগা লুনা তিন্নবম্থু য়াওরি। ঙাথাক থুমথাক হৈবী চন্দ্রালেখাগী ইন্নাংশিংহু অমত্তা ইকাইবা ফথিদে।

মোরোক পাম্বশিংনা কংঙৌদা য়াওবা তখাইশিংছু মাঙহনখিজে। লোক থুংনবা কাংবুদি হেক মন্নানরেদা! চাউরপ ভৌবা চখোয়া শানা শানা মোরোকা মীচঙ ওইছুনা চীনম্নুংদা অন্নাবা পীরক্লে। ইরোম্বনবু ফাগি য়াখিব্রেনে! মোরোক চাদবা শান্তিকুমারবু চন্দ্রলেখানা লুনা খল্লিবছু মানা শাউবনা লোইখে। মণ্ডপ মাঙবা য়াদে হায়ছুনা মোরোক অতেকপা তঙ্খি থিরকই। মানা মশক খঙবশিংবু হাম্নগুম লুনা ভৌখে। কা হেন্না শানবা য়াওরে। চরয়া চঙহন্দ্রবা মোরোকী অশাবগা তিন্নরবা পীক্তবা চখোয়া মওং ইকায় কায়দনা থুংকম নত্তবদা পল্লি। নাতোনম্নু মুংশিংপু চঙখোক-চঙশিন ভৌবা থিংখে। য়োংপম্নু য়াদবনিনা হুই খোংবা য়াওনরে। অঙাং ওইরবা অমা, য়োংপা য়াত্রবম্নু ইরায় লায়বনি। মন্থম্নু য়াবা নত্তে। ব্লারেদা! চন্দ্রলেখাদি মনিঙখোঙদা থোকপ্লগা মতোমদা নোকলুমাল্লে। মতাং অসিদদি মাগী চখোবী য়াশিংনা, চারিববু য়োংপা ঙমদনা লৈরিবশিঙী মমাঙদা, মখোয়গী মশক উংনিংখিদে। অন্থবু, নোক্লিংবছু ব্লানা খাঙছুনা অমুক চঙলক্লিবী মানা, উনিংবদা উনবা য়েংলকপদা, ফমছুনা চামিন্নরিবা চিঙ্গাক্লা ওংলিবছুগী মতৌছুদা মচীন খুমছুনা নোক্লিংবা খাঙলম্বছুগা ওক্করে। চুম্নগী নোক্লিংবা মাঙখে। ফংনগ্রে মুংশি মীনোক অমম্নু অমম্নু! মতমসিমক্তদা ইবোতোম্না মোরোক য়াম্না শানবগী মতৌছুদা "ইচাশিংদি য়াম্না শারমাল্লেনে!" হায়রকপদা "উম! খুরা, মী খরদি ব্লানরে! লৈনায়দা ঈশিং হৈদোক্লগা ওন্দুনা খাঙনিংলবনি। ভৌজক্তবগী মহেনি। খাঙঙথকী

মোরোক্না লাক্লবনি। লোয়নরকপনা পীবা অল্পাবা নত্তে," হায়না করেম্লখি বসন্তনা। চাবা লোইনগ্রে। হান্না নোয়বা চীম্বাল্দি তঙাং তঙাংনা হেন্না চাউখৎপগুম তৌগ্রে। পোখানগ্রে মুংঙাইবা মফমদা।

অম্মুম ফমহুনা লৈরিঙৈদা শান্তিগী ফুরিৎখাউদগী বসন্তনা অথুপ্পা চে অমা পুথোরক্লগা ত্তিংথোক্ত্না কুইনা পারি। কনা অমতা উখিদে। মতমসিমক্তদা মেমচাস্থু লাক্ত্না চন্দ্রলেখাবু মাগা মুমিদাংবাইরম ঈশিং শোকপা চংনবা হায়ররি। মতম অসিদা পায়রিবা চেহুনা অতৈনা মচি লেঙবা ঙম্নদনা লৈরিঙৈদা শান্তিবু কিনা য়েংহুনা লৈরি। থুপচিনগ্রে। থুপচিন্বগী মথোন্না মাবু হেক য়েংথোকহল্লকপমক্তদা বসন্তনা হনগ্রবী মেমচাদা তান্ন-হুনা কনা অমতা উক্রিঙৈদা "চন্দ্রলেখাদা খরা পীখো; শোয়বা য়াদে!" হায়না থুপচিল্লবা চেহু পাগ্রে। মহু শান্তিকুমারনা, বসন্তনা মেমচাদা মমিং পনগ্নিবীহুমক্তদা পীনবা কুইনা মাগী ফুরিৎখাউদা হাপ্লক্লবনি। মফম অমস্থুং মতম চাবা ঙাইহুনা লৈরিবনি। য়াম্না তাঞ্জা চারবস্থু থৌনা পীবা ঙম্নরোই খঙলবা মাগী মরুপ্পা থুংফমদা থাখিবদনি। মরুপু্না হঞ্জিল্লকপদা শান্তিনা হান্নগী শকফমহু মাঙনা "খরা শেমদোকপা পাম্বনি। মহু ঙসি অসিদা পুরকপা নত্তে; লৌথোক্ত্না থনম্বা কাউবদগী অতুম. য়াও-রকপনি," তন্না ইমুংহুগী মী অমতা উক্রিঙৈদা হায়খি। "করিগী অমুক শেমদোকনি? মুংশি মকাদা থুংগ্রগদবনি। করিস্থু খল্লুরন্থু,

মরূপ!" মকুপ্না হেন্না নেন্না খুমখি। সুংশ পত্রহুপী মরোনবুদি অসিনি :—

থমোই লৈরাং নিংথিবী,
মীওই পুন্সি ফংজবকপদগী নশাইগোন্দা,
ঈরাক্রুবদগী লানঙমদ্রবা ঈচেন্দদা,
ওইনিংলুদ্রে মাগী মরূপ পুন্সিগী পাখংনা;
খঙলুদ্রবনি শাবী শানৌগী মুংশিবনা;
খঙহল্লে—য়াদে পাখং ওইবা মুংশিবা কাউবা!
থুংলবে মুংশি ব্লাখল নিংঙোল মঙ্গী ওইরবা।
হায়নৈ—অচৌ-পিশক থায়দবনি মুংশিবদি!
অহুবু, কিজে 'তিকওইদনা ইঙম তাবদি।
য়াইফ কোন্দা পলেম পম্বোগী মাউয়োক ফংলকপী,
চহ্খোল্লবী বসন্ত পূর্ণিমা মকশীলহল্বী,
শামাম্নবী উরুবা মুজ্জা নংবু কাউঙমদ্রে;
লেংমাম্নবী য়েংলগা পাখং পুক্লিং লৈতাদ্রে।
হায়ঙমদনা লৈরুরে চিংনবনা ঙমহুনা,
মায়থীরবদা মহাক্না হংজরি অম্মুন্না—
নতৌদা মুংওনখিবা ওইরদ্রনে অরাম্বা?
তাবিরোইদ্রা হংজবা, তৌবিরোইদ্রা পাউখুম্বা?
মোমোন মীনোক্না চৈপথ মিংথয়েং ভুংইনখিববু
খোয়দাবমক ওইহুনা লাম্লোক্লব্রা থম্মোইবু?

ক্ষোঙবিরোনে পাঙ্খোংষু, তাকপিরোনে ঐগোন্দা ;
খঙজগে মুংশি পোংকন তাইবং মেলা শঙজাউদা।
নিংঙোল পুক্রিং খঙজনিংলিবা।

ময়ুম হেক য়েবগা ময়াম্বা য়ু ঙাওবনা "নংদি মীগী ইলাং অহাউবদ চাহুনা লৈরেদনা! তলব চারবনি নংসু! ঙা লৈহুনা হেক হেক পুশিল্লকউদনা! অহু ওইরবদি ঐখোয়সু হাউনা চাবা ফজনি। লমদা অহুগা মীগীদা অহাউবা চারুরগা হেক্তা ইহাঙ হাঙনা হল্লকই!" ঙাখি। মাগীসিদি য়ু ঙাওবগী তৌবান খম্বা য়াই। অহুবু, গম্ভীনীনা "য়াম্না লৈনিংলগা চৎপ্রো হায়বসু য়া-দেদো! লুনা নিঙগ্রমাল্লে ইবোতোনগী মচানুপীনা! অসিবু করম্না লৈমিন্নগদৌরিবনো? অরেম্বগী কৌশিল্লুরবনিদা!" হায়না মুক্রম মুক্রম শোম্না শাউখিবহুদি মানা য়াম্না মুংঙাইখিদে।

---

(১১) মখোয়গী থৌশীল

মুমিং য়ুংলমদাইনি। মীগা শেল শিংগ্রবসু হেক চৎপা য়াদনা লৈরিবা শান্তিকুমারসু স্কুলদগী ময়ুম তম্লক্লি। অতিয়াগী শক্ক থরদা কিন্ধুগদবগী মঙংদা চাউর চাউরবা নোংছুমশিংনা খান্না লাউনা মংলি। হায়নরি, "ওসি নিনি হুয়িাস, ইঙাদ তাদনা য়াম্না খোং-লাকখে_দা!" তৌববুদি, মফম মফমগী ওইনদি চুবা নোংজুনি। ময়ুম য়োরমদাইদা শান্তি নোং নংলে। মতম

অমতদা মকম শীঙ্বা থুংনা চুবা নত্তবনা মা ঙসাইমখৈদি ইকং কংনা লাকপনি। মতৌসিগা কয়া চানফাত্তনা মুপী অনিথকস্থু থাপ্তক তৌনা চংল্লি। মখোয়নিতুগী ফিজেত্তুদি থোইনা লাপ্পদা চংকদবা নত্রগা চংলুবা নত্তে। অতুবু, থুংকমদি য়ৌগদবা খরা ব্রাংলিবনা অতুম মচংলি। পাখংতুস্থ পাখংলিনা থুপ্নস্থু হঙ্গোইতুনা গাড়ী কম্না থৌতুনা চংলি। মশক খঙদবমখৈ চোংখে। অনিতুস্থু শাত্তিন অমমম চেংনা চেংনা পায়তুনা, কম্না কম্না থাক্তুনা চুবিবা নোংলক্কা চংনা চংনা, মতুংলোমদা য়েংলগা শান্তিবু উবদা "গাড়ী তোংবা অমস্থু মবাকইদনা!" হায়না অনকপদা মী অমতা উদবদগী শোল্লি। চুববুদি খোংবনা হেল্লি। নোংদি হাংবু হাখি-গদৌবে। খোংবদি লেপত্রি। কিদ কিবা মখোন্দি তাত্রি। অতুবু, থন্নতদবা অকিবা থুংলবে। মখোয় অতুম্না য়াম্না ডাম্বা নোংথাং অমা উখি। মতুগা লোয়ননা নাকোং য়ৈশিম্বা পুক্লিং হকচাং খঙশোন শোত্থহম্বা কম্না থাকপা নোংখাক অমনা মখোয় অহস্থু ফীবম কায়হনখি। শান্তিকুমার গাড়ীদগী খঙকুম কুমথবদা তুগে তৌখি। মানা কুমথখিবগী মবমদি অসিনি—য়াম্না কম্না থাক্লকপা তারে হায়বাস থন্দুনা নাক্তা লৈরিবা লৈপন্দগী হাই-থরকপা উরী য়েংপা ব্রা পাম্বীগী মরুমদা থুপ্পবা তৌখিবনি। বক্স তাবদগী মীনা অৱাবা নংবা মমিংমক্লা উরে। অতুনা, মশাতু অহাঙবদা লৈনিংখিদে। অতুবু, কনানবু নংলগবনো? অতুগা মঙান্দা অতম্না হাইথরকপা তারবদা মাবু কনানা কনগনি? অহবু, মকমতুদা থুপ্লিংখি। মতুদা অৱাবা কংলোই হায়বদি

থাজ্জে। ম্নানা ম্নাবু ভগদননা, লোনস্থু শুদবনা, থনকপু ম্নাগা ম্নানা তাকপনা, ময়াম্নদি পেম্বিরম্রোই।

মুপী অনিহুস্থু লম্বীদা চুন্না মশক উংখিদ্রে। হান্নস্থু, অঙাংদি নত্তবনা মপান্দা কিবদি উংখিদ্রগস্থু, মুংদদি মিহুন-থাহুন পূমহৌ হৌজ্রবনি। অহুনা, মঙানগা অতুম মান্ননা লাকখিবা মখোন্দুনা মখোয়নিবু য়াম্না হেন্না নিপাইহনখ্রে। অনিহু লম্বীগী মতাইদা লৈবা হোবায় থায়ফম অনদা তোংচিনগে তৌখি। অমদি অতুদা য়াম্না থীনা তুগে তৌখি। নোঙ্খাক্রুনদি মখোয়দদি করিস্থু অন্নাবা পীখিদ্রে। অহুবু, তুগে তৌরুবীহুনা অমুক "ইস! কন্না থাকখ্রেদা!" হায়না লম্বীদা মখোঙ থাংদোরকপদা মখোঙ খোঙবীদা করিগুম্বা নাপী অশাংবা অমনা লৈহুনা পীখিবা অনাবহু য়েংবদা, খুজিন্দগী থোরকপা ঈনা নোঙ্গী ঈশিঙ্গা তিন্ন-হুনা খোঙবীবু মচু শঙনবা তৌরম্বহু উখি। অশাংবা নাপীহুদি, কায়রবা হিগত্তুনা লৈবা খুজিন্না চেম্বা ওইরম্মে। মানা তুগে তৌখিবহু নূং অমদা কন্না খুদি থীখি হায়বসি খঙলক্রে। হৌ-জিক্তা য়াম্না নারক্রে। কিবনা ফীবম চুমদ্রবীশিংহুনা কনাবুস্থু য়েংদনা, নোম্থহুনা শোক্লবা খোঙবীহুবু তৌফম খঙদনা য়েংহুনা লৈরিঙৈদা, মমায় মমায়দি শাতিন্না লুমশিম্বদগী উদনা, শান্তিকুমারনা ঈনা ভাঙলবা খোঙবীহুবু য়াম্না নকশিন্না মখোঙনা অস্থুম লাক-পদগী উখি। অমুকস্থু তৌরক্কদবোই নিঙহুনা অনকপা য়ুম অমদা হাইজিন্দুনা লৈখিগে খম্বদগী কুমহুনা চংলি। মানা তুগে তৌখিবস্থু মখোয়নিনা ভুখিদে; মখোয়নিনা থুপ্পা য়াবা মফম তমখিবহুস্থু

মানা খখিদে। মানা মখোয়নিগী মনাক্তা চঙলক্তুনা "খোঙজুবু হৌজিক শোকপা ওইবত্রা ?" হখি। অনিহু নহা ঙাক্তনি হায়বহু খন্দুনা অস্নুম্না হায়খি। শোক্লিবীহুদি মমায় হাইগংপা ঙমদনা লৈখি। অমহুনা "হোয়, হৌজিক শোকপনি ; খুজিন্নি কায়রে !" খুমখি। অস্নুম্না হায়রক্লিবীসিবুদি উখিবগুম তৌরবস্নু শক্তি খঙত্রি। অমহুবুদি মাগী খোঙ খুং অহুগা ওইরিবা মতৌ-হুদা চিংনরহুনা "ইতৈমা হায়গত্রা, ইবেম্মা হায়গত্রা, অনিবু কদাইরাইদগীনো ?" মখা তাখি। ইকাইরিবীহুনা মমায়দি লোইনা উত্রবস্নু হৌগংলগা "ঐখোয়নি !" খুমখিবদগী শান্তিকুমারহু অমস্নু অমস্নু লোইনা খঙঞ্জে। মাদি চুম্না ইকাইহুনা লৈরমত্রে। অত্তৈ ওইরমত্রে, চন্দ্রলেখানিনে। অমহুনা মনম্মনিই।

মাগী ওইরবীহুবু য়াম্না নকশিন্না মনাক চঙহুনা য়েংবস্নু হঙ্গোইরি ; পীবা য়াবা মতেংস্নু পীবিত্রি। খোঙবীহুনদি শাউরি, "নখোয়গী সুংশিনবা হায়বসিদি মীসুংশি খঙদবা জাৎনিদা। অসি য়োনা থীনা শোক্লবনু অস্নুম য়েংহুনা লৈখোক্লি। নখোয় নশেন কোইনরিঙৈদা ঐবুদি কনানস্নু য়েংশিন্দ্রিত্রে। পাখং, নংস্নু রুমাল পুবা ঙমদবা পাখং ওইরত্রা ?" হেক চঙবা হঙ্গোইবনি। অত্তৈ অমা ওইরবদি ফগদবনি। লেপ্তুনা লৈরিবহুস্নু মনম্মা য়াওবদ-গীনি। অহুবু, খোঙবীগী মতৌহুদা অহুগা মনম্মনস্নু "করম তৌনা ঈসি খকহনগদবনো, খঙত্রে !" হায়রকপদা মীনা উপ্পবস্নু অহু মঙায়রে হায়না ফুরিংখাউদগী রুমাল লৌখোক্তুনা শেং হেক্তা শেংলগা অচেংবা অহুদা পুন্নবা তাকঞ্জে। হে মুপী ওইবী !

হৈমরমসু হৈখিদ্রে! মখোয়নিনা পুম্বদো য়েংবা মুংঙাইখিদ্রে। ইচোৎ চোংনা চঙ্খ্রে শাম্ভিকুনারন্থু। পুনখ্রে ঙাইহাক্তুদা। তেম্রিক তেন্নবা মতমত্থুদা থম্মোই অনিথুদি তনিক তনিক খাঙনখি। চন্দ্রলেখানা অশোকপা মখোঙদদি য়েংদনা পুল্লিবা খুত্তুদা হৌখিবা রা কয়া নিঙশিংনা মমিং অনিথু থমখি। মনম্মথু মচনগী মতৌথুদা ওম্বোক ওম্বোকপা রারা কয়া নিঙশিংথুনা ঙাইহাক্তুদা অমুক লৈশাবা ওইখি। শাম্ভিথু ঙাইহাক চোংপদগী মচুদি থরা মক্লে। অথবু, মানোদদি অথুম মফঙ্গবি। ঈদি থকখ্রে। অথুবু, হিগৎ-লিবা খুজিন্দু কক্তুনা অশোকপথু হিদাক তৌবদি কবনি। অথুবু, কদাইদগী হিদাক ফঙ্গনি?

পাখং ওইবথুনা নোংসু থরা হাংলক্লবথুদা অনকপা মুম অমদা "ইতৈমখোয় অসিদা ঙাইহাক্তা লৈবিরমখো! ঐ, করিনো, অফংবা হিদাক অমতা লৌকখিগে," হায়রম্লগা চংখ্রে। য়াম্না থুনা খুজিন্দু কক্লবা খুৎলাই অমগা ফরবা হিদাক 'আইওদিন' হায়বথুগা পুথুনা লাক্লে। কখ্রে খুজিন্দু। হিদাক্তু হাপ্পদা শুগত্তুনা খাঙলিবী চন্দ্রলেখাগী মতৌথুদা শাম্ভিনা নোকমি নোক-মিথুনা "থরদি থুপ্পা তাববনি! য়াম্না থুনদি ফগনি!" হায়রক-পদা মনম্মনা "থুপসনু, কবু ফরবদি!" মখা তাখি। "মীঙোন্দা শোক্লবদি অথু ঙাক্তনি!" হায়না থুমগে তৌখিবীথুনা মঙক হাইনা অসুম খাঙবদা পামজবথুনা মঙোন্দা কুম্মৈগুম, থোকখিবা অকি-অথং পুম্বা কাউনা, য়েংলম্বথুসু উখ্রে। রাথু ঙাংবা লোই-শিন্নদা হাইনোক তৌখিবীথুনা অমুক "হয়েংমখৈদি উনররোইদো!"

থম্না হম্না ম্নাজখি। খোঙ শোকপগী অনাবদি মখোয়ানগী মতৌহ্নদা অহুম মাঙম্রবনি। কিরিবহু খোক্‌না অশোকপহ্নদা য়েৎশিনম্রে। অরেম্বা হিদাক অমসুং খুজিল করুবা অহু থিজিন্নগা মাগা মখোয়নিগা কায়নম্রে। কায়নবমদাইদা মনম্মনা "ঐস্থ ইবুংঙো হায়বা তারে, লমল শিংবা য়াবা মতমদা শিংক্করগে, ইবুংঙো," হায়খি। "লমল শিংবা হায়বা অমুক কৈদ্রে, ইতৈমা!" হায়বা য়াবদা "করিস্থ খঙ্বিরুম্নুদা, ইতৈমা!" অসিদমক হায়রম্নগা চৎম্রে। "মংঙান্দগী ঐগী ম্নাহঙ্গী পাউখুম অমতং ফংলবদি ঐ পুঙপেন পেন্নগনিসে!" থম্না থম্না চৎখিবদগী মযুম য়োম্রে। ঙসি তৌ-খ্রিবা মতৌহু থন্নুরগা য়াম্না কিগবা তারব্রা হায়না নিঙলিবা মানা ঙসাই থাকখিবহুনা উপাল অমা খায়রম্মী হায়বহু তাবদগী ইকাইবা মাঙম্রে।

চন্দ্রলেখাগা মনম্মগহু সনা শাফমদা চংলুবদগী মনম্মগী মচে অমা ঙমদে তাবদগী চঙলুবনা থরা থেঙনা লাকপহ্নদা লম্বীদা নোং নংনা নংনা অহুম চংপা তাখি।

নোংমা নিনি কৈরগা শাস্তিনা পাম্নিবা চিঠিহু থুংলরে। হেক থুংলবগা পাখি। অন্নাবনি। নিকুঞ্জা মশক মচু থোকখিদ্রে! অস্থুম্না খঙহন্নকই:—

পাখং ঙইবা,

ঐদি কনাগুম্ববু পুক্লিং অনি লোঙদনা নিঙজরি; মানা থাদোকপিবা তারবস্থ ইতোমদা খোইমু কনা উদনা লেপ্পরগে, ম্নারৌবিগম্নু!

অতোপ্পবু নিঙজরিবী।

শাস্তিকুমারনা চিঠিসি পারগা কুপশিং কুপ্পা শেগায়রগা "লৌনম্বী! পুকচ্ছত্তবী! ঐবু নংনা ভোশিন্নহনা কুইনা ওত্তুনা থনম্লি! কৈ! য়ুমসিদম্ সৈবা মুংঙাইত্রবা ঐদি থাপ্পা চংঙ্গগে! তিম্মররোই লৌনম তৌবশিঙ্গা। কৈ! তৌসম্!" শোম্না শোম্না কনামতা উত্রিঙৈদা ফুঙ্গাদা হুক্লিন্দুনা থাম্বী মৈশী মচিঙ্গাক ওই-হনখ্রে। মানা থাঙ্গনা লৈরুবনা অহুগা মীনম্ হায়নবনা মা য়াম্না নিঙবা কায়খ্রে। চানিং থক্লিংখিদ্রে। অহুবু, মুম্মিদাঙ্গী চরানা "গম্ভীনীবু উদবা মকমদা থৈদোক্তনা থমউ। নত্রবদি, নংবু অমুক 'করিগী চাদ্রিবনো?' হায়না চৈরগনি।" মঙোন্দা, মাগী অহুগুম্বা অশাউবহুবু "কবি তৌগনি? লাইরিক কন্না পাবা য়ানবা আদা লৈরুগনি! পরিক্ষা মথং মথং থাহুনা য়ৌনিংবা থাক য়ৌগনি! ইশাগী চহি কুম্হ্রা গুত্রিফাওবা য়ুম-কৈ পাম্বগী ম্নাথল থাদোক্লগে!" হায়বসিনা খরা খরা থাদোক্লবা মতমদা, খঙহনখি। মানা মাগী থিদোক্লবা চাক্ত মমাতোম্না উরোইদবা মকম অমদা, খাং মচামুক চাউবা ইন্সাং তেক্কোত্তগা, থন্নবা লৌথোকল্লুরে। ইন্সাংহু পাঙ্খোক ইবোম্বনি। গম্ভীনাসি ইরোম্বা য়াম্না চাগল্লি। ঙসিগীসি মোবোক্লা, তঙ্খাই পাঙ্খোক্লা তঙ্খাইনি। মানা শাস্তিবু মোরোক চাসি য়াদবগী শাউই। অশাউবহু ইন্সাংদা মোরোক য়াম্না থাকচন্দুনা ফোংদোকই। য়ামম্ য়ামখ্রে। মী অনি অহুমগী চাবা এক্লনি। অহুগুম্বহু মানা কা হেম্না শাউরবা মতমদদা মাগী শরুক্লি হায়না তমই। চাক্তদি থমজিনখ্রে। পাঙ্খোক ইরোম্বহুদি 'ফত্রং' 'ফত্রং' লাউবমথৈ কবোকংরক্তা থাদোকন্ত্রে।

মমাতোম্না "নংনা লুপা ৭০০'০০ তং থোকপা ঙমদ্রিবকা ও-বদি চীংদা লৈকখো। অহন্দুনা থনম্বা ইখোন্দুসু নংনা য়োন্সি হায়বা য়াদ্রবনিনা নঙ্গী কা মচা অমা তপথোকনি হায়বতুগী পৈশা লৈতে। নংনা মতু পুতুনা হল্লক্লগা তপথোকপদা তারে," মঙোন্দা হায়বি। মতম থবা ময়ুম থাদোকহন্নিংলি। মানা মাগী কা অমা তোঙান্না থম্লিংবগী রা খিত্তং হোদোকখি। ঙমদ্রবসু তোকপা য়াবিবনি; অতুবু মমাতোম্না য়াম্না কন্না তকশিল্লি। মতুগীদমক্তা ইখোন্দু য়েন্নবা হায়রি। মানা য়ারোইদবা রা হায়তুনা থাদোক্লিংবগুম তৌবি, কবিগানো খঙদে। মতুগুম্বা থবক্কুগীদমক্তা মবেন্না থনম্বা ইখোল য়োন্সি য়াদে হায়না শাউ-রিব্রা? গম্ভীনীহু হন্দক্তি যাম্না শাউগ্রে। মরমদি খঙদ্রে।

ভূম্ন-হিপ্পবা মতম য়ৌবক্রে। মধুচন্দ্রদি হান্না ফমুং চঙতুনা হিপগ্রবনি! কুঞ্জমণি হঙ্জিল্লক্তি। সুমিংসিদি শান্তিকুমারসু ময়াম্বু ওকউদ্রে। মমাতোম্না মতুগী থবক্কু তৌ হন্নি লক্তে। মপাসু জামিনীনা মপুরোইবগী সুমদা মানা চাখিদবদগী রারিবতু খঙ-লতুনা মমাবু শাউরি। শান্তিকুমারসু ঙসি নবি মঙানিসিগী মনুংদা চৌংদা অতুম লৈকনবা চংলবা য়াবি। মী অমা অনি লৈরগা খোন্দি থোক্তবা যুমতুগী মাঙ্গোন্দা মতমাসদা লুপীগী খোন্না "গম্ভীনী," কৌখি। মমিং নামা শোয়রবাতুনা "কনানো?" থুমখিবদগী লাক্লিবীতুনা, "ঐনি, সে! সে! য়েংও লাউসে, নয়া লুপানা ঐন্নু নচাগীনি হায়না লৈহল্লম্বা ফিসি। য়াম্না থেঙলে; অমুক চঙলক্লরোই। নংবুসু উহনিংতুনা হয়েং অমুক লোৗরনবা

থনববনি," খুমখি। থোরক্কু্না গম্ভীনীত্থ ম'চে কেতুকীগা উনরে। তাম্মিসীগীদমক্তা ময়া সুপানা লৈবিবা ফি অনা পুরকই। ফিত্থদি চুইনা মশক উংখিদ্রে। ইমুংদা মপা মচামক তূমখ্রে খন্দুনা কেতুকী অমস্থুং গম্ভীনীনা ঙাইহাক অস্থুয়া হায়ী শাখি—

কেতুকী— মাবু কৈদোউঙ চংখিগদৌরিবনো ?

গম্ভীনী— খঙদে, ইচে, ঙসি নিনি হুম্মিসিগী মনুংদদি শোয়রোইদ্রা হায়না খল্লিয়ে। চংলবসু চত্রবসু থবক্তি তৌদবা য়াদে।

কেতুকী— মাদবু চংখ্রবদি, সুপী মচাসিগী মবুকসি হেক্তা ওন-গনিদা! খঙদে, নংনা ফনবা শীল্লো।

মধুচন্দ্রদি চাননা তূমখ্রবনি। শান্তিদি মখোয়নিনা ঙাওনরিবত্থ ময়েক শেংদনা তাত্থনা লৈরি। মীগী মরা লোম্না তাগথা ওইরবদি লোইনা তারগদবনি। মখোয়নিত্থ অত্থদা অত্থম ঙাওনবত্থ সুংঙাইরক্তু্মাল্লে, খোঙ্গাল্লোমদা চংখ্রে। ঙাইহাক লেপ্তু্না মথা অমুক তানখি।

গম্ভীনী— অত্থদা, ইচে, মপানবু ইয়া য়াদ্রিনে! চন্দ্রলেখাবু মানা মচা অতোম্বগী শোয়দনা ওইগদবনি খল্লিনে! মাস্থ হৌ-জিক্তি পৈশা খরা খোক্রবানিনা রা ঙাংবা হৈরে। খরা য়াম্না শাউবা মতাংদদি— নংকৈদা হেক চংখ্রগা লোইরে— হেক্তা হায়নে! অত্থবু, ঐনা নিঙলিবসিদি তৌদৌরিবনি।

কেতুকী— করিনোনে মানা তৌরিসিবো ? মচাসুপা অহান্দ ময়ুম পান্দনা মনাওগী হাম্না হোংনরিব্রা ? অত্থবু, নংনা ম্যাজবদি করিস্থ তৌঙয়োই; মদী রা থঙায়রে।

গম্ভীনী— ইচে, মপানা য়ারবস্থ ন্নাত্রবস্থ মাদব্ মাগী থবক তৌফমদা চৎপ্রবদি ঐনা থোকপা তৌরগনি। অস্থম, 'কদায়নো' 'কদায়নো' খন্দুনা লৈরবননি। থবক কয়া কয়া পায়খৎকদবব্ পন্দ্না লৈরিবনি। মপাগা কায়নরবস্থ অদু মঙায়রে; ইবোতোনগী মচান্থপীসিব্ ইচাগী ওইনবদি শিক্ফাওবা হোৎনগনি।

কেতুকী— কৈ, নংনব্ অদুম্না খল্লবদি! অদুগা, মাগী মশাসিব্ ফীবম খরা কায়রব্রা, ইবেম্মা? হন্দক্তি খরা শোক্লা উইদা!

গম্ভীনী— ইচে, মাব্ ঐখোয়না মাগী পান্না থকচরিবসিদগী চিংথোকপদি হেক ওম্নরোই! অদুব্, হায়রিবী মুপী মচাসিব্ মাগী ওইনা ফংলবদি 'হৌজিকমক থাদোকনি!' হায়রি। অদুনা, ঐনস্থ পাম্বনিনা অদুম ময়ারে। মপানদি—অমুক্ৎ থুথীবা ফংলবদি হেক্তা ফগনি—হায়রি। মাব্ মুংশিস্রে। করম্না হন্নুরবা অসিব্ ক্ষু-চৈদুনা ন্নারকনি? মীব্ ক্ষু-চৈবস্থ নত্তবনিনা, মতম খরদি অদুম তৌজখিবা হায়বদুনি। ইচে, থেডেঙ, হল্লো। কুইনা অস্থম লৈথোক্লবস্থ মীনা থখিনি।

মচেব্ থাদোকপ্রে। অতোপ্পা লম্বীদগী "কনা কনানো? ঐব্ ওক্লবা লৈরম্লিব্রা? ঙসিদি, ঐ চাউবা য়ারোইদোরে। য়াম্না ফংলকতরে। ইমারা?" কুঞ্জমণিনা মমাবোক্তা মমাগা হেক কায়নবদুদা লাউথি। মমাবোক্তুদি য়া-য়া অমুক তৌরকপা তারে খন্দুনা অদুম প্রপ-প্রপ চৎপ্রে। মমানা মচাব্ তুমিম্না চখিনবা ন্নারী অমা শাগে তৌখি। ঙসিদি ন্নারী শাবা য়ানা হজিল্লকই।

অহুব, মামা চঙলকপদা ইশ্খোন্দা হৌবা শৌগ্রিগী মপাম্না মপাম্বীদা লৈনিংখিদে; শুমাঙদা হৌবা সনাৱৈ পাম্বীনা মা য়ৌরক্লে খঙবদা য়াম্না কিনা লেঙদনা লৈখি অহুগা মাঙ্গোনগী মুম্বীনা মনম মুংশিরবা মখুত্তুনা শোক্লরনি খম্বদা খোয়রাঙ-খোয়-শাউনপ্লে। মমানা "নংবু, ইবুংঙো, ডাক্তরনসু চাকখাউ শোক্লে হায়রবদি, নংনা শীজিন্নরিবসি থাদোক্লোদা!" হায়খিবদা "করিনো, ঐনা শীজিন্নরিবা হায়বব ? তৌরকইবসিরা? করি তৌনি? চাকখাউ য়াত্রগা হৌদোঙ্গৌরা, উচিগীরা, পোরোমগীরা—অমা হেক শিল্লগা লোইরেনা! মখোয়সু পৈশা ফঙ্গদবনি; করিগী ৱাবিরি? 'কৌন-জ্বায়, কৌন-জ্বায়' তৌহুনা তোর্ব্বান থোক্লব-ফাওবদা লিক্লি থাবা য়াবা পোৎ নত্তে। ঐনা নিঙলিবসিদা থুংনবা শীল্লু। নচা মুপাসিদা তাম্বোকপ্লো। মা লৈরিবমখৈদি ঐ, কুঞ্জমণি, ঐ মী ওইরোইদৌরি!" থুমখি। শান্তিকুমারহু তুমত্রি। মাগী ময়াম্বনা "নচা মুপাসিদা তাম্বোকপ্লো!" হায়-খিবহু মা শেংনা তাখি। "ঐনা লুনা তৌজহুনা থম্লিবা মী খুদিংমক্লা ঐব মুংশিত্রে! ফরে, ঐ মফমসিদা কুইবা য়াত্রে!" খম্না খম্না তুমথবা ইয়া য়াদনা কুইনা লৈরবা মতুংদা নোং ঙাম্বা ফাওবা তুমখি।

কুঞ্জমণিনা মতম খরগী মমাংদগী হৌনা চন্দ্রলেখাবু লাই-রিক তম্বা কাবা কৃম্বদা ঙাই ঙাইহুনা মাগী ওইনবা শীঞ্জরকই। চন্দ্রলেখাদা মানা মাগী অনিঙবহু ফোঙপ্লবনি। মনাও মুপাদি খঙদবনা করিসু খন্দনা লৈরি। চন্দ্রলেখাগী মতৌহুনসু, তারব-

ফাওবদা থাজরোইদবা মানি। নোংমদি লম্বীদা মেমচাগা [illegible]লেখাপা অনিনা লাইরিক তম্বা কুম্নকপদা কুঞ্জমণিনা [illegible] [illegible] অনি চন্দ্রলেখাদা হথি। মেমচানা মরুপকী মছুং শিন্দুবা [illegible] হেক খুমখি। খংনবগুম তৌখি। অস্নুম্না থোকখি—

কুঞ্জমণি— ও ইবেম্মা, শকহেন্বী ! নংবু করম্বা থম্মোই লৈকোজগী রাণী ওইরিবগে ?

(চায়রক চল্লবছুনা য়াম্না কেনা হংজখি)

চন্দ্রলেখা— ওস্থোক্না মুংশিখিব্রেদকো ! শক্তামক্লে !

(য়াম্না তপ্না মেমচাদমক তানবা হায়খি)

মেমচা— খঙদ্রেনে, অতৈস্নু নত্তবনিনা তথি তথি হায়গদবস্নু......!

চন্দ্রলেখা— য়ুম য়ৌনিংবনা শিগদোরে ! (লাউবপ্না ঙাখি)

মেমচা— করম্নদি চেনখিগনি ?

কুঞ্জমণি— মীনা হংবদি তাদনা নখোয়মথৈ করি তানরিবনো ?

(য়াম্না নকশিল্লক্লগা মথা ঙাখি)

চন্দ্রলেখ — থবা কম্না চংলসি ; য়াম্না থেওলে ! চৈরম্বা ভারে !

(কনখৎপা)

কুঞ্জমণি — কবিগীনো ? শীংডেল মুমিংলৈ মাম্বী। নংবুনিনে ঐনা হথিবছু ! য়াম্না থোয়বিব্রেদা ! (চঙশিল্লকপা)

মেমচা— ঐখোয়সিগী মরক্তা মা ঙাংনবফাওবা কয়া পামজবী য়াওরিয়ে, তামোচৌ। পঙনক নকশিখিররকনু ; অথঙবা মীনা উবগা ফুংঙাইরোই।

কুঞ্জমণি— করি হায়বা? খোইনুগা লৈবাংগা, পাখঙ্গা লৈশাবীগা! ঐগা চন্দ্রলেখাগা— মীনা হায়নদ্রিবরা?
তারিনিদা, নখোয়সু! শীংঙেল মুমিংলৈনা কোরৌহম্ববু নিঙদনা করম্না হিঙ্গনি? লৈরাং মাগীদ খম্বদা ব্লাজরিবা মাদি মুমিদাং ফাওবা মশক উৎনিংলবনি।

মেমচা— উংলসমু! লিলা শান্নফমদা মুমিং শারুবদগী নাচল মথীনা নোক্লখিবত্থু কাউরব্রা? (য়ারক্তা ঙখি)

কুঞ্জমণি— করিনো ইবেম্মা নংনা ঙংলিবত্থুবো? ঐনা নিঙবা নংনা থুগাইগদৌরিব্রা? নথৌ নত্তে; ঐনা নিঙবা থুংনবা শিব-ফাওবা হোৎনগনি! নিংথিনা হায়রিঙৈদা য়াবা ফৈ! নত্রবদি, থুদোং চারোই!

অসি হায়ত্থনা মখোয়নিনা হাইজিনগ্রবদা নখোয়নিবু য়েক্লবগী মতৌগুম য়েংত্থনা লৈহোই। মাসিগুম্বসি অমুকসু থোকগ্রবনি। শান্তিকুমাবনা চংলমদাইদা মসি তাখি। মাগী ওইদ্রবীত্থবু ময়াম্বগী ওইহন্নিংবা ওইহন্নিংদবগী ব্লা থোইনা খনখিদ। হয়েংমক চংপা তারবা শান্তিকুমারনা নিঙবা কায়হনখিবা চিঠিত্থগী হৌরকফমত্থ মরুপ্পা তম্বদগী শেংনা খঙ্খি। বসন্তনা মাবু মুমিদাংব্লাইবমদা অচীকপা মফমদা পুথোক্লগা হায়খি, “মরুপ, নংনা হায়বা অত্থবু শোয়দ্রব-রনে? মাগী অহনশিংনা অতোপ্পা মুপাদা থাজব্রে হায়বসি অরাম্বা ব্লানি। অশেংবত্থ খঙহন্নিংত্থনা ঐনা ঙসি অসি য়োরক্লিবনি। অত্থদা নংনা মত্থ তারগা করি ওইগবা!”

"করিনো ? হায়রো, ভানগে ! কনানা করি হায়রকপগে ?" শান্তিনা খঙনিংলবদা মকপ্না "নংনা ফংবা ফজ্রবা ব্রাহৈ পারেং অম, অনিদমক য়াওবা মহুগী মথক্তা, মাবু মীভোন্দা থাজত্রে হায়না ভারিবহু নখোয়গী ইন্দোন অমস্তুং ভাদখোয়না শন্দোকপনি। নংদি খঙলমখিদ্রোই !" লীবা হৌখি। "এদি নখোয়বু অহুগুম্বনক [illegible] হায়বদি খজিদ্রে; অহুদগী কমদৌরবা ?" অদুক হংখি। "জানিনা লাক্লম্বহু নংদি থেংনহৌদ্রবরা ?" নমিনা লাগদবা ব্রাদীহুদু হয়া ভাকচিংখি। অস্তুন্না মকপু হং হ ন্তুনা অহুংম্বা ব্রাদীহু লাবদা ব্রাদী শাবগুম চংখি।

শান্তি— এগদি কৌনখৌদ্রে: ভৈদি উইরোই। শখল থাত্তুনা লৈখিবদগী নাগা মাইথুরনা উনখিদে।

বসন্ত— কনা কনা য়াওরকপা উখি ?

শান্তি— মেনচাম্বু উখি। মদু জামিনীগা লাকনিম্মখিব্রা ?

বসন্ত— মহুনা মানা লাকখিবহু নচল মুপীনা পুরকপদগী লাকখিবনি। মাদি হন্দক মরক্তি নখোয়গী ভানগা উনবা পারদবদগী নখোয়দা শুকচঙ চঙ্খিদ্রবনি। চন্দ্রলেখাদগী লাইরিক লৌবা চংলুবী মাবু লম্বীদগী কামিনীনা ফাহুনা পুশিল্লকখি। শিংজু অমস্তুং বোরানচিংবা লৈহুনা চামিন্নখি। মহু চাদ্রিভৈদা লাইরিক্তু থম্লিং থম্লিংদনা টেবল মথক্তা থমখি। করিগী লাইরিক্তু থম্লিংখিদে ? মহুগী মরমহু অসিনি— তাদা কুঞ্জমণিদি লৈত্রবস্তু, নাগী মী ওইরিবা হেরো অমস্তুং

থোইবদি ইংক নক্কা লৈরা ওজো ওইনা [illegible]। অদুনা, মথুমদা চাউনা চন্দ্রলেখাগী মিং থাবা লাইরিক্কু মখোয়গা ভৈরবদি চিংনখিনি থনখি। এদো 'অসিদি' হায়দুনা [illegible] ফায়দোক্লিংদ্রে, অদুনা কোইনা [illegible]।

শান্তি — উম, মধা তাগো।

বসন্ত — অচোউ-মচাদু চাবা লোইবদা ইশান্নবগা [illegible] কুইনা [illegible] চন্দ্রলেখাগা [illegible] বাবো শান্তি মাদু লৈবা ওইহনবদা [illegible] [illegible] মধা তানা ফাখি। [illegible] [illegible] চেপকখি! অদুগা [illegible] [illegible] মখোয়না মপুংঙনা চেক চেক [illegible] [illegible] লাইরিকশু চুন্না [illegible] [illegible] [illegible] চেমং অহেখা থিখি। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] খেনখি। [illegible] মখোয়না [illegible] [illegible] [illegible] দা হৌরকখি। মতু [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] মখোয়না অচৌবা [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] (অসি হায়রে মানা চিঠি অমা পুরকখি) তাবাসে :—

চান্নবা,

তাইবং মীরক্তা পাঙ্গলশোথীগী মপোক ফংজবনা, অপাম-জংশি ঈথক্তা লৌ-হৈতবী ঐগী মিংনা জংশিবা থঙজরকপদগী জং ওল্লবা পুক্লিংনা, থল্লাল্লক্তা চান্নবা অয়ুকী ইওনা ভাষা শক্তিক্কুম্

পাখং নকাদা, লীজনিংবা মুংশি য়ারী, চীগ্না ভেংবাংবিদবনা, লীওমদনা লৈজরকপা কুমজা কয়া কুমওনগ্রবনি; চেক্লাগুম চীন্দিন্না, পোম্বীগুম চীল্লোক্লা, থম্মোইনা থম্মোইদা, মুংশি হৈত্রবা মতমগী ঈচেম্না পুথবিগ্রবা মাঙ্গী য়ারী কয়া তমজনবগী পাঙ্গন্দু হৌ-জিকম্থু ফংজদবনা, থৌনা ফবা কললগী মতেং লৌহুনা, খোয়-দাবা নঙোন্দা নিংঙোল পুক্লিং পৌরোন্দনা তমজরি—থাদোক-পিগম্থু মুপিজাবু!

নংব্ লাচ্চরিবী।

শান্তি— উম, মসি অতৈদা থাবা ওইরম্নোই হায়বদি খঙলে; মখাদি·········?

বসন্ত-- মসি মখোয়না, ইন্দোনগা ভাদগনা চন্দ্রলেখাব্ মী অতৈগীদা চংখিদনবা শীম্বদা মখোয়নিন্থু খুংলায় ওইনা শীজিন্নবদগী, লৌথোক্লগা অমা য়াম্না থুনা খোংলগা হাপ-চিনখি। মখোয়না চিঠিহুগী থুংফমহুম্থু খঙলবনি; মেমচানা পাউ পুরি হায়বম্থু হান্না তারবনি। মানা হান্না লাইরিক্কুবু থাদোক্লিংখিদবহুগী মরমহু হৌজিক্তি শেংনা খঙলেদনা? মাগু মমুংদগীহু লৌথোক্‌না পায়বা য়াবনি। অহুদা, মহুম্থু হেক ভৌহৌদ্রে। তৌববুদি, ফত্তবশিঙ্গী মথুক্তা অসিগুম্বসি নংবা অঙকপা নত্তে।

শান্তি— মেমচাদি অহুম থোরকখিদ্রবরা?

বসন্ত— পুন্নমক লোইরবা মতুংদা থোরকখি। লাইরিক্কুদা য়াও-রকপহুমক অহুম ময়াওরি খন্দুনা ইচম চম্না লাইরিক্ক

পুন্থনা চংখ্রে। লম্বীদা হাংদি হাংদোক্তনা, মপানগী ওইবা মশক্ত উবদগী, অনিথুনস্থু শিংনা হান্নগীথুনক মান্নবা থুপ্পুনা হাপচিনখিবনা মবুক্তা 'করি থোইদোকপদি ভৌরম্বদেদনা' শোল্লগা অথুম পুখিথুনা ময়ুম য়োঙ্খ্রে। মথুগুম্বা অশেঙ্বা চিঠিথুনি নংনা ফঙ্খিবথু। হান্না য়াওরম্বথুনা মানা নঙোন্দা থারকপনি। (শান্তিথু হান্নস্থু খঙবা হোঙ্খ্রবনি, অথুনা, পূমডক ডকপদি ওইদ্রে)

শান্তি— অথুননিদনা, ঐবু হন্দক য়াম্না ভান্থোক্লিংলিবসিদি! মখোয়মক্লা অথুগুম্বা ভৌবকো!

বসন্ত— অথুগা, মেমচাবু নংনা শাউংদি ভৌগন্নু। চন্দ্রলেখানা পীরকপথু মানা, হৌনদবনা, পাথুনস্থু য়েংখ্রে; অথুদস্থু নত্তনা মুম্না ফাওবা য়েংখিদে। অথুবু, নাবু য়ায়া চৈবিশ্র-বনি। নংনা হৌজিক অমমুক পান্নপদি— য়াওরকই; লৌনিংদ্রবরা?

শান্তি— হান্না থাদোক্লবনি মরূপ! হয়েংমক চংগ্রগনি! য়াম্না লৈনিংদ্রে! মথু ভুরগা পাপ চেখ্রা ওইরগনি! ঐদি, ঐনা খঙনা, মখোয়দা অকায়বা ভৌরোই। ভৌবদদি, ঐবু ভান্থোক্লগা মখোয়না নিঙলিবথু ফংনবা হোংনবা অথুদা খরদি মুংঙাইতে। মথু কবিস্থু লৈতবা পোংনি। ঐ হৌজিকস্থু মখোয়বু মতেং পাংনিংলি; মখোয়নদি মনাক্তা কৌশিন্দুনা লৈহল্লিবা ঐবু ভান্থোকনিংলি। কয়াদা খেন্নগ্রবা!

বসন্ত— উম, মরুপ মুংশিন্রে, য়াম্না মুংশিন্রে। নংব মখোয়না চন্দ্রলেখাগা শুকউ উনহন্নিংন্রে। থাম্না থাদোক্লিংলে নংব মখোয়না!

শান্তি— নিওবা থুংহল্লগনি ইমাতোন অমসুং ইয়াম্বগী। লাক্লরোই মফমসিদা অয়ুক মুংখিন্দা! মরুপখোয়না পাববু থরা থেমজিন্বিয়ু।

বসন্ত— অদুবু, মপা মমানা য়াদ্রবদি মাসু…………। মানসু য়াগদবা লৈতে।

শান্তি— মহুদি হায়বা ওমন্রে, মরুপ। মহাকপু ঐগী ইতৈমনি হায়না খল্লবনি।

বসন্ত— অদু ওইদ্রবদি……… ?

শান্তি— ইমাতোন অমসুং ইয়াম্বনা পেন্নবদ তৌগনি। মখোয়দদি খওনা খওনা অরাম্বা তৌবা ওন্নোই।

অসুন্না য়ারীহ লোইরবা মতুংদা, শান্তিনা লৌশিন-খিদ্রবা অনৌবা মুংশি পত্রদু বসন্তনা হনখিবদা অদুম পুন্রে। চন্দ্রলেখানা করি মও মওলমগবা!

(১২) ফনাইদ্রবদা

থাদোকপিরম্নবী চন্দ্রলেখাদি বসন্তনা তম্বা পাউদগী ওসি ফাওবদা নোংমতা পিরাং কংলক্তি। মধুচন্দ্রস্থু শাস্তিনা ফুইনা হুনক্ত্রবদা শাউবা য়াবদা অশাউবা উংনিংলক্লে। পিশক্লা, মরুপ্পা অচুম্বা খঙনিংবদগী, বসন্তদগী কায়নপ্লবশিংহুগী ম্নারীহু ফজনা খঙনবা হোৎনখি। মহুমক হৌজিক্তা মুপা ওইরক্লবা অহুদা খঙহল্লে। লৌশিম্বিখিদ্রবী চিঠিহুনা মখোয়নিগী প্রেমগী সাক্ষী ওইহুনা অম্মুম্না লেঙদনা লৈরি :—

থম্নায় ওইবা,

মুংশি ঈচেল অম্নবা য়েরু পম্না থৎলুরে;
থিংঙমদবা ঈচেম্নি, থৎল' হেম্না লূখরে।
কচ্চরি ভিক্কাসি লোথুপ লোকোই লৈতনা,
লৌশিম্বিয়ু হরাউনা ম্নাখল কিশি থাংদনা।
থম্মোয় মন্দির কায়হল্লে, ওইহম্বিরে লোনম্বী!
লৈচিল থাংলে পুক্লিংসি, তারে হেম্না তুশোম্বী!
ঙালহম্বিরো মঙাম্না চাম্ন ম্নাহৈ নহাক্কী;
ফংজরগে পাঙন্দু লাচ্চরিবী ঐহাক্কী।
মপু মাগী লৈকোয়বুঙ মালেম লৈকোল নিংথিবা,
মাগী য়াথং ফংহুনা খোইমু কয়া ইল্লিবা!
লম্নাঘদা লাঞ্জরোই, শকখঙদবা খঙজরোই;
লোনম ম্নারী লীজরোই, শাশিন্নবী ওইজরোই।

তুংইন্দুনা তমজরুই তুংগন্দবা মতমদা ;
হেন্না নিঙবা কায়হনখি, মাখি পিরাং লমখাঙদা !
লাঞ্জদবী ঐহাক্রি, পীবিগনি চঙজফম ;
খোয়দারুবা নকাদা ওইহন্নিয়ু পম্নুংফম।

নহাক্রী,
মুংশি পোনগী
চেক্লা।

শান্তি পাম্বা শান্তিকুমাব থাদোকখ্রে মরম! মরুপ মপাং কায়নরে ; ঈশিং মুংশিং অনৌবা ফংখ্রে। য়াম্না খেন্নদ্রবস্মু মান্নবদি ওইদ্রে। পাখং মাগী পুন্সিনা লৈবক্তবা চৌংলমদা করম্না হিংলু-গদৌবিবনো ? লোইবা চৌংবু ইস্নোকপা, মপান্না হিংলিবী তম্পাক-লৈমনা ব্বারৌগনি। মাবু তুরুচবা নত্তে; নিংথিবা ফজবা পোং ওইরবস্মু হৈনদবা পামদবা মীশিংদদি মুংঙাইবা পীবা ব্বানা থোক্কনি। অতুবু, ময়াম্না পঙথন খন্নবনি ; মাদি মপুক্কিং লৈতানা, অন্নাবগী মমি তাদনা, চিংনবা অমতা য়াওদনা লৈখ্রে। চৎলমদাইদা অতুগা মানা থুন্দুদা থুংলমদাইদা থোকখিবা থবক্রী ফলনা হন্নক্লরোই-দবা মতমগী ঈচেন্দা তাউথখিদগী মুংঙাইতবনা মাবু খবমখৈদি মুংনাংহনখি। মমাতোনগা ময়াম্বগনদি মাবু চংখ্রে হায়বা খঙ-লবনি। মপাদদি “নিনি হুম্নিদংদি লৈরুবা তারি, পাবা,” হায়-রম্নগা চংখিবনি।

লমজাউ মৈশা লাংউরবা, তাইবং কনানা উবিহৌদ্রবা চৌঙ্গী পামেল শোইনাইবনা কুমগী নোংজু লাকপদা তম্না শকফম

হঙ্গিল্লি। ফাকুরবা মধুচন্দ্রস্থ হৌজিক্কি লৈখিদ্রবী মেমচৌবীগী মরম ওকপা, হুংশিরবা শান্তিকুমার কৌবা মচানা পুন্সিগী অশেংবা লম্বী তাকপিহনা ব্লাখল অনৌবা কংহনখিবদগী মনিঙ মথা তমগ্রে। মুপাগী মতৌ লৈবক্রে! মানা, মাগী মুপী অতোম্বীনা কুঞ্জমণিগী দমক্তা মমা লৈত্রবা শান্তিগী অপাম্বা মাঙহম্বগীদি থোইনবু শাউ-খিদে। ময়াম্বগী ওইরবস্থ মনাগী তারবস্থ, মাগীদি মতৌ অহুম ওইদৌরিবনি। মানা হুংচাইরিবদি, মাবু তাকনা মমা মচানা মমা লৈত্রবহুগী তুংদা মাগীনি হায়না হুশি লম্বীদা পুশিন্বিরক্লবী চন্দ্রলেখাবু লমথাঙদগী চিংথোক্লবা তৌখিবহনি। শান্তিকুমার য়াম্না হায়বা ইশ্বা এঙাংনি। মরাম্বনা হুংশিনিদ্রবস্থ, মাবুদি য়াম্না নিঙলিবনি। অনিঙবহু লোইনা কোঙদোক্লুবস্থ, ব্লাহৈ অমা অনিনা চন্দ্রলেখাবু মইংমান হায়না খঙহন্দনা খুনক্তা থাদোক্কদবা মানি। অহুদি নহ্রে। অহুনা য়াম্না নোক্লিংবা অমস্থ লৈরিনে—ইবোতোম্না কুঞ্জমণিগুম্বনা মচা পাগনি হায়না খল্লিবী গম্ভীনীবু ময়াম্না করি হায়না চাঙনরমগদৌরিবনো? হায়, লাকপ্রা, মুনব্রা—অমদি তৌববা য়ারি। অহুনা, খব্লায় য়াওবা হকচাং ফংদব্রা, নহ্রগা শোনাত অনি অহুম শান্নব্রা—অমদি শোয়রোইদা!

ঙসিদি মধুচন্দ্রহু পোকথায়খে, "গম্ভীনী, চসিদি, ঐ, নঙোন্দা ব্লা হায়গে, তাও—ঐ, যুমসিদা অমুক চঙলক্লরোই! নমা নচানা মুংঙাইনবদ শীন্দুনা পালংহৌরো! থিংবা তৌররোই; নঙ্গী ব্লাঙাং তাহুনা, নবুক ফত্তবগী থোদো য়েংহুনা মরম ওকপা নচা কুঞ্জমণিগী থোগল ওইনা লৈরকপসি ব্লারে! থাঙবা ঙমদ্রে! ঐসু

হৌজিক্তি—হৌজিক্তি অসুম্না ভাওনবগী পাঙ্গল ফংলে। লম্লৈবী নঙ্গী নরল পামতুনা, মীনা হায়নবা তারুদনা লমচৎথীবী নংবু ঐনা য়ুমগী মৌ ওইনা পুশিল্লকখি। মতু ঐগী অরাঙ্বা ওই-রম্লে! ঐগী ইচীন ইরৈ ককউরে; নংনা লৈরুরে। লূদবী নহা ওইরিবৈদা, ওক্তবগী ঈরাংদা মরু হুনখিবা নচা কুঞ্জমণিসু নংনা হেম্না হেম্না নাহ্রাঙহন্দুনা হৌজিক্তি শাহিং চাবা লমলক্কী শা ওল্লে। ঐবু মচা ব্বারকপা ভমদবা মপা ওইহনখি। লোক-হৌরো হুল্লুবা মরুগী মহৈতু। ইচানুপী জামিনী, নখোয়গী নাপম্না শাগৈ জাং অফবদমক থিতুনা লমচৎ শাক্তং য়াওদবদা, মশানসু পামদনা, থাজবিবদগী কপ্পা মপুন্সি লেল্লিদো! ঐনা মতু থিংখি; য়ুম্লোম্নবশিংনা মুংশিতুনা মতু তৌদনবা হায়খি। নংনা লৌখিদে; নচানা য়াখিদে। ঐবু ইবুক থীবনি হায়না লৌখি। নমা নচানা ঐবু ঐগী ওইবা থৌরমশিংদগী তাম্থোকখি অমসুং তাম্থোক্লি। পেল্লো হৌজিক্তি! থাগত্তুনা হায়বা নত্তে--ইচানুপা শান্তি-কুমারদি শূনিংদবা, ওক্তবা, মবুক শেংদবা, মরমচৎ লূদবা অতুগা চীলহাউ থিবা অভাং নত্তে। মাসু নখোয়গী মৈশা লাংনিংদতুনা চেনশ্লে। য়েক্তবনি হায়না খল্লুরবা ইবোতোনগী মচাবু নমৌ ওইনিংলি! করি খল্লমগনি? মীনা করি হায়নরমগনি? মাগীদা হিংজরক্লবা নচেগী মচাবু মাঙনবা শাল্লুবতুগী মানা নভোন্দা মচাবু মনা ওইনা পীগনি খল্লিব্রা? নংনা শেম্বা নচা— নঙ্গী নচা কুঞ্জমণিদি, নোংমদি শোয়দনা কুথীরখিগদবনি। মতু থোক্তনবা হায়বতু মানসু লৌদে, নংনসু য়ানিংদে। তুফক-তুফাই চল্লুরে।

অহুব্, ঙসিদি মৈ ঈশিং কিত্রে! ঐব্ থৌওইত্রবা নখোয়গী শাজংনা ঙসি ঐব্ অসুম্না থৌনা ফহল্লে; মুংঙাইনা লৈহৌরো!" মপোৎ য়োম্না য়োম্না মসি হায়খি। চংশ্রে।

মহাক য়াম্না লাপ্পা মফম অমদা য়ুমশাবা অমগী মতুং ইন্দুনা পৈশা তাম্বা ওইনা চংশ্রে। মানা লৈরিঙৈদা শান্তিগীদমক্তা তাম্বা য়াবা খরা তানশিন্দুনা থম্বিরম্লবা তৌশ্রে। গম্ভীনী করিমতা খুমহৌদে। হেক খুম্বদা শক্ল ফংবা য়ারিবনি। মমা মচাগী চক্রিদনা ঙমহুনা লৈরুবহু লাল্লি হায়বসি মানা হাইফেং খনখি-বনা চঙরুনা য়েংহুনা অহুম লৈহৌরবনি। অহুবু, মাগী অনিঙবদি হেক থাদোক্কনি হায়বদা অরাম্বা ওইগনি। ফত্তবা মী হেক ফবা য়াদে; অরুবা লায়না লায়না লায়য়েংবা য়াদে। মপাম্থোংদা মরোল থোক্তনা লৈহৌরবসু মুংদদি য়াম্না থুনা থবক কয়া কয়া পায়খৎনবা খল্লম্বা য়ারি।

মীনা ইপেন পেম্নত্রবা চীংলমদা শান্তিকুমারদি য়াম্না মুং-ঙাইরি। অহাউ অথুমদি চাবা ফংত্রবসু, লম্বী-থোং মুংঙাইত্রবসু অহুগা হরাউ-কুম্মৈনা থাদোক্লবসু মমাতোন অমখুং ময়াম্বগী পেম্নবদি তৌরি খন্দুনা ইচম চম্না মুংঙাইরি। অফংবা চাবনি, অরৈবা শেংপনি অহুগা মি জাংকী চংনবী চম্লবা তোয়ত্রবা হরাউ-কুম্মৈরক্তা পাখঙ্গী পুন্সি লেল্লিবনি। ওস্থোক্লা খেম্নশ্রে—খুঙ্গী অরিবা, সহরগী অনৌবা! ঙরাং নহান্দমক লৈরুবা ফিজেং লৈজেংহু সহরদদি থুনা মায়থোঙ মকা লাংশিল্লি। লৈত-লায়র লৈবা য়াদে

চুপ্পা থাদোক্নি [illegible]। ‘চংনদ্রে’ হায়বসিদনা অনৌবা পাম্বশিংবু য়াম্না ওংনি। [illegible], অনৌ অনৌবা ভাম্বদগী, পৃথিবীদগী থাপ্পা লৈবা [illegible] চংনবা নিডনদিবনি। অদুম ওইনমক, কান্নদবা থবক [illegible] অনৌবা পাম্নহুনা অনংবগী চৈরাক তেম্না যংনবা হোৎনবনি [illegible] ওইবোই হায়না খল্লবি। মাগী ফিজেং চাবচা পাম্নবা ঙনানা থাগংপিগনি? অদুবু, খবা কা হন্বশিংবু দি [illegible]। শান্তিকুমারনা লৈখিবসিদি তম্পাকম্ নত্তে; অদুনা, মথুন্তা লৈবা পৈশাদু হেনকচ্রবস্ মরোংদি তাদ্রে। লীক-পগী নত্তে। মশাদিবু, নংনসু তৌবকপনিনা, য়াম্না চন্না লৈজবনি। অদুগা, চংথোকপা মতমদা শোঙ্গে, “ঐগী ফি-বোন্সিবু মীনা য়াম্না মোক্রবমগদ্রা? মীদি উদা ব্রাদা পাম্বদোনা শেং-চায। ঐসু তলব ফংবা থবক মচা অমা তৌখিবনি। অদুবু, মানা পেন্নবা শেংত্তোক-চাংথোকপা ঙমদ্রি!” খবনসু হায়নবি, “চাংদা, ওঝা ওইরবসু, অমা ওইরবসু, থবক তৌবা মীদি কয়া লু-হেন্দবনিদা!” অদুবু, অক্ন অহেম্বগা চান্নববশিংসু অসিগুম্বা চাং-লমদা চঙজদবা নত্তে। মকম্না অদুগা লম্বী-খোংনা তশেংনা নান্দুনদ লৈবা তায়বদুদি য়াদে। অদুবু, অয়াম্বনা তুক্কচনরিবা ‘কেবা’ হায়বদু হৈজদবা শান্তিকুমারবসি চমোং চমোংপদি নত্তে।

শান্তিকুমারনা মাগী মরমদা লৈবা ফংদবগী ব্রাবা তৌদে হায়বদনি; মমাতোন অমসুং ময়াম্বনা ওইরিবদু খল্লগদি মাসু মুংঙাইবা ঙমদে। মদুগী মথক্তা, মপানা শাউদুনা চংঙ্গে হায়বসি ভাবদগী মরক মরক্তা য়াম্না ব্লারি।

মানা মাগী নোংমগী মথৌ হেক লোইবগা লোইবী চীঙ্গী নাপোমদা মুমিদাংব্লাইরমগী তম্পাক লমগী ফজবা য়েংবা থোরকই। মানা লৈরিবহ্ য়াম্না ব্লাংবা নত্তবনা মথাগী লমশিঙ্গা থংনবা তম্পাক্কী শকক্তু ফজনা উবা ফংই। অদুগা, চীংদগী, চীংনা কোয়শিন্বা লৈপাকসিগী থাপ্ল লৈবা মফমশিংস্থু মখোয়গী মনাক্তা লৈবা অথঙবা চীংত্থম অদুগা পাক্লবা ঈশিঙ্গী শকক্লা মপা হাই-ফেৎ লাকপা ডমই। অনকপদা খুঙ্গংশিংনা লৌবুক্কী মরক মরক্তা মুশুক মুশুক মুনা তাবি। নোংচুপ চীংদোল লানপ্রবা মালেম ঙাম্বনা অয়ুক্কী লম্বী য়েংলকপদা, নোংপোক থংবা অতিয়ানা মাগা কায়নবদগী মুংশুক-মু.জাননা লৈনখহ্ উরকপগা লোয়ননা, মাস্থু মাগী মযুম মায়গৈ য়েখিবদা মা লৈতবগী মুংনাংবা ব্লাখম্লা লাপ্লা ব্লারিবা মবেনগী ইঙ্খোন্দু মাগী ব্লাখল মিংয়েংনা উখি। লৈতোঙদা হৌবা চাউববা তেবা পাম্বীগী মখোঙদা ফমথপ্রে। মানা তৌবকপা, থেংনবকপা অমস্থুং ওইবিবপূম্বা তপ্লা তপ্লা মথং মথং নিঙশিম্খি। মাপু শেম্বিবকপা ইবোতোনবু, মখুত্তা পৈশা খরা থোক্লবহুদা, কশিগুম্বা অমতংদি লৈহুনা পীজনিংলি। অদুবু, চঙবা য়াদবনা মাপু থিংলি। অশোমদা ইবোতোন অমস্থুং সখীদি মচানা শিম্বা য়াদবা মুংশি পোলুম পুরিবহ্ ব্লানা য়েংহুনা লৈরি। অদুবু, মতম খবগী তুংদা কুঞ্জমণিদি শোয়দনা মশাগী অরাম্বনা তাইবংপান থাদোক্লবফাওবা য়ারি খম্বদগী, চহি অমা অনিগী মমুংদদি পামজবা শাস্তিদা লুহোংবিনি খন্দুনা মরৈরি। ডাক্তরনা য়ু থক্তনবা কুঞ্জমণিদা হায়বদি অরেম্বনি! অদুনা, মা

য়াম্না থুনা মীওইদবা য়ারি। অদুবু, মানা মশিজ্রবদি করম তৌগনি? মীবু মানা শিনবা শীম্বা নত্রগা নিঙবা হৌনদে। অদুবু, মী নত্রবা কুঞ্জমণিবুদি ময়াম্না লাইদা ইতত্তনা কৎলি। মাগীস্থ ফত্তবা থোকহনগদৌরিবা মাবু ইবোতোম্না কি-তুকচরি।

ইবোতোনগুম্বনা করম্না মীবু মাঙনবা শীনগনি? মমা মচাবু মীরমচং তম্বিতুনা ফহম্নিংলি। তৌইগুম্বস্থং, মসি অরেম্বনি। গন্তৌনীদি মচাগী নিঙবা থুংনবা কন্না হোৎনরি। অদুদি, করম্না মানা মখোয়বু মুংশিগনি? মচাবু মাঙহম্বা য়ারি। ইবোতোন অমস্থং সথী চীক্না ব্লাথ্রে। শান্তিদি মখোয়দোনা ব্লাদ্রি। হৌ-জিক্কি য়াম্না থাপ্তোক্লবনা মমাতোন অমস্থং ময়াম্ববু হাম্নগুম শাউখিদ্রে। ময়াম্বনা য়ু থকপা তোকপা লৈতবা, মপানা লংকৈদা শাউহুনা চৎখিবা অদুগা মমাতোম্না মপাবু কৌশিন্নিং-দবগুম তৌহুনা লৈবা— ময়ামসি মানা মুংঙাইত্রি। অদুবু, মীনা ঙাংনবদগী মাস্থ মমা মচাবুদি মরম মরক্তা শাউরি। চন্দ্রলেখাগী মরমদদি মা করিস্থ খনখিদ্রবরা? খল্লি। খল্লিবত্থ মরম অমরোমদনি। মীনা হায়নরি— কনানা, চন্দ্রলেখানা কুঞ্জমণিবু পাম্বিগবনো? মপা মমানস্থ মাগী মমিংতুফাওবা পল্লিংদ্রবনি। মসিদগী মানা থল্লি--মানা, য়াহুনা, ইতৈমা ওইরবা অদুগা তাদনা মাগী লমচং হোংলবদি মুংঙাইগ্রনিদা! মদু হেক থোকপদা ঐনা ইপাবু ইমাতোন অমস্থং তাদগী নাক্তা লৈনবা থুরুমদুনা হায়জগনি। অদুদা, মসি মঙগুম্বা ব্লানিদা! ওইবা ব্লারোই। অদুগা, অতোপ্পদা মানা কোক চংগ্রবা অমা, শোয়দনা থরা ইঙ্গনি। অদুবু, ঐনা

শীম্বা য়ারোইদবা অসিদা… … …! তৌবদদি, মাদ কনাগুম্বা অমদা থুনা চৎখিবা— মসি খল্লি। অহুবু, অঙাং ওইনা ময়ুম পাল্লোই। অহুদি, অসুম ব্রাহুনা লৈখিবা তারিব্রা? লিনা য়ুম পান্নরবনিনা মীনা মাবু অঙাং ওইরি হায়নরি। অহুগা, কনা কনাগুম্বনদি 'মতম য়োরে, থাজবা য়ারে,' ঙাংনরি। মাগী অহনশিংনদি লিনা হোঙ্গনি হায়বনিনা, ঐ চহি খরদি শোয়দনা ব্রাখিগদোবি!

অসুম্না অচীকপা মফমদা অমসুং অহাঙবা মতমদা মাবু উদ্রবশিঙ্গা ব্রাথন্না ব্রাহল্লি। মাদি মাবু য়েক্লবা ওইনা খল্লিবশিংহুগীদমক্তসু ব্রাদবা ঙমদে। মখোয়দনা ফচ্চদবনি। চম্না মুংঙাইনা লৈগ্রবনি; অহুদা, ফগংলক্তুবশিংহুগী খল্লুরগা মুংঙাইতবা পূম্না থুংলরি। অচীকপদা ব্রারিঙৈদা মুমিং তাগ্রবদা হঙ্গিনগ্রে।

---

(১৩) নুমিদাঙ্গী লম্বী

ইকাইখীবী লৈবাংনা শাজংথীবা খোইমুগী য়েক্লবা ওইবগুম, চন্দ্রলেখাসু কুঞ্জমণিগী লাকশিম্বা ঙমত্রবা য়েক্লবা ওইগ্রে। লৈপান্দা শাংচবী শীংঙেম্না করম্না য়েক্লবা থমগনি? লৈশক্লা, লৈনম্না য়েক্লবা লৈহল্লি। চন্দ্রলেখাসু অহু মঙায়। থব্রায়না থাদোকপিরম্নবী ওইরে। অহুনা, য়ুমগী অহনশিংনা লৈত্রবা মতমদা মচি মচিদা চপ চপ লেপ্পুনা লৈরক্লে। ফত্তববু কিজহুনা মুরা শিঙ্গাং ওইরবা লাইজ ঈশোক থৌসু থোঙ্গাল লান্না থৌবাংখিগ্রে।

শাওং শাদ, নিথিবীনি, সনাবুন্না পামজহুনা মুমিদাংব্লাইরম খুদিং থাদোকচদবনি। অদুবু, লমজাউ শোরোক্তা কুঞ্জমণি ওরুগনি খবদা মাগী ঈশোক এথুবী কোন্দুনা মাবু থাপ্না পুথোক্লিংখিদ্রে। লৈতেংদ্রবস্থু ২৭০ ফজবীনি। হন্দক্তি কায়ন মৈশা লাংবনা য়াম্না চমগে। অদুবু, মীনা তোয়না ব্লাবীনখিনি খবদা দণ্ডিগী মশক ওইনা মক মবক্তা ইনান নাম্না পুখি মপান্দা হৌবা লফুরক্তা লাহেক ভমই। ঈদায়দা মালংবনা য়েবদা হৌখিবা হাদবা ঈপোম্না ঈনোম্নকপতুগা চন্দ্রলেখাগী মপুঙ ফারবী নুবাগী হকচাংনা খোঙথাং খুদিদা তনিক তনিকপতুগা চানখে। অসুম্না মুনিং তারমদাইদা মশক উংপা, অদুগা মমান্নবীশিঙ্গা লাইরিক তম্বা চংপদা শৌগিং শৌগিংনা লমজাউ থোকপা অসি নত্তনা করিমতা চখোকখিদ্রবনি।

কুঞ্জমণি মমা মচাদি মাবু কল্লকপদগী হেন্না ফত্তবা ওইদ্রে। মী কয়াদা ব্লানোমই। শেল কয়া তিংই। অতৈ অতৈস্নু ময়েংই; অদুবু, মনাও মুপাগী নিঙবা থুগাইনিংবনা মাদবু তান্নরি। অদুবু, শান্তিকুমাবনা ময়াম্বগীদমক্তা চন্দ্রলেখাবু থাদোক্কুনা চংখি হায়বসি মীনা ভাংনবদগী মমা মচাদু কল্লকপা ব্লাখল হেক হেক থাদোকপগুম তৌরি। মখোয়না ফগৎলক্লবস্থু মাগুম্বী অমা ফংবদি হন্দক্কা নদ্রে। মাগুম্বী ওইদ্রবস্থু করম্বা মপা মমাগী মচানা মখোয়গী ইমুঙ্গী মৌ ওইবা পামগদগে? য়ুদং থক্কু বদি মনাওনা য়াম্না হুংভাইগনি। "মীনা করি হায়নরিদগে, ঐখোয়না তৌরিসিবো?" হায়বসিনা ফজনা লায়য়েংহুনা মখোয়বু ফহল্লবদি

মধুচন্দ্রবু্সু হরাউনা লাক্লবা কৌরুগনি। মীনা য়ানগনি। মসিদি মওদস্সু মওনদ্রবনি। অতুনা, মথোয়গী মতৌ অতুম য়েংবা হায়রহনি।

নোংমগী সুমিদাংনি। কমুং চওনবা মতম য়ৌরে। শোরোক্তা চুম্নগী ব্লাঙাং হৈত্রবশিংনা নিম্বা হৌরক্লে। মশানা মশাবু চুম-থোকচত্রবদা মীনা মীগী থীরবা লমচৎ মাঙহন্বা ওইথোক্কে। অতুবু, অসিগুম্বা মতমদা সিপাইশিংনা লমহেন্বশিংবু ব্লারক্লবা থিরি। লাওইবশিংছু হৌজিকমক্তি উনদ্রিবনিনা মরাওলি।

১বা— ঙসিদি মথোয়ছু লাক্লবা য়াইদা!

২বা— করিতৌনি, থোইবা? লাক্লগা মথোয়গী গাড়ী ভোংখিবা হায়বছুনিদনা। অতুদা, ঙসিদি, হৌজিক্কীসিনদি হন্নাভোংবা য়াখিরোই। অশ্বাইদগী খিতুংগা হাপ্পুখিসি। নথোয়দি খওদে, কুঞ্জমণি ঐদি য়াম্না ব্লাংলে। হেরো, নংদি কম-দৌরি? (কন্না কন্না লাউই)।

হেরো— নথোয়গী অঙৌবীনা পীদ্রবনিনা ঐদি ইথক থক্লক্ত্রবনি। গাড়ীগী থাউ লৈনবা পৈশা ফাওবা লৈতহুনা কোয়পূ পূরিবদা কদাইদগী পৈশানা লৈহুনা ঐবু পীথক্কদৌরিব-নোনে? ঐগীবুদি লৈত্রনস্সু য়ারেদা!

থোইবা— মানা থোকপা ভৌজনি, করিস্সু ব্লাবিক্লমুদা! ইনেনা অঙৌবীবু শোয়দনা মমৌ ওইবা তারবনিনা লুহোংনবগী পৈশাছু তুম্না চাথোকপা য়ারবনি। লাকও, লাকও, গাড়ীছু অসুম থনমসি। য়াম্না থৌরাংলে।

হেরো— করিগুম্বা মখোয়হু লাকপা খোক্লবদি ...... ? (চৎনা চৎনা) ।

কুঞ্জ— লাকসনু ! কৈদৌনি ? ঐদি ব্রাখন্না মুন্নে ! হেরো, মংনা ইমাদা অঙৌবীগা ঐগা লৈনরিবা মরীসি থোক তমথোক-লুখিনুকো ! য়াদ্রবা মতাংদদা হায়দোকদবনি ।

হেরো— ঐবুদি তয়োইনে ; অতুদা য়া য়া লাউরক্লবদি ...... ?

থোইবা— অদুগা, চন্দ্রলেখাগা অঙৌবীগদি খণ্ডনবনি, ব্রারীসি শোয়দনা থুনা শন্দোরক্লগনিদা ! লোত্তুনা কান্নররোই ; কৈদৌগে, শকস্থু অমহুগা চাইকেং মমান্নে, অঙৌবীসি হেক্তা পুশিল্লসিবা ?

কুঞ্জমণি— অদু ওইরবস্থু, ইথোয় থোয়বীসিবু অমুক্তংদি মথুদাং পায়খিনি ; নত্রবদি, কুঞ্জমণি ঐ হিংবগী কান্নদ্রে ! কান্নদ্রে ! (য়ান্না কন্না লাউবদগী লম্বীগী মনাক্তা লৈবা য়ুমগী হুইনা থংথোং খোংলকপদা) হুইহৈ ! থুত্তুমসিনা নখয়াত্তুদা হেক !

হেরো— তুমিং খুদিঙ্গী মতৌচু নত্তেহৈ, হুইনাউ ! ঙসিদি মতৌ ইমান মাল্লক্তুবনি । শিদনা তোকচনি ! নহানমথৈ ঐখোয়না অরাউ খুদিঙ্গী নংনা হেক হেক তম্বহু ঙসিদি য়াররোই । নমায়হুদা ইশৈ শকচিল্লুরা ?

কুঞ্জমণি— হায়গুম্মদনা, মনাঙৈগী ইশৈহু অমুক্তা শকউবা ! ঐবু অনগী ব্রাখন্না ঙাওরে, অদুগা অমবু কল্লকপনস্থু লোইরে !

হেরো— ফরে, শকে ! অদুগা, জাৎ নান্নত্রবস্থু হেক্তা পুরক-অসিকো ?

কুঞ্জ— মচু হেক লেপ্পা ওমখিরোই। য়াম্নবদি …… য়ারবদি
চেম্বনা ফগনি ; নত্রবদি ইমানা ……।

হেবো— নঙ্গী ননিঙ তৌরো, অচুগা নঙ্গীসি লুদি লুইকো,
কুঞ্জমণি।

কুঞ্জ— লুগে লুসমু, থেনগে থেন্সমু ; ইশৈ তাবগে, শকও!

হেরো— ফয়ে ফয়ে তারো :—

তাইবং মাগী পুম্প্রিদা,
কালেল মাইবা চিদাইদা
থম্বাল নংনা শাৎলম্বা,
ওইরুই ঐদি মুংবংবা।
লৈরাং নত্তৌ উরুবা,
শীংডেল লৈনম খঙলুবা
তাইবং মীনোক কাউরুরে ;
নঙ্গী লাংদা থুকরে।
থাদোকপিরো শকহেম্বী ;
লৈকং থম্বাল অঙৌবী।

ইশৈ অসি লোইখিবগা লোয়ননা মখোয়গী মখোন তাখিং-
ত্রে। মখোয়গা উননিংদবশিংনা লমথৈহুনা চৎনবনি। কুঞ্জমণিনা
জীপ থোরগা মখোয়নিবু কোয়পু পুহুনা কোয়রি, থক্লি, চাবি।
ময়ুম য়োরমদাইদা, ওসিদি অরাম্নদগী য়াম্না ম্বাংলক্কুনা, অনকপদা
চণ্ডক্রি। মীনা মখোয়বু তাক্কুনা কয়ারক ফাইম্নবনি। অচুবু,
থাদোরকপদা হেক্তা হাম্নগী ফীবম হুজিল্লি। ওসিদি কনাবু সু

মখোয়না লাক্লদবগুম তৌরি। ঙসি মঙা তরুক্লিসি মখোয় য়াম্না মুংঙাইরি। অদুব, মখোয়ব লাকপা ঙম্বশিংনা লুম্নি। মতম খরা হৌখ্রবা মতুংদা অমুক থোরক্লে ; নিল্লরে চপ চানা। যণ গাড়ী অমা লাকপগুমই। মখোয়গী মায়গৈরোমদা লাকই। মহু খঙবদা কুঞ্জমণি চুম্না চৎপা ঙমদনা মচীন থীবা হৌরক্লে— যণ গাড়ী থৎকনি ; চৎপা য়ারোই। অতৈহুম্ মথং মথং মখা তারকই—

হেরো— য়ারোই ! য়ারোই। ঙসিদি অমতা থেংনত্রি। য়াম্নমু থেঙলে, অদুনা ঐখোয়গী লম্বীদা চৎপদি খরা ব্লাবা তারে ! (কুঞ্জমণি শেম্নবা)।

থোইবা— লম হেল্লগা খুত্তগীসি চাবা হায়দুনি ! (মাস্থ খরা ঙাওবা)।

গাড়ীদু অস্থম নকশিল্লক্লনা য়ৌরক্লে। মুপী নহাগী মখোন্স তায়। গাড়ী মন্নুংদা ওইনা তৌই। মখোয়গী মপা হেক য়ৌবদা মখোয় অহুম্না শোরোক থম্না থত্তনা লৈখ্রে।

কুঞ্জ— কদাইদনো অস্থক থেঙনা চৎলিবসিবো ? মী কয়া শুই ? (শায় শায়দুনা ঙাংবা)

গাড়ীব্লালা— ময়াম লম্বী অমুক্তা থাদোকপিয়ু, খিত্তা চৎচগে। (থৌবা)।

হেরো— মীনা য়ারোই হায়রবদি তোকউদনা। ঐখোয়গী ইনমসি খঙব্রা ? অদুগা, খুৎলাই (থাং) য়াওরিকো। লম হেন্দবা কৈ। (কম্না থিংবা)।

খোইবা— চৈ চাহুনা তোকনি!

গাড়ী— কৈদোঙৈনো, অমুক লৈবিরম্মু; মহুদা ময়ামগী সেবা তৌজগে! ঙসিদি ... ... ।

কুঞ্জ— ঙসিদি ঐখোয়গী (অসি হায়তুনা ষল্লাবা অনিহু গাড়ীদগী চিংথোক্লবা হেক তৌরকপদা খঙহৌদনা গাড়ী মন্নুংদগী মুপী খোনথোক্তা লম্বী পীনবা হায়জখি; কুঞ্জমণিহু য়েং-নিংখি)। নহাবা অহল্লা নশক য়েঙ্গে। (গাড়ী মনিঙলোমদা চৎলগা মৈখেং খেত্তুনা মশক য়েংনবা তৌবদা হেরোবু হেক ইল্লোক্তুনা মখোঙ হেক থাংতোকপদা, শমত্রবদি চৎপা ঙমদবনা, ষণগী মনাকমক্তদা তুথোকখ্রে)। হেরা, তুরেনে! আয়! আয়! হৌগৎপস্থ ঙয়াইদৌবেনে! হেরো, লাউনে! নং মশক য়েংউচো। (খোইবনা গাড়ীহু ঙাওনা ঙাওনা তুদি তুদনা থংপা)।

গাড়ী— কৈদোগে, লৈবাক মচাশা! তৌনগুমসিদা! অবেম্বদা... ! নখোয়গুম্বা জাং অসিদি ফনা য়াম্না পাবা ঙমগনিদা! (তপ্পা ঙাংবা)।

কুঞ্জ— কুঞ্জমণি শাউবেদো! মমাঙৈঙগুম (থাং লৌথোক্লগা নুংদা য়ৈবা, হেরোনা কুঞ্জমনিনা হায়বদগী মৈখেৎ খেত্তুনা গাড়ী মন্নুংদগী মীহু য়েংলি; শাশিন্নবা মাল্লি। কুঞ্জমণিহু মখোঙনা গাড়ীরোমদা ওল্লা তুরি; গাড়ী থোবহুনা যণ্ডা শাজৈনা শেং থাহুনা মচি খিত্তং লেঙহম্বদা মখোঙহু ষম্না নেৎখি)। নেৎলেনে ষম্না! ঐবু নেৎলেনে! (চিংথোকপা) ইশ! নাঞ্জেদা!

থোইবা— হৈমা ! চত্তৌরিবাউ ? মীবু থকইন ভৌরিসিবু ! (কম্না তুংলোমদা খোঙকম হন্না হন্না থংপা ; মন্না মাগী ফুরিং-খাউদগী মচীন হেন্দোকপা ক্লমান্দু চিংথোকপা ; শায়বা। হেরোনা কুঞ্জমণিবু য়েংবদা শীজিন্নবা মৈগী মঙাম্না মন্না শায়বিবত্থু উবা)। মণম্ব কৈম্ব মান্নপ্রেনা ! ইমানা শাপোন য়োম্নরকপা ক্লমান্নিনে, ভাঈ ! নংনা চাবা য়ারোইনে ! (মমিত্তা কিন্না থিনগে তৌবনা শোয়ত্থুনা মচাদা শুদ্ধিম্বদগী) অয়ো-য়ো ! (গাড়ী থৌবত্থুনা অমুক থিত্তং থৌবদা মাম্ব মখুং অমত্থু নান্থোক্তুনা তুখিবা, হেরো হোংচিল্লকপা)।

গাড়ী— শিদনা তৌক্লরনিকো ! (থোইববু হেরোনা চি থোকপা)

কুঞ্জ—ঙসিদি ঐগীত্থু হৌরক্লবনি ! (মখুত্তগী থাংত্থু হাইগত্তুনা মণ্ডা য়ান্নবা লৈশিল্লকপা, মতমসিদা ঙশাই মথৈ লোংল্লুবা গাড়ীথৌবগী থাংমৈত্থু থংভান ভাম্থোরকই। চুম্নগী থাউগী থাংমৈ নত্তে, কাপ্পবনি। কুঞ্জমণিনা তৌরম্নিবত্থু উরে অদুগা মানা হেরোথোরদা গাড়ীত্থু খোংবান্দা ইম্থনবা লাউরকই)। থাদৌ থাদৌ শোরোক্কী খোংবান্দা ! ইম্থৌ মথোরগী গাড়ীসি ঐথোয় অত্থমগা মথোয়নিগা পাববু, হেরা ! (অম্নুম অম্নুম লৈশিল্লকপা, অনিত্থুনা ম্নানা গাড়ীত্থু ইম্থনবা তৌবা, গাড়ী থৌবগী কাপ্পবা থাংমৈত্থু য়াম্না ঙানখি মত্থুনা মথোয়বু উখি মত্থুদা কুঞ্জমণিত্থু য়াম্না ঙকখি)। করিনো গাড়ী থৌবনা—মণগাড়ীম্নালানা অত্থুগুম্না থাংমৈ পুবদি কম্নিগনো ? (য়াম্না থুনা হুইশেল হন্না হন্না খোংখি ; মথক্তগী অনিত্থু চৌংথরক্ক না

অমনা কুঞ্জমণিবু নমথ্রে। অতোপ্পহনা ভাউরি ভাউরিবা থোইববু লম্বীগী নাকন্দা ইম্বুরগা হেরোবু মকোক্তা চৈনা ফুরগা তুহনখি, লম্বীগী মতাইদা মখোয় অহুম্মক পুন্না থমখি ; অতোপা নিপা অনি অহুমম্মু হোৎচিল্লকখি ; কুঞ্জমণি অমম্মুং হেরোদি মরোল লোম্বা ভমখিদ্রে। মখোয়না খঙদ্রবননি, মখোয়বু ফুরিবশিংহু থানাগী সিপাইশিংনি। মখোয়নু ফাবা য়ানবা তৌরকপনি। মখোয়গী মকোক ওইবহুনা মখোয়গা করেম্নহুনা ব্রা য়ান্না ভাঙনখি। কুঞ্জমণিদি অমুক ব্রা ভাংবা ভম্লহুনা থোইবগী মতেং পাংহুনা ব্রা ভাংলি)।

লুচিংবা— নখোয়গী লুচিংবা কনানো ? (থোইবদা মশা পায়হুনা হংবা)।

থোইবা-- ভসাইদগী খঙবিদ্রিবোইরে ? (সিপাইহুবু গাড়ীদা য়াও-রকপনি খঙনা)।

২বা সিপাই— অমুক করেম্নগনু। (মখুম্মিত্তা 'কাক' ; খাং-তেন্স্‌ মুম্বা)।

থোইবা— অয়ো ইমা ! শিরে ! শিরে ! (চোংবা)।

কুঞ্জ— ঐনি, মকোক ওইবদি ; ঐবু ··· ···।

লুচিংবা— ঐখোয়বু খঙব্রা ? নম্নিং করি কৌই ? কদাইব্লাই-দগীনো ? (মখোঙ থীম্বা)।

কুঞ্জ— মমাংঙৈঙদা হেক হেক থাদোকপিরম্বশিংহুদি মাম্রে ! অহুবু, খরা খরা তৌজগে, নত্রগা ময়ামগী লিক্লি অমা অনিদি ফাম্নবা (ব্লাসিমক হায়বা লোইদ্রিঙৈদা মখুরাইদা 'কক' 'কক'। কুঞ্জমণিহু থরো থরো ওন্না থাঙলি)।

লুচিংবা— নচীন থীগন্থ। কনাবুনো নহাক্কা হায়রিবন্থবো?
খঙত্রি ঐখোয়বু! নখোয়না হায়রিবশিংন্থদি হৌজিক্তি লোইনা
থবক তোকহনজবনি। মখোয়গুম্বা হূরাম্বা নত্তে ঐখোয়দি।
নমিং নথা হায়য়ুনে। (মনমদা 'বুপ')।

থোইবা— কিবদগী শেংনা খুম্বা ঙমদবা ভারে; অমুক্তা ফূ…ফূ
…ফূ…ফূবি…ফূবিখি…ফূবিখিন্থ!

৩বা সি— করিগী কিশন্নরি? (অমুকন্থ ফূগে তৌবা)।

কুঞ্জ— হায়জরগে! কু…ঞ্জ (হায়নিংদবা। মন্থদা চৈ হাইগৎখি)।

থোইবা— … মণি (হাইগৎলিবা চৈন্থ মৈভান্দা উবদগী)।

২বা সি— মুংথিন্দা ওইরবদি নখোয়গী পীশুনশিংন্থ মুংশাশোর
হোন্নরগনিদো! হৌজিক্তি খুজিন্না শিরুবন্থ য়াদ্রবনিনা,
ৱারেদা! লৈফমদি? (চৈ কিদ্রবা কুঞ্জমণিখোয়বু য়াম্না ফূদনা
করেম্নরি)।

কুঞ্জ— ইনক নকই; লম থোক্না ঙাওজদবনি! থাদোকপিয়ুদা!

লুচিংবা— মুংঙাইদা! ঙসিদি ওন্থোকপা অমা থেংনরে! অন্থবু,
ঐখোয়গী চৈসি মোইথাপ মাম্বা? (মকোক্তা থম্বা)
হায়নিংবমখৈ হায়য়ু। চৈদি খরা চাবা তারে!

থোইবা— মন্থমক্তি, হেন্থাক্কা হঙোই পোরোবীগীগা মান্নে, মান্নদে
হায়বা ঙম্নিবনিনা, মান্নৈদি হায়ররোই!

২বা সি— নংদি খুন্দুনা পুখনদা হাপকৎপ-ককা য়াওজবরা?

থোইবা— খুম্বদা নত্তে… … … ।

কুঞ্জ— মহাউ খঙলবনিদা! অন্থগা, য়ুবীগা হন্থবগী য়াগা মান্নে…।

লুচিংবা— করম্না খঙই ? হায়য়ু ! নংখোয়সি ঙাওশিন্নবনিদা !

থোইবা— ইপুরোক্না অঙাং ওইরিঙৈদা কা ইম্বিবদা য়াওখিবগী ন্নানিদা ! কুইরবনিদা !

১বা সি— অতৈ মান্নবা লৈরিব্রা ? (হেরোহৃদি লেঙবদি লেঙলক্লে)।

কুঞ্জ— ইরোইগীগা ফোলাগা ... ...।

থোইবা— মৈখুম্নু য়াম্না পাম্বনা নোংমাইজিং নুমিংকী মুমিদাঙ্গী লাই খুরমফম থিবদা থোকখিবনিদা !

লুচিংবা— ফরে, অত্তদি নংখোয়গা করিগা মান্নে ?

কুঞ্জ— মীথোই মীহেন্না ঐখোয়দি খ্বাইদগী (লোইদ্রিঙৈদা কন্দনা মংকোক্না হাইথরকপা)।

লুচিংবা— পোকচবগীম্নু হবাউনিংঙাই লৈত্রবা, শিরগা তেংথাফমম্নু খঙলবোইদবা, নমায় কোন তোপ্পা নংখোয়সিদি নোংমৈ হিদাক হাপ্তিন্দুনা ননাকোংদা মৈনা পান্নগা 'বোড' হেক পোকখায়হন্বা— মত্তুনা ফরগনিদা ! শাগুম্বশা ! চংলসি লাকও। (চিংনবা তৌবা। ষণগাড়ীহু থাগ্রে ; হন্নাগাড়ী অমম্নু থুংলরে)।

থোইবা— ঐখোয়গীম্নু জীপ অমা য়াওরকই ; মহু কনাদা শিন্নরমগদৌরিবা ?

লুচিংবা— য়াম্না লেম্না ঙাওবিরিবা জাংনিনে ! মী নেক্লগা থৌহনখোদনা য়ারগা ! মত্তুম্নু পুরগদবনিনে, পুরগদবা ! খঙব্রা ?

হেরো— মীনা থৌবা ম্নাবা গাড়ী নত্রেদা !

২বা সি— কৈদৌরে ? ব্রেক য়াদ্রবরা ?

কুঞ্জ— য়াবি, ফাদ্রে হায়বনি (মসিদা মাবু হন্দক্তি মরোল থোক্লনবা ফূংখ্র)।

লাক্লিবা গাড়ীহুনা মখোয়দু লোইনা উতুপ ব্লাতুপকুম গ্রোঙ গ্রোঙ ইনখৎখ্রে। অনকপদা লৈবশিংনা মুন্না মুন্না তাখি। কনা-মতম্ থোক্লকখিদে। মখোয়বু খঙবম্ য়াঙবনি। লাংদা থুরবা শাহিং চাবা শাবু কনানা খাদোক্লিংগনি? কুঞ্জমণিগী গাড়ীদুম্ পুখে। নহানমখে নাম্তোক্লুববা য়ুযোম্বশিংসু ঙসিদি লোইনা ফাগৎখিবগুম তৌখে। তুকান অমা শারগা মৈখেং চুরুপ য়োম্বগী মিংদা যু লল্লোম্বশিংদুসু লোইনা গাড়ী তোংখ্রে।

---

(১৪) অঙকপা

শান্তিকুমাবদু নিংথমথাগী ছুটি অশাংবা অমা লৈবদগী ইম্ফান্দা মরি মঙানি লৈথোক্লি। কনাগীদা লৈরি? মরুপ বসন্তগীদা য়াম্না হঙ্গোইনা পঞ্জরি। অয়ুক নুংথিল য়াম্না কিনা মপান থোকচৈ। খরদনা লৈ হায়বা খঙই। চন্দ্রলেখাদি কমদৌরি? নুংঙাইনা লৈখ্রে হায়বগুম তৌরি। করিদা নুংঙাইরিবা? বসন্তনা শান্তিদা মানা নুংঙাইরিবদুগী মরমদু মাগী পরিক্ষা নকশিল্লকপ-দগী তম্লিংখিদ্রে। অদুবু, ময়াম্বা কুঞ্জমণিদি হান্নদগী হেন্না ফত্তবদা মপুক্লিং লুপ্পগুম তৌরি; মমাতোনম্ য়াম্না খোয়রাঙ-খোয়শাউ-নখ্রে। মানা পাম্লিবদি—চন্দ্রলেখানা মাগী ব্লাখল খন্দনা নুংঙাইনা

লৈখিবা ; অদুগা মমা মচানা, মাবু মুংশিবিদ্রস্সু, অক্ষবা মীওইশিং ওইরকপা, অসিনি। অদুনা, চন্দ্রলেখানা ৱাদ্রেবস্সু মমা মচানা তৌবিবত্ত তারগা মা ৱাখি।

হয়েং হংচিংকুম্বা মাগী থবক তৌফমদা অমুক চংলগদবা শান্তিনা বসন্তগী অহনশিংবু ঙা অহাউবা চরা অমত্তং পীজনিংহুনা অদুগা ঙাল্লিদুনা মীনা কপ্প্রকপা পোৎ মচা-মশু খরস্সু লৈবা তাবনা ঙসিদি মুমং লৈদিবদুনা কৈথেল অচৌবা পাংখে। মানা লাকপা থুদংদা চংলা মতম মতমগা ওইনা ফংবা ইন্সাং নাপীনা চেঙ্গী মতুং ইন্দুনা থুংলে। মাবু মরুপকী অহনশিংনা য়াম্না লুনা তৌই। মাবু মরুপকী অহনশিংনা য়াম্না লুনা নিঙবনা চেঙ হেক হেক পুরকপত্থু শাউই। মখোয়গী ইমুংসি চাব-থকপা ৱাত্তবা ওইরি। হন্দক্তি মানা লাকপদা চেং পুরকখিদে। পৈশা ওইনা পীশিনহুনা কুইনা লৈনবা শীনখিবনি। মীগী ময়ুমদা থুংবা হায়বা অসিমক্তব ইনুং মুংচাইতবনি। য়ুম্বুনস্সু ইরায় লায়না থন্দবনি। "হেক্তা থুংলুরগা লোইবে" খম্বা লমগী মী নত্তে শান্তিসি। অদুগা, মাগুম্ববুদি লুনা তৌরাইদবা বসন্তখোয়স্সু নত্তে। মতুংদস্সু লুনা তৌবিনবা মানা লৈবা ঙম্বা অহাউবা পোৎ অমা পীজরম্লগা চংখিবা পাম্লি।

কৈথেল য়োঙখ্রে। মুশিং তাগদবা ফন য়াম্না ৱাংলি। অশুম চংলিদুনা লৈরাং থরোগুম খোৎচরবী, লমঙাদী কুচুনা লৈতেংবী, মিং পুম্নমক্কী পোখানফম ওইরবী, অহন ওইরবী অমনা শেম্ন-রিবী, নহাদ নহা ওইরিবী মুক্তা অমনা "ও তাদা। করিগুম্বা

অমতা হংজগে!" হায়রকপন্দগী লম্বীগী মতাইদা লেপখি। শকপু খোঙ্খোক্লা তাংজবী ওইবম্মী। মরোনগী খোংস্থাক্তা মীয়োল তাং-লিবীহুগী নাক্তা লেপ্লিবীহুদি পুন্সি লমশাংদা লমথুংকম ফজদোরবী ওইবনা ঙৈ তনিক তনিক্লা মরোন্দা অনিতবন্থ কোংদোক্তুবদি তম্নিংবন্থ ফজনা তমতমদবী ওইনা শান্তিগী পান্থুম তাইরম্মী। ইহা হাদনা "করি ওইররবনো ?" থুমখি। 'তাপ' ফৌথোকপ্রে; অত্তুবু, 'ইবেম্মা' পাউথুনখিদে। হেরা, মীনা নখা তাবক্লদৌ-রিবসি অমুক্তা তাখিসিদা! নহা মুপীন্থ নিংলু তরং ঈহৌখি। থোরক্কদবা ল্লাহৈ খৌবিদা থামখি। কনাগীনো? অট্টবনা য়েংনখি। খঙনিংখি "তাদবু, এথোয় মী অমা থিজরকপনি। নিং পন্দুনা তমজরগে— কুঞ্জমণি কৌবা অমগী লৈকম থিজরক-পনি। খঙবিরবদি অমুক্তা তাকপিযুবা!" শান্তিকুমার ডক্রুপ তৌখি মাগী মায়থোংঙ্থ য়েংলুবগা চিংনবা হাৎকখি। য়াম্না থুনা মরম খঙনিংলে। মী খরা হাঙবা মফমদা থৈদোকপ্রে: হংনিংবা পুম্বা— মীওই মীতৌ, কুচু-কুমেন, লোইনা হ নদ অতৈ কুঞ্জমণি নত্ত্রে হায়বন্থ খঙবদগী "করিগী ওইররবনো ?" থিরকপগী মরু তানখি। হন্দক্তি ল্লাদ ল্লাবা ওইখি। পনতমদন, লৈখ পন্নিংবা! ফিজিনা থনখে, নিঙবা কায়নগী নোংহৌনা ইকাইবগী চীংমায়দা ঈফাংহল্লবা মিংলু অনিত্থ! শৈহৈতবনা শৈশকপগুম হৈনদবা মীয়োম্দা 'না' 'পু' শুদনা মথং মনাও কায়বা ল্লাহৈনা লোয়ন-রিবীহুনা ল্লারীপ্রে। লোইনা খঙলে।

অল্লাবা উরগা ল্লাদবা ওম্নদবনি। মুংঙাইতবা তাবগা মুংনাংদবা

তৌনদবনি। মীগীদমক্তা ৱাগম্বা শান্তিকুমার অঙকপা অৱাবা পাউ তাবদগী শোর হোন্দবগুম লেপ্তুনা লৈখি। মাবু ইরায় লায়না খঙহন্বদি হেক ঙমখিদে। তারগা ঙাইহাক মুন্না থনখি। মৈতৈরোম্না মরোল ওইবী মৈতৈ মুপীমকস্তু হেক লীথোক-তমথোকপা য়াবা ৱাফম নৎলমদ্রে। অতুবু, শান্তিকুমারনা অস্তুম্না হায়রিবনি হায়বদি খল্বি— "ইবুংঙো, নচনসিনা নংলিবা অৱাবসি ইমা নঙোন্দা লীরগে। মসি তাবগা ঐখোয়বু ইকাইখঙদবীস্তু তাহনগন্নু। থোওই উশিন্তুনা তৈবস্তু নত্তে। লোৎলগা হেন্না খুদোং থীরক্কদবা ওইবনা ইচাদা হংজবিবনি। অতৈদা হংজরুবদি খঙদবনা মথা তানা খুম্বিরক্তে অতুগা তাকপিরক্তে। অসিনি তমগদবদি— কুঞ্জমণি হায়বিবা ইবুংঙোসিগা ঐগী মমা মপানা নৌনা হুন্দোকপিরম্লবী ইশু মুপীসিগা লৌন-লৈনসি হায়না ৱাশক পরৈ চেৎনা মুংশি-মুংওনগী অয়োবী থাক্তা থম্মোইগা থম্মোইগা তিন্নতুনা হৈরাঙ লোঞ্জা চামিন্নু, লৈরাং লেঞ্জিন চিন্মিন্ন নূরা পাখং পুন্সি লেনগ্রমাল্লে। মতুংদা তাউজিং হৈক্র পল্লবী ইশুসিনা ইবুংঙোসিবু উখিদরে। তশেংনা লোৎগ্রমাল্লে! খুনগী মীশিংনা খঙলকপা তারক্তুনা কোয়চেন চেন্দুনা লৈবি ইবুংঙোসিনা লাইবক-থীবীসিবু হুন্দোকপিরবদি মাদি লৈফম লৈবগাই! মানা লৈফম লৈত্রবদা ঐগী পুন্সি লোইরগনি! অতুনা, ইবুংঙোনা মাবু ফংনবা হোৎনবদা থরা তেংবাংবিয়ু।"

করম তৌগনি? মানদি করিস্তু চিংনদনা মখোয়গী অপাম্বা ফংহনখিবা য়াই। অতুব, মমাতোন অমস্তুং ময়াম্বনা খঙলবদি

হেন্না ফত্তবা ওইরে ইদ্রা৷ ৩গা নৈবিদ্যদা পিশক্না মনিগা মীবক্না ঊবি। পবপ পবপ চায়রক্না কৌথ। রারী পুশ্না মানা মখোযনিদা লীগ্রে। থু লবে মখোয়নিস্তু শাস্তিনা পুরক্কনা। অঙৌবীসি চীংলৈবাক্কী নিংথৌগা। পিশক্না যান্না মুন্না মশক খঙবা মশু মবেল্লি নাসি চা মান্দা। লেংসচং চংপা মীওই ওইনা লৈবকপা কুইরে। মশু মবেন্নমু পিশকপু শউলি। মশু মুপীচুদি মাগী মশক উবদা যান্না ইকাইনা লৈথি। চন্না কৌবগা অস্তুন্না পিশক্না খৌজাল উক্কনা শাবনা খাঙল ইচুহনখি, "ইবেম্মা, অঙৌবী, নং কবিস্থ চিংলগন্তু। নঙ্গা নিওবা থুংবা ঠাখোযনিনা শীনগনি। অদুবু, নোংমা নিংনিদি ফৈনশী ইন্না যুমগী মৌ ওইদনা কনাগুম্ব-গীদা পনখিবা তাবি। ঐনা নঙ্গী নপুরোইবা ওইবনদুবু নঙ্গা উননবা হান্না কৈকনি। মাস্থ নংবু কাউবদি নত্তে; অদুদা, মা হন্দক যান্না কন্না উন্নদ্রে। অদুনা, মশক উংলদবনি।" পিশক্না অসি হায়বদা লাইনমক পোন্নবে। শাস্তিবু থাদোকখ্রে। মানা চংশ্রবা মতুংদা পিশক্না মণিবু মশু মবেন শঙহল্লম্নগা মাগী লৈগদবা পোং খন্না লৈকনগা দুমিং তাবক্লবদা মখোয় মবি চংমিন্নখ্রে।

পিশকসিনা কুঞ্জমণিবু অঙৌবীগী য়ুমদা হেক হেক থেংনখি। মানা ফংচদ্রবস্থ মীবমদদি মাবু তরাম তরাম কৌই। অস্থম তৌবদগী তুংদদি অদুম চান্নখ্রে। মানা কুঞ্জমণিবু য়ু থক্কনবা হায় হায়রুনা লাকপনি। অদুবু, য়াখিদ্রে। অঙৌবীসিমক্তি য়ু য়োম্বী নত্তে। মাগী মনেশিং অমা হায়রিবা খবকসি তৌই।

অদুদা অঙৌবীগা কুঞ্জমণিগা হেক হেক উনখি। জাং খায়দবা লুংশিবনা মখোয়নিবু খম্মোই ত্তিন্নহনখি। অদুবু, কুঞ্জমণিদি মমাগী মচানিনা নোংমা নিনি কল্লা ডম্ল্ দবদগী মতম খরা মাগী মশক উখিদবনা মাবু কাউশ্রে। অদুবু, পিশরুদি অঙৌবীখোয়বু হুরাউহনখি। তৌদবুদি, মানা কুঞ্জমণিবু থেম্বা ডমগনি হায়বসি খঙই। অদুগা, মসি চেন্দুনমু হি লোইদবা ওইবনা, মানা অঙৌ-বীবু এক্তুনীনি হায়নদনবদি শায়া পাম্লি। অদুনা কনা লৈজদ্রবী মশু মনেমু মানা পীবা য়াবা মতং পীনিংলি। মসি, তৌবদি, কুঞ্জমণিনা হৌজিকমু অঙৌবীগী য়াথল পুনথা থাদোক্তিু খঙবদগী খন্নি। গম্ভীনীমু য়াসি ভাববনি। অদুদা, খঙদবী শাদুনা চেন্নবা তৌরি। অদুবু, লাল্লুরবা মখোয়না থিরক্কদবা মীনা থিরক্লবদা কয়ম্না চেন্দুনা হিঙ্গনি?

শান্তিকুমারদি য়াম্না থুনা ইস্ফাল থাদোক্লিংশ্রে। নোং ডান্লিডৈদা চংখি। মানা, চন্দ্রলেখানা লুংঙাইনা লৈরিবগী মরমদু ময়াম্বনা অঙৌবীসি শোয়না পুশিল্লক্লগনি খন্বদগী ওইরম্বা ডাই হায়না খনশ্রে। মানদি ইচম চম্না পিশকখোয়দা অঙৌবীখোয়বু শিন্নখি। অদুদা, মসি মমাতোন অমসুং ময়াম্বনা খঙলবদি মাদি করি ওইগনি? মতুংদদি বসন্তখোয়দফাওবা থুংলদবা য়ারি।

---

(১৫) ৱারী তাবদা

শান্তিকুমার লাইরিক্তা ইথা থাজদনা কলেজগী থাক য়োৎব্রে। লৈখোম লৈনাং তৈবা থবক পামদনা, ইকং কংনা ইনান নাম্না পুন্সি লেন্নিংবা মীস্থ নত্তে। ফীবম চাদনা হৌরকপনা অমোৎপা থবক শূবদি মঙোন্দা অনৌবা ওইররোই। অত্থু, মানা হৌজিক তৌরিবসিনা অতৈ শিনফমদগীদি হেন্না ফগনি। মরমদি, মরৌ মশীংস্থ লৈবা নত্তে অত্থগা চহি অনি অহুম তৌরক্লবা, হৈনরক্লবা ওঝা ওইবগী থবকস্থ থাদোক্লিংখিদ্রে। লৈ.উ-শীংউবগী থবকসি অরায়বা থবকস্থ নত্তে। অত্থগা, মা হৌজিকস্থ মরম্নাই পাত্থনা পরিক্ষা মথং মথং লাম্মোক্লবা হোংনবা তাবনা ঙসিস্থ লাইরিক অৱাৎপা থরা থিবা লাকই। মত্থগা লোয়ননা ইবোতোনগী শেন্স শিংতোক্লবা মাগী হৌরককম য়োদবা য়াদ্রি। চঙবদি চঙনিংখিদ্রবনি। অত্থদা মীগী পৈশাত্থদি লৈবা তাঞ্জা থোক্লত্থনা পীথোক্লিংলে। অত্থগা, ইভোপ তোপ্পা মরম অমগীদমক্তস্থ ইম্ফাল য়োনিংলি— মমাতোনখোয়গী মরমদা খঙনিংই।

নোংমাইজিং সুমিংনি। মহাক লশ্বীদা হল্লা ঙাইরি। লাক্লে। মবুক থনফাত্তবত্থদা মাস্থ য়াওব্রে। থরা চৎলগা মুপী অনি-খকস্থ কাখৎলকই। ইথা থাজদনা তুং থংলকপিত্থ সথী ওইরম্মী। মানা হান্না উরবনি। হেক কৌগে হায়দে। দণ্ডি ফংলবগুম উনরবদা চেৎৱা য়াদ্রত্থনা কৌব্রে “ইন্দোন্দি কদোমদগী… …?” “হেমা! ইবুংঙো, ইচাদি কদাইদনো?” ৱাহংনা ঙক্লা পাউথুমখি।

"ঐ, মী অমা উনবা চৎচরিবনি," অশেংবা তাক্লুনা খঙহনখি। "ইন্দোন, অসিদা করিগুম্বা থবক অমগী ওরাং থুংলবনি। ইচাগা উনদবা কুইরেদা!" মখা তাখি। হৱাগাড়ীহু চেন্না চেন্না মখোয় ৱারী শাখি। মুপী অমত্তগী মমৌ য়েংবা লাকপনি। গাড়ীহু কৈথেল অমদা থাখ্রে। ইম্ফাল ফাওবদি লোয়ননিংদবনা মানা সথীদা লাকপগী মরম শেংনা হায়খিদে। পৈশা শিংবস্থু লাক- ইবনি। অহুবু, চঙবা ওমগনি হায়বা নিঙগ্রে। সথীদা পীখিবনা ফরগানি থন্দুনা গাড়ীহু হেক থাম্বগা ওাইহাক লেপ্পিদৈদা পৈশাহুগী ৱা হৌদোক্লবা তৌখি। অহুবু, ওহোকপনি! ইবোতোন্দু কন্না ওম্লগ্রে হায়বদগী য়ৌদবা য়ারোইদোরে। ওসিমক্তি চঙদবা তারিব্রা? সথীদদি অরেপ্পা মানা থুংলগদবা মুমিং খঙহনখিগ্রে। ৱা খরা ওাংনরগা মা লৈহৌনবা তৌখ্রে। গাড়ী অমুক চৎক- দোরে। "ইন্দোন, ঐ অসিদা, মরূপ অমগী য়ুমদা চঙলুখিব্ৱা তারে। অহুনা, ইন্দোনখোয় য়োৗবিগ্রো," অসি হায়হুনা থাদোকখ্রে।

মখোয় চৎপ্রগা মা কনাগীদস্থু চম্খিদে। থঙলে! মানা কোন্না চৎনবা তৌখিবনি। অতোপ্পা অমা অমুক লাক্লহুনা ইম্ফাল য়োৗনবা কাখৎখ্রে। কৈথেল য়োৗদ্রিদৈদা থামখ্রে। লংফৈ চৎপগী ফীবম্নি। মথুক্তা থাউ, শাতিন অহুগা মখোঙদা চন্নবা ফি খোঙউপ থাদ্রি। নোক্লচাউবশিংনা মাবু উরগা নোক্ল মিৎয়েং য়েংবহু মানা থাঙবা ওমজদে। মা উখোঙ অমদা ফমহুনা ওাইহাক পোথারি। মাগী পাক্কল শীজিন্নদ্রি হায়বদনি, ৱাখন্দি ফমহুনা লৈরগা হেন্না কন্না থবক শূরিবনি। "খরা থেঙবা ওাইবা

তারিব্রা ? ইমাতোন অমস্তুং তাদগী নাক্তা ইতৈমনা কনম্মা লৈরিগবা ? মসিস্তু খঙনিংই। মীগী পৈশাস্তু ঙসিমক যৌংহান্নিংই। ইন্দোন্দদি মীনমখে! অহুবু, য়াদবগী তৌখিবনি। ঐগী লৈকম্মা য়াদবগী তৌবনি! ইকাইহুনা অস্তুম ফমহুনা লৈখোল্লবদি থবক অমতস্তু নংলরোই! অহুব, কদোমদা চংকনি ?" অস্নম্মা খন্দূনা লৈবিঙৈদা ঐকাগাড়ী তোংবা অমনা "শান্তিকুমাব নং কৈদোউঙৈ লাকই ?" হংখি। মশক খঙলবদা "ঐ, তামো, হৌজিক লাকচবনি। য়াদহুনা অসি য়ৌজবক্লবনি। ফরে, তামোগস্তু উনরে ; ইন্দোন্ লম্বীদা থেংনখি। থুবাবু কয়া কন্না ঙম্ ম্রবগে ?" থুমখি। "থরা শাথিনা ঙম্ দ্রে। অহুবু, হৌজিক্তি ফরে। নংব স্তু পাউ চেনখিবনি ; অহুদা, য়ৌদ্রমাল্লে। ঙসি চংকদ্রা ?" বীরেন্মা মথা তানা থুমখি। "তামো ঐ মকম খঙদ্রি ; লাইবিক খনা থিবা লাকপনি। তামোগীদি থোইদোকপা লৈত্রবরা ?" "লৈত্রে, অনি অহমথক মরুপ অমনা ন্নায়খিবনি। অহুদা, য়ুম মৈ চাকপদা লোইনা য়াঙ্ক্রে। লৈদ্রবদি ফংলবোই," খঙহনখি। অহুম্না ঙাইহাক ঙাঙনরগা ইবোঙোম্নস্তু মশা কল্লবহুদা চঙনিংদ্রহুনা পৈশাহু বীরেন্দা পীখে। লুপা ৫০০০ খক্তুং মথোই ওইনা হাপ্তুনা লাম্থোকই। বীরেন্মা মহুদা "নংনা মথোই পীগে হায়রবদি পাবগা উনরো, মত্রবদি ঐদি পুখিবা ঙম্লোই। ঐনা, নংনা পীবদগী, পুখিবা তারবদি, নংনা লৌখিবহুদ পুখিগে," হায়খি। মরেপ্তুদমক পীরগা বীরেনগা কায়নরে।

মগোইহুগী থম্বদা মা গাম্না তুংঙাইত্রি। মানস্তু চঙহুনা

পীনিংত্রি ; কনাদা পীখিনি ? মাগী নিঙবা থুংবা তারে। ইখঙ খঙহৌদনা রিক্সা অমদগী পিশক্ত মশক উবদা কুমথরক্লগা "নং হৌজিক লাকপ্রা, ইবুংঙো ?" হায়না মনাক য়োঁরকই। "থুংলবদা ঙায়রি হায়বা য়াই, থুরা। থুরাদি কদাইদনো ?" থুম্লগা মখোয়নি য়াম্না কুইনা য়ারী শাখি। অহাম্বদা চন্দ্রলেখাগী য়া হৌদোকখি। শান্তিকুমার মতু তানিংদনা তাখি। পিশক্লা হেক্তা হৌদোকপা নত্তে। লংফৈদা লৈখিবা মপানা মাগী মরুপ্তা মচাগী ময়ুম মকৈ পাম্নবগী য়া হায়তুনা থম্লি। শান্তিবু খঙহন্দনা, কুঞ্জমণিনা অঙৌবীবু পুশিনখ্রবদা, মধুচন্দ্রনা চন্দ্রলেখাসি মাগী ওইনা থন্দুনা থমখ্রে। মতুমক মচাদা পিশক্লা তমখি। মসি ইবো-তোনখোয়না মচাবু শান্তিদা পীনিংলি হায়বসি উবদগী তৌনবনি। চন্দ্রলেখানা মপুকনিং লোঙদনা চীংলমদা চেন্দুনা লৈখ্রবতুদবু নিঙলি। মাবু মপুরোইবা ওইবা ফংদবদা পুন্সিগী ময়ুম পান্দবা য়ারি। অতুবু, চহি অমা অনিদি লৈশাবীদ লৈশাবী ওইখিগনি। অতুনা, কুঞ্জমণিনা মনাওদা মাগী নিঙবা থুংনবা চন্দ্রলেখাবু ফজনা লাম্লোকপস্থ ঙাইবোইনা শান্তিনা থাগদবা পরিক্ষাস্থ থাহনখিবা তারি। অতুদা, গম্ভীরী মমা মচাদি হন্দকী মপোক্কী শান্তিকুমারগা তিন্নবা য়াগদবা মাস্ত্রে। 'মাস্ত্রে' নত্তে য়াররোই। মসি পিশকনদি তমখিদ্রে। পিশক্কা মাগস্থ কায়নখ্রে। ইবো-তোন্দা পীগদবা শেন্দোইতু অমুক তান্নতুনা য়াম্না ফজনা হায়তুনা য়োঁনবা তৌখি।

কৈথেল্লোমদা চংখ্রে। য়াম্না থুনা শান্তিকুমারবু কমাগুম্বা

অমনা অমুকস্তু খামখি। থেংনরবদি মথং মথং হেক্তা মথেংনবোইরে। বসন্তনি হন্দমুক কৌরক্লিবহুনা। চুম্না কৌবকপা নম্তেদা। লাউরকই "হয়েংগীনিনেকো নংনা লাক্লিবসি?" "করি-বুনোনে হায়রিহুবো?" "নংদি তাভ্রিবরা? ঐখোয়গী লৈকাইগী স্কুল মচা অমা হয়েং শঙ্গাগদৌরি। মহুদা নংস্তু য়াওনবা পাউ চেনখিবহু ফংভ্রিবোইরে।" "ফংদে, খঙদে।" মহাক্তি ঙসিমক নভ্রগা হয়েং নোং হেক ঙাম্বগা চৎনিংবনি। য়ারোইদৌরে। মা মুংনাংখি। শান্তিকুমারহু মরুপ্পা হায়রিবহুস্তু কায়দনবা ওঝা অহন্নস্তু শাউদনবা শীনভ্রে। চানরুহুনা খুন য়োৌগদবা মী খরা উনহুনা চিঠি অমা তনই ইহুনা হয়েংদি নংনবা লাক্লরোই হায়না খঙহনভ্রে। ছুটিস্তু কয়া লৌগন্দবনি। অহুনা শোয়দনা য়াবিগনি।

বসন্ত য়াম্না পেল্লে। মখোয়নি শুরবহুদা কৈথেল্লোমদা চুম্না চৎখে। "ঙসিদি নোংমাইজিং মুমিৎনি; অহুবু, দুকান খরগী থোঙদি হাংলি। তৌবদি, হুরাম্বগী শগুনথোঙমুক্তা লাওই। হাংবা তারবদি ফজনা হাংবা য়াদভ্রা তৌরিসিবু?" শান্তিনা ঙাখি। "হোয়নে! করিনো, খঙদেদা, তৌরিবসি!" খুমখি মরুপ্পা! মখোয়নিদি থোইদোকপা লৈগদবা লৈতবগুম তৌই। অহুদা, শান্তিনা ঙাল্লিঙৈদদি মরুপকী য়ুমদফাওবা চঙনিংদবনা মম্বা ঙাইহুনা অস্নুম কোয়চৎ চংলি।

মুমিৎ তাভ্রে। বসন্তনা, মরুপ্পা খঙনিংবদগী, অঙৌবীনা গম্ভীনীগী মমৌ অহুগা কুঞ্জমণিগী পুন্সিগী লোয়নবী ওইনা

লৈবিবত্থগী মবমদা ফজনা লীখি। অঙৌবীনা হরাউনা লৈরগা শান্থিনা চন্দ্রলেখা ফঙ্গনি অদুগা য়ানা হিংলগা ফংলোই হায়বা কবিস্থু থন্দে। অতোপ্পা জাৎকী নিংঙোম্না মতৈমা ওইবত্থুদা মনা-চানথোযগী শাজং করম তৌরিবগে হায়বত্থু থঙনিংত্থুনা তৌবনি। হান্নস্থু অঙৌবীনা মথোয়গী ইমুংদা য়ানা হিঙ্গনি হাযর্সিদি থঙগ্রবনি। অদুবু, মানা মশক চপ চানা থঙবা লুনা ভিরবা মাদগী মজাৎ থাদোক্লকীত্থুগী য়ারী তানিংলি। অস্থুন্না লাখি — মকুপ। মজাৎকী নিংঙোলমকস্থু থাঙবা ঙম্লোইদবা মনেমগী শাজং অত্থু মাদি কাবস্থু ওইদনা থল্লি। মপুরোইবনস্থু মাবু বয চাপ্লিদ্রে। সমাজগী য়ালবা নোক্ল পল লাল্লকপনা অত্থুম থাচলিবনি মাদি। লৈনিংদত্থুনা চৎখিবদা কন্বী থক্কী লেয়্রেনা খাঙ্খাল্ল দা তাবগুম থোক্কনি। অদুবু, চীন্দা ফোংদোক্লবা অয়াবনা মাপা শেংলবা মায়থোঙদা হেক হেক মংাল। মতৌ য়েংবা ঙমদবাশনা মবম থঙনিংত্থুনা হংবস্থু থাঙহৈবা ওইবনা শেনা লাক্লোক্লে। মশা য়াই শংদ্রবী মানা মুপা-নহানা তৌবমকস্থু লুনা থোক্লদবা থবক কয়া কয়া পাঙথোক্লি। শীজং কিদ্রবা উকং য়াকনা মাবু শকথম্মি। তাদা কুঞ্জমণিদি মাগা য়াবী য়াতায় শানবা মতম ফাওবা লৈখিদ্রে। মসি কয়া কুইনদি চথখিদে। অত্থুবু মা চৎখিনবদি ইতৎ হেক তত্তনা শীল্লি। তাকপি-তম্বি-গদবীনদি মাগী থঙজদবা অশোয়বা পুথোক পুথোক্লনা লৈকাইদা য়ারা লীরি। কনাগুম্বীনা 'নঙ্গী নমৌত্থুদি. গম্ভীনী, ঐদি ফন-ছুম মুংশিহৈ! কুচুনে-কুমেম্নে, মশকনে মতৌনে। থবকস্থু কল্লি

হায়নে।’ তম্নকপতু ইন্দোন্দি চাকমাঙদা অসিন্বা কাবগুম শুগংলগা ‘হেবা! নখোয়না হেক নাউ চাউহল্লে! থাগংপিনু! পামজদে! মাগা ইচাগা লৈমিন্নবসে অসুম থোকউ হায়না তমখিবগী তৌবনি! থিখিনি! থল্লায়না পাম্বা থিজুনা হোঙ্খিনি। গম্ভীনানা অসুন্না হিংবা হৌনব্রা?’ চাউথোক্না খুম্নল্লগা ফুক হৌগত্তুনা লাকই। তৌবদি, মাগুম্বীনা য়াম্না নহে মশিং হৈহুনসু, মবম যাম্না এক্তুনসু অতুগা মশক মতৌ যাম্না ফজত্তুনসু ইন্দোন গম্ভীনীগা মগৌ ওইবদি ৱানা থোক্কনি। হৈজবা ফি-বোল শাবগী থবক্তুসু মুংশিদবনা তৌহন্দে।

জাং খেন্নবনা মাগী মশাদা যাওবা অফবমখৈ মাঙখ্রে। অতুবু, লৈকাইগী মীনদি হায়নৈ— মুংশিদা অঙৌবী হায়বীসে! মনেন্নদি মাগী খল্লায়বু থল্লায়নি খন্দে। মরাল লৈবা মচাবু কল্লগা কনা লৈজদ্রবী অসিন্দু তাঙ্কোক্কিংলি। অতবু, মখোয়না তাল্লবসু চংলবোইদবী নি অসিদি। মুপীগী লমচংনা মুপীবু থাদোক-ত্রিঙৈদা কবম্না লৈকবা শা বণগুম থাদোকখিগনি? তৌবদি, মীওংপি মমা গম্ভীনা অতুগা লমচং যাওদ্রবা মচা কুঞ্জমণিনা কৈদোঙৈদসু অঙৌবীবু মচীন্না ‘নং চংলো’ হায়বা ঙম্লোই। শীংঙেল লৈশক কয়ানা লৈতেংবা মপু মাগী লৈকোন্নি। জাংকী মচু কয়াদা লৈবাং মখল মখল উবা ফংই। অমতং মাঙহম্বদা মানা শাউগনি হায়বসি মমা মচানা খঙদ্রবসু ‘মীনা করি হায়ন-খিগদগে?’ হায়বসিদি মরক মরক্তা খন্না ঙম্নক্লবনা মাবু হেক কাওথোকপদি ঙমদ্রি। অতবু, হল্লক্তুনা লৈরিবী মচামুপী জামি-নীবুদি মুনা তৌরগা হঞ্জিনফম লৈত্রবীতুবুদি মীরায়রি।

"খুরা পিশক্কুথা মীওই খরবুস্থু কিবদগী তাদখোয়না ইতৈমা অঙৌবীবু কা হেন্না মপান খোঙ্গা ওৎপদি ঙমদ্রগস্থু ব্লাই তৈবদা, কোন ফেওবদা, কৌ শুবদা অতুগা ফি শূবদা মখোয়না য়াম্না কুপ্পা কুপ্প। য়েংশিন্দুনা মবাল পুথোক্কবা হোংনবি। শোয়রগা তাকপিবদি ঙমদ্রি। চাব-থকপদস্থু অতুম মওংলি। কালেন্থাদা নোংলেম্বা চাক ইন্সাংতু তংক্কী অশাবগা তিন্নবগা মাগী শকক তমই। ঙমু, ঙাত্রা, উকানী মখোয়গী শকক্রি। ঙাখা ঙাচিং-মকস্থু নিংথিনা হাম্নিদে মাগীদি। চুম্না চানিং থক্কিংদবা মতাং লাক্লবস্থু 'নংবুদি চাগে চাও, চাবোই তোকউ! মিতম্লিবা জীবতুগী হায়বনি!' হেক্তা মুকম মুকম শোল্লিবনি। 'পাম্বাবু ফহন্দনা অকবা মহৈ লোকপা য়াগদ্রা?' খুন্নিংবীতুদি মতোমদা উহন্দনা কপ্লগা মুংঙাইতনা লেপ্তখি। অহিং কয়া কয়া কপ্তুনা লেম্বনা ফজবনা মাবু থাদোক্লে। চীথ্থে হুল্লক্লগা অহিঙ্গী পিফম্মরবী শকফন্থু থাদোক্লম্লগা নোংমগী থবক্কী থোঙ হাংবনি। অতুবু, হৌজিমক্তি মসি তোকথ্রে; ব্রাখদ্রে। কুম্মৈ ফিয়োং খোক্লকপদা মমৌবু মীনা চৎহম্নিংবদগী, মাগী মফি মবোন্দি মখোয়না থোশা-বিদবনা, শেৎন ইন্নবা পুবক্তুনা পীররবস্থু 'থিল্লুচো হৌজিকমক! শেগায় লকায় তৌবগা শিংবা ঙমজরোই!' লাউহংপি। 'চৎপা তারে!' খঞ্জকবা সিকুপ্পা তুমখি। মখোয়না চন্দ্রলেখাগী ব্লাখল থাদোক্তি। অতুননি তৌরিবসি! "তাদদি হন্দক্তি য়ুদি থকপা থরা হল্লত্রা?" শান্তিনা অমুক মবক থৎখি। "ইন্দোনগী মাঙদদি কয়া তৌদ্রে। অতুগা, লমদা ঙাওবা লোইবক্তুনা য়ুমদা ফীবম

তাদনা হঞ্জিল্লকপদি তোকত্রি। মতুদা ইতৈমবুদি মখোয়নি চঙ-তুনা ঙাংবিরিবনি!" খুমখি। "ডাক্তরশিঙ্গা তাদগা থংনরেনে অতুদি!" মখা তানা ঙাঙ্খি। "উম, মরুপ, য়াম্না শোক্লবনি! অতুবু, লেপ্তে!" বসন্তনা খঙহনখি। অতুগা মখা অমুক অম্মুন্না তাখি— মসিমদি হন্দক্তা থোকখিবনি। খ্বাইদগী মুংঙাইতবা ৱাফম্নি। ইতৈমবু মমা শক্লা য়োকপিরকপী অহন্দু লৈখিদ্রে। মতুদা মানা 'অবোক' ঐবু য়োকপি-থাকপিবকপী ইবোক্তু লৈত্রে হায়বা পাউ লাক্লে। ঐহাক মী অমা অনিগা লোয়নতুনা অমুক্তা চংচরুগে! মাঙ্গোল কাজরকওই; থাপ্পা, তিন্নবা য়াব-শিঙ্গা লোয়নতুনা, লেপ্তুনা তাইবং মীকপ উংচরুগে; তম্না হঙ্গ-রক্কে! অবোক্তা চাম্বিরোইদ্রা?" মবেন্না লৈবিবতুস্ম অৱাংবা চীঙ্গী লম নত্তে; অতুগা মৈতৈশিংগা য়াম্না লুনা তিন্নজরস্বা অহন ওইবনা মানা লৈত্রবদা মখোয় ময়ামস্মু চঙবদি চঙদ্রগস্মু অৱাবা ফোংদোক্কনি খঞ্জতুনা হায়খিবনি। অতুবু, য়াবিখিদে; চৈত্থম চৌবখি 'করি, অঙোবী? নংনা ঐখোয়বু দগি তৌরি-'বমক্তদা অমুক হেন্না ৱাহল্লগে হায়ব্রা? হল্লকওই হায়রগা চংগ্রো।' মুপীনা মপুরোইববু থাদোক্তুনা অতুগা মনেম্বু কিদনা চংপা হৌনদে থন্না 'অবোক' অতুম্না তাকপিগনু! ঐগী লৈফম লৈজদে; ঐবু থাদোকপিগনু চংচররোই!' খুন্নগা ইয়ান য়াম্নরবা লেম্নবা মিংকা, তাগদবা নত্তবা, উগদবা মরোল্স্তু থোকহনখিদে। মীনা হায়নখি 'মাগুম্বী অতুগা মাগুম্বীগী মচাসিগুম্বা ঙাক্তা ঙায়রবদি পৃথিবীগী মফম খুদিংমক্তা লানগী মৈফম মাঙবা তৌররোই! ফত্তবগী হৌরকফম মুথংপা ওম্নরোই।'

শান্তিকুমার ব্লারীসি তারগা মুংডাইবা ঙমখিদে। মতুদা বসন্তনা অমুক হায়খি "নং য়াম্না মুংডাইতবা তৌগনু। নঙোন্দা লীবা নত্তনা ঐনা কনাদস্ু মসি লীদ্রি। থুরা পিশক্লা নোংমা ঐখোয়দা শারম্বনি। থুরানদি মঙোন্দা চন্দ্রলেখাবু নঙ্গীদমক্তা হায়ত্তনা থম্বিয়ু হায়রকপনা নঙোন্দা ব্লারীসিদি থুরা পিশক্লা তম্লিংলোই। থরা লৈরগা নথোয়গী থুবা থোরক্লগনি হায়নস্ু তাবনি।" বসন্তগী ব্লারীতুদা মপানা চন্দ্রলেখাবু মাগী ওইনা থম্বা পাম্লিবত্তুদনস্ু শান্তিবু য়াম্না হেন্না ব্লাহনখি। মপা থোরক্কনি খম্বদা হৈনিংঙ্গবা মানা মরূপকী যুমদা হরাউদনা থুংখি।

---

(১৬) থুংফমদা লাকপদা

হৌজিক্তি শান্তিকুমারসি হান্নদগী থরা চাউবা মফম ত্রিন্ননা লৈবা স্কুল অমদা থবক তৌৱ্রে। মানা থবক তৌরিবা স্কুল অসিস্ু অতৈ খরগী মতৌগুম থাংজ মুমিত্তদি অয়ুক অয়ুক লাইরিক তমথোকই। ঙসিস্ু থাংজ ওইরনা অতুগা তলব ফঙ্গদবা মুমিং তাবনা ওঝা খরগা লোয়ননা য়েনফমদা চংলি। হন্না থাম্ফমদা মানা য়াম্না নূবা পুন্সি অমদা ঈশিং থকপা চংশ্রিঙৈদা লাকমিন্নবা অমনা মাগী মরমদা অম্ুম্না হায়খি, "ওঝা শান্তিসি লাকপা কুইশ্রিঙৈদদি য়াম্না কিগম্বা অতুগা মীনা হায়বমথৈদ তৌবা মীতানি হায়না লৌরম্মী। মসিদি য়াম্না মথৌ

মশক খঙবা জাংনিকো! মীনা মাবু থাগৎনবিবনি। মানা থাগৎ-নবগীদমক্তা মথৌ খঙবা য়াবা হৌনদে। অদুগা মাদি ওঝা অহন লৈত্রগা হেন্না ফজনা থবক তৌই। চীন খীনবশু য়াদে। হায়নখিবা অমতা শোয়দে। ওইদবা ডাংবা মাগী য়েকনবনি। মী খুদিংমকপু কি মাদি। কনাবুশু মানা উশিত্তবা তৌ.দ। মবম অহুনা মথক থোংবনা তাকপা লৌই; অহৈবনা তখিবা য়াই।" মখোয় পূন্না চৎমিন্নদুনা লৌত্রে। সিনেমা য়েঙ্খিসি হায়নদুনা ইম্ফালুমদা ওল্লগুনা থুংলবে। শাস্ত্রিনা বসন্তবুশু উরদুনা হনাউনা কৌশনখ্রে। অদুবু মাদি মকোক চাকপনা য়াওদবা তারে। মখোয় লোইনমকপু মাগীদা কুমিদাং থুংলনবা হায়বল্লগা চৎখ্রে। অহৈদুশু মখোয়গা থুংফম লৈবনি। অদুনা, য়েংবা য়াবা লিলা থন্দুনা য়েংমিন্নগা মখোয়না, ইকাইবদগাশু, বসন্তগাদা চৎসি য়াদবনগী, থু লুদ্রবদি ন্নুংঙাইববোই নিঙদুনা শোরোক্তগা থেঙনা হাইজিনফমনা মতোমদা চঙলক্লে। লম্বাগা নাকন্দা থাং-মৈগী মঙান উথি। কবিগুম্বা থোদোক অমা থোকখিব্রা হায়না খনখি। মফমদুগা মীশিংনা থনা নিথা নক্তনা ইচীক চাক্লে। থবা চৎলগা লৈহৌববা থাংমৈগা মঙান্না য়ৌবা ঙল্লিবা মফম অমদা একাগাড়ী ইন্দুনা লুপা অমথক তুবোই-ভাল্লোই চৎলম্মা। মাবু হেক উবদা "কনানো, অস্থুক থেঙলবসিদা?" হংখি। শাজৎ অদুমক্কা চানবা খোনফম্লি। শাস্ত্রিবু মশক খঙনিংলমাল্লে "ভাইখো, মৈঙান্দা নমায় লৈশিল্লকউ, য়েংগে!" হায়বসিনা হেস্তোক্লুনা চৎকে তৌজবা মাবু থামখি। খোন্দি চপ চানা

রাউন্ববনি! অতুন্, মশকস্থু হাইরেং খঙবগুম তৌবা ময়াম্বগা তিন্নবা মথক্কী অহন মাম্বনা "কর্নিগীনো ত্তাদনা থাম্বিরবু?" থুমজখি। "নং এবু খঙব্রা? এদি নব্ নুম্না খঙবা ডন্নে!" শান্তিনা মমায় নৈশিল্লক্লুনা লৈবত্তুদা হায়খি। মহাকস্থু নুম্না খঙলত্তুনা "ত্তাদা হেবো নপ্রনে?" খুনখি। "অঙাং নংনা করি-গীনো নয়াম্বগী মফমদা লঙজবিবদি?" অঙকপা। ব্রম্না শান্তিব্ শাউত্তনখি। অত্তুব্ ওন্সিন্দুনা কৈরক্ত পামদ্রত্তুনা চংক্কে হেক ত্তেংলা "এনা পাখিবা খুদোপ্সু কবিগুম্বা নাঙবা থোক্লবদি নংনা শিংগাদবনি। শিংগদ্রা শিংলোইদ্রা হায়বম্মু!" অসি হায়-ত্তুনা গাড়াত্তু পৈনা পৈনা ইন্দুনা চঙশিন্নক্লগা মমাঙমক্তদা লেপ্লুবে। নক্লববা অত্তুদা হৈনদবা মনমত্তু পামদ্রত্তুনা মহাক্লা মমায় হেক ওম্লোকপদা "হে! অঙা, নংনা এবু হঙ্গোইব্রা?" হায়ত্তুনা হেন্না উশিত্তবা উংখি। "ত্তাদা! তৌবিনু! এনা অকায়বা তৌবম্বদা ন্নাবকপিযু! এব্ থাদোকপিরো, চংচনগে!" অসি হায়বদা মখুং ত্তাপ ফানগা "এসে চপ চানা হেবো ওইবা কুইববনি নয়াম্বগী মহুং শিন্দুনা থবক কযা তৌবিবনি। মানা তম্বিদবা নংদি এগা লাম্বা পাবা য়াবোই। নয়াম্বদি পাঙ্গনগী থবক থা-দোক্লুনা হেন্না লেম্বা থক্লুনদ লৈবগী থবক তৌব্রবনি। অনিমক্কী অফাওবা ওঝা ওইগদববা মমাগী মকোক্তা নুংনা থারুবদগী অমদি থাদোক্লবগুম্বনি। এম্সু অনিমক্তি হৈগে খল্লি। অত্তুব্ হৌজিক্তি মসিদনা, ত্তু! মসিদনা, এগী ইমিং চংহল্লি!" ফিন্নুংদগী থাং অমা শত্তোরক্লুনা শীংখি! অস্থুম অস্থুম শাউহন্নকপদগী শান্তিনা

"ঐব ু য়েক্লবনি খল্লমাল্লেকো, তাদা ?" মুংঙাইতনা হায়খি। "নং ঙসি চংপা য়ারোই, অঙাং!" অসি হায়দুনা থাংদুনা মহাক্কী মথবাক তম্না অস্থুম নকশিল্লক্লবদা মাস্থু হেরোগী গাড়ীদু তাপ পায়রগা পায়রিবা মখুং ওইদু নাম্থোকহন্দুনা থোক ইনশিল্লমদুনা মাব তুহল্লম্লগা চেল্লক্লে। "হূরানবা থংলো! হূরানবা চেনখ্রে!" হায়না মখোন শেংদনা হেরোনা লাউখিবদু মখোয়গী মহৌশানি খল্লদুনা অতাবশিংনা "নংনা অফবা শাদুনা হূরানবা 'শঙলিব্রা ? নংদ পুক্রো, ঈশ্বর ইবুংঙো!" লাউখি।

শান্তিকুমারনা অমম্বদা অস্থুম চঙলক্লে। হেরোনা গাড়ীনা নন্দুনা 'ভেক' লাউনা তুহৌবদো অস্থম অস্থম খল্লুরগা নোক্লিং নোক্লিং চংলিঙৈদা মখোঙনা করিগুম্বা অমা থেংনখি। খঙনিংবদগী য়েংবদা খোঙউপ্পি হায়বা খঙখি। ইফ-ফরিবগী মতৌগুমই। চিংনবা পোকখি। অস্থুম্না লৈরিঙৈদা মখোন অমা তাখি। অপিকপা জীবগী মান্দে। অথেম্বা খোংবানগী কবোকং মরক্তা মীরা ষল্লা অমা তাদুনা লৈরে। মপাদগী থরা চথোক্লগা মী অমা লৈরাইদা ঙাদুনা লৈবগুম তৌরি। মদু করিগুম্বা লৈরম্লিবদুগী মপাদা য়েংলবদি উদবস্থু য়াই। মমদি মম্মি। অদুবু মাগী ফিজেৎনা উবা ঙম্মি। মখোম্মক তারমদ্রবদি উরম্লোই। হঞ্জিন্দুনা য়েংনিংলে। মশক মুম্না খঙনিংলে। মখোঙনা কঙদু হেক হেক হাইরি। অস্থুম অস্থুম চঙশিনখিদুনা মনাক য়ৌখ্রে। করি পোৎনো অমস্থু থেংনরে। খাউস্থু মাল্লি। নস্তে! টুপী ওইরমাল্লেদা! মানা মুম্না খঙনিংবদগী পায়খত্তুনা য়েংবদা টুপীনি

হায়রবা খঙলে। মতম অসিমক্তদা "হেরো, নং লাক্লরোইব্রা ? হা ?" লৈরম্নিবত্থনা শংত্থনা কৌখি। টুপীত্থস্থ শান্তিনা মশক খঙবা ওইনা তৌই। লাউখিবত্থগী মখোনস্থ খঙগ্রমাম্লে "তামো-নিনা অসিদি! হরে! হরে! শিবা তারে!" অসি হায়ত্থনা কুমথগ্রে। মশা পায়ত্থনা "তামো, তামো!" কৌবদা "কনানো ? খঙবা ঙমদ্রে। হেরো উব্রা ?" য়াম্না শেংদনা পাউথুমখি। "করিগীনো, তামো ?" হায়বদা অমুক থুনখিদ্রে। লৈরাইদা ঙাদ্রবদি ফম্বা ঙম্লোইদবনি। মমাচৈঙদা অসিগুম্বা অসিদি শান্তিদি মশীং নাইদনা থেংনগ্রবনি। মিকুপ অমগী মন্থংদা ঙসিদা নৌনা ময়াম্ববু মমাচৈঙগী মতৌদা উরবত্থদা হৌখিবা অৱাবা থৌদোক কয়া নিঙশিংখি। হৌজিক করম তৌগনি ? অত্থম খনমগদ্রা ? পামদে। থিঞ্জিল্লমগদ্রা ? মমাতোম্না করি খনখিগনি ? মানা নোং ঙাম্লগা শাউখিবদগী মনাওবু থিরক্লোইদ্রা ? অত্থবু মহাক্তি মতেং পীবা য়ারবা মতাংদা মতেং পাংদনা তোক্তে। অত্থনা, থিঞ্জিল্লম্বা তাই।

মশক্তংদি তাক্লিংত্থনা "তামো, তামো!" হ্না অমুক হৌখি। "হেরো লাক্লব্রা ?" "নত্তে, তামো, ঐবু অমুক্তা খঙবিখো। ঐ ননাও মুপা শান্তিকুমারনি। য়ুমদা চঙলসিনে!" পাউথুম পীখি। মখোয়নি ৱারী হাইফেং শাখি।

কুঞ্জমণি— শান্তি, নংদি করিতৌবা লাক্লি ? নং ক্লমাদা থুংগনি ?
শান্তি— ইমাম্নবা অমনা কৌবদগী মাপীদা থুংলুবা তারি, তামো।

কুঞ্জমণি— করিগীনো ? করি তানগদৌরিবনো ? ঐগী ফত্তবা করি থোকহনগদৌরি ?

(য়ু ঙাওবগী চোইরোম্নি হায়না খনখি)।

শান্তি— তামো, ঐ লাইরিক লৌবা লাকপদগী মরুপসিনা চঙ-লক্তবা য়াদে হায়বনা অসি য়ৌরকপনি। হয়েং নোং ঙাম্রিদ্রৈদা অমুক চংখিগদবনি। ইমুং য়ৌত্রবস্তু মাঙ্গোন্দা থমজরমগে, চৎলসি।

শেম শাত্নুা ময়াম্ববু শাউহনখিদে। মা হেক উবদা শাউ-রিবনি। অত্নুা ওইদবা থরা হায়খিবনি!

কুঞ্জমণি— নংবু চঙবা য়াদে হায়রব্রা ?

শান্তি— ইমাতোম্ব কিজবদগীনি। হেন্না শাউখিগদ্রা হায়জবনি। ইমাতোম্না পাম্লক্তবা থবক তৌবিরম্বসিস্তু থঞ্জত্নুা তৌবনি। অশেংবদ হায়জবনি।

কুঞ্জমণি— হেরা! নবুক ফত্তবা তৌগম্নু। নংনা চংখিবদগী ঐদি য়াম্না ব্বারে। ইমানদি য়াদবা হৌরবনি ঐনা নৌরিবসি। অত্নুা মাঙ্গোন্দা তুমিন্না থম্বিরম্মু। পুরো ঐবু, চৎলসি।

মসি য়াম্না শোন্না হায়খি। শান্তিকুমারদি মমিৎ ঈরা চেনখি। শাশিন্নবা ব্বাত্নুদি তাখিদে।

শান্তি— অত্নুগা, করিগীনো তাদা হেরোবু হংবদি ?

কুঞ্জমনি— করিস্তু তৌদে মানা পোৎ অমা লৌখিবনি ; অত্নু-গীনি।

মানা মশক ফাওবা উবা য়াদ্রিবী মমাতোনবু ফত্তে থঙনা অত্নুগা ময়াম্বনা মাবু য়েরুবমক্লি হায়না খল্লি হায়বসি থঙনা থঙনা

মমাত্তোনগী মাঙ্গোল ফাওবদি চঙলম্নগে নিঙহ্নবা ময়াম্ববু পুনবা তৌগ্রে! মাবু ওইদবা ন্নানা হন্নাউহল্লি হায়বসি খঙলবস্থু শাউ-খিদে। মাগী মভৌত্থুদা মাদি কপ্পুম কপ্লিংখি। পোত্থনা পুন্নগে তৌরকপদা ময়াম্বগী থবাক্কী ফুরিৎখাউদগী পোৎ অমা লৌথোক-হৌগ্রমাল্লে; অমুক মশা পায়ত্থনা লেপহল্লগা য়াওরিবত্থ লৌথোক্লনা য়েংবদা ঙুগী মন্ন তম্মাই হেম্না লোইশিল্লক্লবা মৈখেৎ ওইরম্লে। নাকনগী খাউশিংদা হাপ্পদি য়াম্না লাঙত্রবস্থু খরদি নিন্না তারে খন্দুনা অত্থগা চোৎপস্থু চোৎহন্নিংত্রত্থনা মাগী রুমাম্না কিন্নগা মাগী ফুরিৎখাউদা মুংঙাইনা ঙসাইদগী পিশক পীক্লা তাশীন্দুনা তুম্লিবা খাউত্থ লৌথোক্লনা মমুংদা হাপখ্রে। ময়াম্বগী খোঙ্গাউ ফুরিৎখাউশিংদস্থু অতৈ অতৈ য়াওব্রা য়েংবদা অঙৌবা রুমাল অমা তাশীন্দুনা লৈরম্বত্থস্থু ইকাই খুম্নবা য়ারিবা ওইরম্বনা খাউদা হাপচিনখ্রে। রুমান্দুনা মওংদি ফজত্রবস্থু মনম মহাং চেন্দনা ইকং কংনা লৈরম্বত্থ মতাং অসিদা থাজবা য়াদবনি। মত্থ থোইনা খনখিদ্রে। শাস্তিগী ফুরিত্তি মকোক্তা য়েংশিনখ্রবনি। ঙসাইগী খোঙউপ্পুস্থু ময়াম্বনা হেরোগী ওইরমগনি হায়না নাপী মরক্তা লোৎশ্রবনি। টুপীত্থস্থু মকোক্তা অমুক তাদনবা উপশিনখ্রবনি। খাউত্থ খোয়দৌ মপাদা য়েপশিল্লগা করিম্তা শোয়দ্রে খন্দুনা খাঙ্গী মখা মথৈ চোৎপনা মচুম তারবা ময়াম্ববু পোত্থনা পুখ্রে! অসিগুম্বগী সেবাদি হেক ঈশিং তিঙবা, করিগুম্বদা, মতা চারগনা, ঈশিংদগী পুখৎপিরগা খোংনাং মনানা মৈখেৎকী মতেংদগী সেক্কা অত্থক তৌজবসিনি। কুঞ্জমণিসি মখোঙনা চৎপমক্তি ঙমত্রবস্থু ন্নারী

শাবা য়াখে়। মশাদো চোকথমনখিত্রনা মমিৎ য়াম্না শিংত্রিভৈদা, অহান্বদদি, অনিরক শুবা ওইনা শান্তিনা কৌবত্র তাখিদে। মনঙ্কন্দা "হেরোনা মত্র শোয়হল্লবদি ঐদি ··· ··· ···।" ময়াম্বনা শোনখি। হেরোনা লম্বীদা খুদোপ পন্দুনা ভাঙহৌবত্রগা ময়াম্বগী ম্নাসিগা মন্নী নৈনবা ওইরিব্রা হায়না খনখি। অত্রবু, মফম খঙদবনা, ময়াম্বনস্ু তাক্লিংদবগুম ভৌবনা হংব্রে। য়াম্না থুনা য়ৌনিংত্রনা ম্নানা পুব্রে। মাঙ্গোন্দা তপ্না তপ্না কাখত্রনা থারগা মপোৎ মচৈ লোইনা থনম্লগা মখোন থোক্তনা চৎনবা হেক ভৌরকপদা থোঙ হাংদোক্তনা হেরোনি খন্না "তাদরা থিম্বিরক-হ্বসিবু?" কৌরকপদা অতৈ ওইরম্লোই খন্দুনা "ইতৈমা নত্রা? ঐ ননাও মুপা শান্তিকুমারনি," খুমখি। গম্ভীনীদি হন্দক মরক অসি কুঞ্জমণিনা য়ু থকপগী থবক থাদোক্লে খম্বদগী কন্না তুমত্রনা লৈরি। মনাওনি হায়বা খঙনা উনজদ্রিবা মাগী পাউথুমত্রনা, উনিংত্রনা লৈরম্লিবী মতৈমবু, গম্ভীনীবু কিবদগী অত্রগা কুঞ্জমণিস্ু লেঙবা খোৎপা ঙম্না থুংলবদগী, ম্নাদি মখা তাহনখিব্রগস্ু, থাম্বা ঙমব্রবা মিৎলু লাইজনা, পাউথুম ফংব্রবা অত্রগা লেপ্না য়াব্রবা শান্তিনা কিনা তপ্না "ঐ চৎলগে ইতৈমা," হায়রম্লগা মমায় ওনখ্রবদা, থাংমৈ মঙান্দা মুক্তা পরেং তত্তনা কেম্বগুম তাখিবদো, নোং-চুপ চীংমোল লাল্লমদাইগী কোরৌহম্বগী মশেক্লা নোংপোক অতিয়াগী নোংছুমদগী খিকথরকপা পৌরবা নোংলিদা য়ৈবদা অউবগী পুক্লিং শুমহৎপত্রগা পাম্খক্লি। মানা মনাওবু, পিশক্লা মতুংদা মশক তাকখিবদগী উজদ্রিবনি।

---

(১৭) লাঙিঙথৈদা লমচৎ মকপা

"চীঙ্গী লমদা থবক অফবস্থু ফংদনা ওঝা ওইহনা অহুম নপুন্সি লোইরদ্রা, শান্তি নংবো ?" মী খরনা মানা ইম্ফাল হেক হেক কারকপদা হংবি। মানদি য়াম্না নুংঙাইনা হায়রিবসি তৌহনা পুন্সি লেপ্লিংলি। অহুগা, খরনদি অম্মুম্না হায়বিরি। অহুগা, অহল ওইরবা ইকাই-খুম্নবা য়াববশিংনদি "স্কুলগী ওঝা ওইবা হায়বসিদি য়াম্না লেমগ্রবনি ; অহুদা ফওবা ওইজ-ওইধক পাম্বশিংনা মসিবু শীদোক্লে। মখোয়না থবক অসিবু তুক্কচৈ অমম্মুং শেন্দবু খম্বনা মশাবুম্থু য়োল্লি। মহে তম্ববু নেকথোকপা য়াই হায়না খম্বনা সার্টিফিকেট য়াম্না য়াম্না লৈনবা হোৎনবি। অহুবু পাপকী লম্বী চৎপনা মীচঙ মীথায় নাইদবগী মখুত্তা তত্তনা মায়থাবি," হায়নৈ। মাম্থু অম্মুম্না খল্লি, "মীনা পাম-দ্রবম্থু তৌবক্লবা থবকসিবুদি হেক থাদোকপা হৌনদে।" মমা-তোনগী ইমুংদম্থু মতৈমা অংঙৌবীবু, জামিনী চংখিবদগী, মনেম অমম্মুং মপুরোইবনা তুক্কচবা মতৌহু খরদি মাঙখ্রে খন্দুনা মা য়াম্না মুংঙাইখ্রে। অহুবু, মাবু নিঙবদনা মথৌ কাউরিবী ইবো-তোনগী মচাম্মুপীবুদি মানা পূমকাউ কাউখ্রে। অহুগুম্বীহনা অম্মুম্না মালংবদা পাউজেন্দুনা লেপ্পরি :—

থল্লায় ঐগী ওইরিবা
লমদম কৈদা চৎলবা ?
ইকাই থীবী ওইবনা
তুংইঙ্গবা ঙমদনা,

মিংলু পিরাং কংদনা
শক্তম নঙ্গী নিঙশিংনা,
কুমজা কল্লা লেম্বদি
থম্মোই ঐগী কেম্ননি।
লৈকং ঐগী পুক্লিংদা
লাক্কে, অমুক য়েম্মীংথা!
খোম্নৌ' চেক্লা শৈরেপ্পে;
ঈঙাই থকপী ঈকৌম্রে!
থাপ্পা মৈরি কল্লবা
মুংশি মৈচাক অকম্বা!
মৈচাক মাগী খাঙঙমদ্রে;
পুন্সি ঐগী মঙুম্লে।
শকউদবা পাঙ্গম্বা,
মফম থুদিং য়োঙম্বা
ঐবু নংনা মালংবা!
মুংশি মপাউ অঈংবা
তম্বিজুনা ঈংহল্লো;
অল্লা' শরুক লোইহল্লো!!

করিগুম্বদা মসি তুম্লমদাইদা নিঙশিংই। নোংমদি মমঙদা অম্লমা পাউথুম কম্মি:—

ইতিক ঐগী নচ্ছদে;
য়াখল অতৈ থঙ্গদে;

ওইরবনি ঈতৈমা ;
থিজররোই অতৈ'মা।

মিকপ খোল্লকপদা "ঐবু তশেংনা থাদোক্লত্রা?" হংজখি।

পিশক্তা পীখিবা শেন্দোইদুস্তু হল্লক্লে। মতাং চাবদা তৌবিমল খঙবা উক্তুনা অমুকস্তু করিপ্তুম্বা খরা তমগনি খন্দুনা লৈরম্রে। মফমদুগী মনা মশীংদমক চাদুনা লেম্বস্তু য়াওই। শুকচৎ চখোক্লনা লৈরম্রে। অম্বাংবা মফমদা অদুগা লোক্লুংদা মাশী চান-খক্লবদি খিবা চংলি। মতম মতমদা থিরুবদা ফংলকই মানা পামজবা মহৈ চাদবী চীঙ্গী লক্ক খরোগা লোয়ননা— লোক্লে, পুলৈ, শরৈ, শাবল মরিনখা মোইরাং থানম্বা, থুম্ননদবী, চীংফক, হূইখোঙ, কৈজা, লৈবাক মরুম, চেংগুম; উচিনা, কং-লায়েন, থাংজিয়েন। থাদুনা লোইবা নত্তে। বসন্তবু লৈতেংবী, মপাল মাঙখং থুংলবী, য়াইপল কৌবী শকহেম্বীনা লৈরাং মিং-থোল ফংদনা তাইবং চিঞাক ওইদুনা মাবুস্তু লুনা তৌজরি। লাইরিা উশোয়স্তু শান্তিগীদা মথুংলৈ। শকখঙদবা কয়াস্তু লৈরি। হৈরাঙ লৈরাংস্তু মখল মখল ফংবনি। মশানা শেমজবা নুংনা থল্লবা লম্বীদা লোক্লা তুরেনগী মতৌ ওইরবা মতাংদা ছাওরবা ঈচেম্না ময়াঙ কংবা কতমদা ঈথৈ শেমদুনা ঈখাইরগা লোক্ৰী লেম্লে তাম্বস্তু হৈগ্রে। ব্রায়থু ফাবা তোয়না চংলক্লে। মথৌ তৌবা পাইথোরকপদা লৌশিং তোনা ফারগা মশাদা লংনা পারবা চেজেৎ কিশিনখিবদগী পাইখিবদা লৈফম চাউরাক্লা খঙ-হৌরবা খোইগী মহুম থিবস্তু অতৈগী মত্তুং ইন্দুনা চংলকলে।

অঙম্বা লোকপান্দা মালং শউমদা ৱায় ৱায় লাউঙবা য়াঙ্গেন শুমচিংনস্থু মাবু লুনা তৌৱে।

অদুবু অৱাবা ইফং ফংদবদি নত্তেদা! লফুমরক্তা শম্বক্লা চাউরম্মী; শংত্রিক শংনা শাংলবা লীন্নস্থু কোক্তোন্দা ফৈনা উনা-মবক্তা তোংলম্মী; চাউরবা উক্রোংদা শঙম মচা থেংনরুই; লমওক লৈফমস্থু লৈবম্মা; শাহিং পাম্বা লমলক্তী শানা লোই-শিন্বা ঙমদনা থনয়বা য়ুমশাগী মশা থেংনকই; শাথিবা লমশানা খোংলকপা শামোক্তী মতৌস্থু মউকই। লমলক্তা মতোমদা তাইবংপান থাদোকচখিবা কনাগী কুইববা হকচাং পোল্লাংস্থু লোংলম্মী; অহিং অহিং মতোমদা উমংনাক্তা তুম্বগী মুংঙাইতবস্থু মফংই। অদুনু, মহাকসি কিদি কয়া কিগন্দবা জাংনি। ময়বা অহিংদা য়েনখা-খুঙ্গাদা শোং-পেক হায়রকপদা মপান থোক্তুনা থাংমৈ কাপ্তুনা য়েংই। মফমদুগী মীনা 'লৌত্রাওবী' গী মরমদা ৱাবী য়াম্না শানৈ। মাস্থু মসি তায়। থাপ্লা ফৌ শুবগুম মিকপ থোক্লকপদা 'দোঙ' 'দোঙ' তাবগুম তৌই। ঙশেংনা থাঙ্কত্তুনা তাবদি অমুক তাদে। মসি মখোয়না লৌত্রাওবীনা ফৌ শুবনি হায়না মঙোন্দা তাকই। হৌখিবা লাঞ্জাওদা খুন অসিদা সিপাই য়াম্না শিখি। হৌজিক ফাওবদা তম্নরি হায়নস্থু মখোয়না লৌ। অদুবু, মসিগুম্বা অসিনদি নাবু করিস্থু মুংঙাই-তবা পোকহন্দে। অদুগা মমাঙ্গী অতৈনস্থু মাবু থোইনা কিহন্দে। মফম খুদিংমক্তা মীওইবগী য়েক্লবা লৈ হায়বসি লাইরিক লাইগু য়াম্না পাবদগী মাস্থু খঙই। অদুবু, মাগী চপ চানা মুংঙাইতবস্থু

থুংলরে – নোমৈনা সঙ্গানগী লেরুননা তোয়না তোয়না মশক উংলরে। অতুনা, মাগী চাংদা লৈবগী নুংভাইবহু থরদ নত্তনা য়াম্না মাঙথ্রে। অস্মুম্না লৈবিভৈদা অমুকস্থু মিংচং থীবা তাথ্রে। মানা ময়াম্ববু থিঞ্জিল্লম্বা সুঁমদাগুদা ময়াম্বগী খোঙ্গ্রাউ ফুরিং-খাউদগী মমাতোনগী মমল য়াম্না য়াম্বা সনা খুদোপ অমা মাঙ্খ্রে, হায়বসি মাগী মনাকোংদা য়োরক্লে। মসিদগী মাগী অচৌকপা নুংভাইবা পূমমাঙ মাঙলে। মাঙলিবহু রুমাম্না কিহুনা হাপ্পা খুদোপ্নি হায়রি।

শান্তিকুমারসি খুদোপ লৌবা তাহুনা লৈরি। থুনা চত্তুনা শেংদোক্লগদবদা ছুটি অমতা লৈতবনা ভমদ্রি। মতৈমস্থু মচা মুপা অমা ফংলবনি। মহু তাবদাদ মা য়াম্না নুংভাইবে। অস্থুম লৈরক-পসিদা থুনগী কুম্মৈ অচৌবা অমা থোক্কুনা নুমিং নিনি হুম্নি ছুটি থাবা তাবে। ভসিদি চংকদবা নুমিং থোক্লে। নহানমুক ময়াম্বগী মৈথেংকা রুমানগদমক হাপ্লবগী অহুম পুরকখিবা খাউহু পুথোক্কুনা, ইস্ত্রি তনান তনান তকথোকচরবা ফুরিত অমা হাপ্পবা য়াম্না শেংনা কম্থোকখি। অঙকপা মতৌনি! খুদোপ অমা কম্থোরকই। মচুদি কয়া শেংদে। কদাইদগানো? ভাইহাক খনখি। অস্মুম্না লেপখি, "নহানমুক পুকবা খাউ ওইরবস্থু তামোগী রুমানগা মৈথেংকহু মত্তনা করিস্থু হাপ্পখিদবনি। মসি কবম্না মসিদা লৈরম্লিবনো? ঐনা তামোগী ফুরিংখাউদা য়াওরম্বা রুমান্দুদা কিশি-কিরাং থেংনখিদে। অহুবু, মসি, লৌথোক্কুনা থনম্লবা রুমান্দুনা চেংনা কিহুনা হাপ্পুবদগী, ঐগী খাউদা অহুম

য়াওব্কপা ওইবা তাই। মসি শোয়দনা ইমাতোনগীদু ওইবমগনি। লুংডাইবেদা! খঙলুদবগী তৌবনি। ঙসি চিংনবা কোক্লনিদো!" অসি হায়রূনা য়াম্না থুনা শেম-শাদুনা চংখ্রে।

চঙহন্নিংদ্রিবনা নসম্দা পীদুনা য়েংহনখি। লৈরম্বগী মঙওংদু ফজনা লীদুনা য়েংহনখিবান। কাদুম্বদা লুংডাইবরে! হেন্না লুংনাংবা পাউ পুদুনা হাক্রে। চম্বুনাগী ব্রাহৈদুনক তৈম্রে, "ঐগীদুদি সনা য়ামথ্রবনি। মসিদি সনাগাম্ব মান্দে। মাডলগদবা পোংনিদা!" মাম্বু মচাম্ব ন্না চমনা লৈবম্গী অদুগা জাম্নিনীদ মনেম মকুগী ময়ুন থাদোক্তুনা মখোয়গী সেবা তৌবি হায়নম্বু তৈম্রে। শান্তিবু দুবাখ্নি হায়বদি চমদ্রবম্ব থুদোপ্তু মানা লোক্তুনা থম্মি হায়বসিদি মমা মচাগুম্বা মাওইশিংনা ব্রারানরিবনি।

---

(১৮) মখোয়গী লম্বোদা

গম্ভীনীঙ মমিং লোয়বগী নথক্তা মশাম্ব য়াম্না শোক্রে। কুঞ্জমণিম্ব হন্দক্তি য়াম্না শোক্লিনখ্রে। অডোবাবু মখোয়না চাম্বিবে। ডাইহাক ডাইহাক মশুবু লৈবগা মমৌবু থবক তৌহল্লি। ব্রাব্বগা মচাদা পীশিল্লি। মুংশিদুনা অদুগা পামজদুনা অডাংদুবু মখোয়না 'চন্দ্রমণি' থোল্লি। মসিদি শাম্নুনা তাবদা য়াম্না পেনখি।

ঙসি মুনিদাংসি কুঞ্জমণিগী কাদা হেরো লাক্তুনা ব্রারা কুইনা শাখি। মখোয়সি হন্দক্তি ইতিন তিন্নখিদ্রবনি। হেরো অমম্বুং

থোইবনী অহনবিদা মখোয়গী, করা করা খুথাবা নংবদনী, য়াম্না থীনা থীনা তৌখ্রে। অদুনা তোয়না উনদ্রে। মখোয়না হায়রি "ংগাঙানাগী মচাগা তিক্কনা মখোয়বনিগী মাঙলবনিদো!" অদুবু, মখোয়না করি ইনগীদি নংগদাগে? লুচিং না তুরুনবিদা মশা য়াম্না ফংলগনবা অদুগা মমানগী য়াম্না নম্না ওসিন মচা তন্নারসি মাবু চংখোক্নবা লোননবা ওইবা লাকুনা মমাইচগা ৱাদৌ শূবি। ডাক্তরবিদা মাবু ম মতুংনবা হায়দুনা তেৎ তিক্তি কানাদাবাক্নাই থডনা হায়খ্রে। অদুবু, চন্দ্রলেখাগী ৱাখল্দা চাইথোকখিবনি। মদুগা লোয়ননা ইমাও ডাগ্ডরবিদগী হৈতুম তৌখ্রে। মমানা মাবু অহিং ংগম্নবকাদবা শোন্নে। মাগী কান্দা লৈবখা লিক্লি অদুগা থক্কবা পাম্বিশিতু অনও, উখিদ্রে। মমাদি মশাগী ৱাখল্লা নাবগা লোয়ননা মচাবু শেন্নবদা য়াম্না ফীবম কায়খ্রে। মপুরোইবা লাকনি হায়বসি ওসিদি চপ চানা থডবনা ডরাং নহান্দমক শান্তিবু তুরাম্বনি হায়খিবহু য়াম্না কিখ্রে। মাগী খুদোংচু মাখিবগী লুং-ঙাইতবগী মচোগী মচানু পওহায় হায়জিল্লুবগা অৱাবনা ওয়াখে। মাবু মপা লাক্লু চৈদা কৌকিখগী ৱাখল্দি হৌদিত্তমক পোক্লকই। অদুবু করম্না তেক য়াগনি? অদুনা মা মতুং মপান অনিমক শোন্নে। অদুবু, মশা কক্তনবগীদমক্তদি অমম্না লম-জেল য়াও হায়বা য়াখিদনি।

মমাগী মচানু শেন্নবগী হেবোদা ডাইহাক শিন্নবগা পোথারি। তুরান্দুনা লাকপনি হেবোসু। চকু উয়াম্না হন্না হন্না ৱারকথ্রবগী মাগী ওক্নানা য়াম্না শোন্নবহুদা মনাক্তা ডাইহাক্কং

চেল্লকইবনি। অঙৌবীস্থ মচা কোন্দুনা ভূমখে ; জামিনীস্থ ঙসিদি অমুক চৎখ্রে। মমা মচামক য়াম্না শোন্দুনা মাবু থম্লিবহ্ন গম্ভীনীনা, মপুরোইবা লাক্লগা, অহাম্বমক্তদা, হম্লক্লুনা অমুক লৈররিবোই খনখিগনি নিঙহ্নুনা মখোয়গী সেবা লোইরগা চৎহনখিবনি।

ব্বারীহ্ন কুঞ্জমণিনা অস্থন্না হৌখি "হেরো, ঐখোয়গী পাবদি ঙসি মুমিদাং নত্রগা হয়েংসি শোয়দনা থুংলবা য়ারি হায়না থাজে। হন্দক ঐখোয়না মাঙহনখিবা খুদোপ্তু শাস্তিনা লৌখিবনি হায়না শন্দোক্লিবসি করম তৌসিবা! ঐখোয়দি পাবসি শুক্লাক লাক্লরোই খল্লুরবনি।" "নখোয়গী অঙৌবীনা মমিং মমায় পাঙদ্রিবৈদা হন্দক্কী অঙাংসিবু মুপীনি হায়খিবী মাইবীহ্ননা অয়াম্বা কায়হন্বনিদা! থম্মোই কম্বীহ্নদা (চন্দ্রলেখাদা) মহ্ন, নংনস্থ পীরবনিনা, ঐনা ব্বাখল নিংথিনা খনঙমদ্রিবৈদা হেক য়োৗহল্লুরে। পোৎস্থ মাঙলে, কিবস্থ নংলেদো! খঙদ্রে!" হেরোগী ব্বাসি তাবদা "ইমাদি, হৌজিক্তি মহ্ন মাখ্নিনবা কন্না লাই নিঙলিবনি। অহ্নদা অরুবা অমা লৈরিনে! ঐখোয়বুদি থাজদবদগী অহ্নগা মানস্থ সনা খুদোপ্তু চিঠিহ্নগা পূন্না হাপ্পনি হায়বসি খঙদবদগী হৌজিক ফাওববুদি মহ্ন অহ্নম মমাঙলি অহ্নগা কদাইদা মাখ্নিবনো হায়বস্থ খঙদ্রি। পাবা লাক্লবদি মহ্ন পীহল্লুবী মুপী মচাহ্নস্থ ঐখোয়গী মী ওইবা য়াররোই। মহ্নদা ইমাগী লৈফম লৈররোই ; ঐস্থ হিংলরোই!" মখা তানা লৌখি।

মখোয়নিগী ব্বারীসিদগী খঙবা ঙমই— চন্দ্রলেখাদা কুঞ্জমণিনা

মমাগী খুদোপ্তু চিঠিগা পীখিবদা লৌশিনখিদ্রে। পীহল্লুবী মুপী মচাহুস্থ মখোয়গী মী ওইনা লৈরি। অহুগা শান্তিগী খাউদা য়াওরম্বহুনা কনাগীনো হায়বদি মখোয়না তাকত্রি। কুঞ্জমণিহু অমুক ভাংবা হৌগ্রে, মুন্না তাবিয়ু, "মানা ঐবু খোংবান্দগী য়ুম য়েৌনা থিঙ্জিল্লম্বহুদা মভোন্দস্থ ঐনা মসিগী ব্লাসি হায়দোক-খিদমাল্লে খল্লি। ইমাগী মমল য়াম্লবা খুদোপ্তু, ঐনা তৌবা খুদিংমক য়াবিবনিনা, করিস্থ হায়বোই খন্দুনা, লোন্না উপুদগী লৌরগা কোয়বদা শিখি। মহুমক মভোন্দা অরোইবা ওইনা য়েৌহন্নিংবগী ব্লাখল অমা লাকখি। য়াম্না থক্কুনা ভাওখিবস্থ নত্তে। অভৌবীবু য়াম্না লায়খোকউগা ব্লাখল অমনা থোকহন-খিবনি। মহু লাক্কুনা লংথোকখি হায়বসি তম্লবদগী ইমানা চৈরনি হায়বসি হাইফেৎ খনখি। অহুদগী নঙ্গী অরুপ্পহু ঐগী ক্রমান্দুনা কিরগা হংলকপদা থাপ্পা উংনবা ঐগী ফুরিৎখাউদা হাপখি। অহুদগী মুংভাইত্রবা, মানা য়াদ্রবা, ঐগী থম্মোইনা য়ু থিখি। লিক্লাইমুংদা ভাপ্তবী, মীচঙ মীথোক ফবীহু হৌজিকস্থ অমুক্তং তুনবা চিংলবদি শিরবস্থ পেল্লনি। ঐবু চাকখাউ থীনা শোক্লে হায়রি। ভসিদি হকচাংস্থ য়াম্না মুংভাইতো!" অসি হায়-রগা ভাইহাক পোখাখি। অহুদা হেরোনা "লোইনা লীবা ব্লারগত্রা ?" হংখি। "মখাদি ব্লাবদ নত্তনা নিঙশিংবা ভমদ্রে," খুমখি।

য়াম্না থীনা ভাওরবদা মাবু হেরোনা খোংবান্দা কবোকং মরক্তা লৈরাইদা ভাহুনা ফমহল্লম্লগা মাগী একাগাড়ী লৌবা চংখি।

মানা চংখিবহ্ কুঞ্জমণিনা পামদে। অহুদগী হেরোনা হল্লকখিনি হায়হুন। মাগী খোঙউপ লৌথোক্লুনা থনম্মী। গাড়ীহ্ মীগীদা থনম্বনি। মহ্ লৌবা চংপদা মাস্থ অমুক থকউবে। হান্নদি তৌখিদবনি। অহুদগী গাড়ী ইন্দুনা লাকপদা শাম্বিগা থেংনখিবনি। অশোনদা কুংমণিদি মংমসিদা খরা খরা ফরক্লহুনা হৌখিবহ্ হাইফেং নিঙশিখি। অহুগা খুদোপ্পু থোক্লগা লংথোক্লে তৌখি। অহুদু, অমুক চ উয়োম যোমহুনা হাপচিনখি। অহুদগী হেরোবু কৌখি। অমুক তুনিন লৈখি। অহুদগী মনাওগা উনখিবনি অহুদগী মনাও নুপানা মাবু পুশিল্লমদাইদা মাগী কমান্দু খাউদা হাপখিবহ্ বাউনদ্রি। মহ্ময়ুম য়ৌবগা লৌথোক্লুনা থনম্মী। অহুবু মহুনা য়োম্বা খুদোপ্পুদি অহুম মাগী খাউদা য়াওখি। খাউহ্ অমুক শীজিন্নবা তৌদনা, থোইনস্থ মোত্তবা অহুদা, মাগী লৈফম তান্না নোংঙাহৃগা থুনা চংখিবদা অহুম তাশিল্লগা পুখিবনি।

"অহুগা মহুদা থোকখিবহ্ অমুকস্থ হন্না অখঙবা নঙোন্দা তমগে," কুঞ্জমণিদা, হেরোনা লম্বীদা শাম্বিগা উনহুদা খংনবা হৌখিবা অহুগা মাবু ইনথুবমহুনা চেনখিবা—ময়ামসি য়াম্না ঙাওখিদবনা কাউদবদগা তমগে হেক তৌবকপমক্তদা ঙাইহাক পোত্থারুবহুনা অমুক লীথনকই "মাগী খাউদা নঙ্গীহ্ য়াওখি হায়বা খঙদবদগী মাবু ঐখোয় মান্নহুনা ইমাগীহ্ হুরাম্বা তাহল্লুই। মহ্ মানা শেংনা তমহুনা পীরকই। অহুবু ঐখোয়না অস্থম অস্থম মাবু ফত্তবদ শীরি। কয়াদ অঙাং মানঞ্জবনো! অহুবু,

তৌকন খণ্ড্রবননি। মীনম্বা অমা হায়বদা ওইদবা কয়া কয়া তুংইল্লি হায়বত্থু চুনখ্রে। তৌরুরিবশিংসি য়াম্না কিরক্লে। ইচা অমস্থু উববনিনা এ য়াম্না হল্লে। অদুগা মাবুস্থ কাউরগে খল্লে। মসি শাস্তিদা খণ্ডহন্নিংই। অদুবু, এনা খোরাংলিবনিদি অমুক্তং...!" অসি হায়রিবেদা থোইবা লাক্লুনা "ঙসি কুমিং তারকপগী অদুদা চন্দ্রলেখাগা মমাগনা অশোমদা তৌনবিবসি তাবদগী থিরুবদা ফংলে," হায়রে। মঙ চুমক্লদা কেরো অমস্থুং থোইববু মখোয়বু ঙম্বসিং লাক্লুনা কৌরবে। মখোয় চংখ্রে। গম্ভীনী মথবায় মপান থোক্কদোই। মদু মখোয়না অসি য়েৌনা ফংলকওই হায়-বসি খণ্ডহৌদবদগী তৌখিবনি। অদুগা সখীখোয়নদি মমা মচা মখোয়বু ব্রাহনগে হায়না থিকবা নত্তে। মমল য়াম্বা পোৎ ওইবদুদা মাঙহন্নিংদবুনা কোন্না খণ্ডলকপদগী ঙসিদ থিরুবনি। মসি পীহল্লুবী কুপীমচাদুদা মপা মমানা চপ্তুনা হংবদগী তাক-থোকখিবদগীনি। চন্দ্রলেখাস্থু কোন্নদি কিরক্লে।

মমা মচানা তৌখিবা পূম্বা অচুম্বা অমতা য়াওখিদবনা শাস্তিদা অদুগা অইত অইদা তায়জবা ঙমদনা লৈরি। মখোয়নবু হায়জবা ঙম্লবদি মধুচন্দ্রনা থুংলরগা মচাবু হৌজিক ফাওবদা থীনা তৌবিরম্লি হায়বসি খণ্ডলবস্থু করিস্থু ফত্তবা তৌরোই। অদুগা শাস্তিবু কেশিন্দুনা লৈহল্লবস্থু ফত্তবা পূম্বা লোইনা মাঙ্গ-দবনি। অদুবু, মদুদি কান্নদবদা খন্নবনি। ফাগি ফাগিদগী য়াম্না লুশিনখ্রে। মমা মচা তুমিন্না ব্রা খরা ঙাঙনরগা মমাদু মপান থোকখি।

মুমিদাঙ্গী অথেঙবা মতম ওইরে। গম্ভীনীদু হঙ্গিল্লক্তি। অরাপ্পা লম্বীদা মুপা অমস্মু পোৎচাউ অমা পুতুনা লাকই। খেঙলবস্মু মুপাদু মপোৎ লুম্বনা অমুক অমুক পোখাতুনা লাকই। মতম য়াম্না হৌখ্রে। অস্মুম লাকপদা য়াম্না কান্ন কান্নবা থাংমৈ কাপ্তুনা লৈরক অমদগী মী অমথক থোরক্লগা মমাঙদা চৎলিবদু উখি। মাঙ থারিবতুনদি মাবু উখিদে। মা হন্না য়েংলমদনা হাইজিনখিবগুম তৌখি। পোৎলুম পুবদুস্মু মপোক্তু অমুক থারি। মানা হেক ফমথবদা হাইজিনখিবদু 'প্রোক' প্রোক' হায়বা মখোনগা লোয়ননা কোমগুম্বা অমদা ওঙ্খিবগুম তৌখি। মুপাদু ব্লানা মখোঙ তপ্পা তপ্পা থাংতুনা লাকখিবনি। হৌজিকদু তাখি-উখিবদগী মপোক্তু থনম্নগা মফমদুদা চেনশিনখ্রে। মৈখেৎ খেৎখি ব্লাগী থোং মচা অমা লাম্বদা অশোম্বা মতাইদা নেংলুবদগী তেক্তুনা তাবা ওইরম্মী। কোমদু ঈশিং লৈরমদে। কুমথতুনা অমুক য়েংখি। মুপী ওইরম্মী। ঙকখি। মথুক্তা পায়বা থাংমৈনা থাপ্পা চোংখোক্লম্মী। খুনকক্তুনা য়েংবদা মদুস্মু কাপ্পা য়ারমদ্রে। য়াম্নস্মু হঙ্গোইখি। মুপা ওইরবদি ফগদবনি। তাবিবীদ্ লেঙদনা লৈখি। মকোক পায়তুনা য়েংবদা চোৎ চোৎ লাউনা থেংনখি। হুমাং ওইরমগদ্রা? নত্তে। কোংকুৎ মচা অমদা লৈরম্বা ঈশিংনা মকোক্তু নাকন্দ অমদা চোৎলম্মী। ঈশিং য়ৈখি। পায়তুনদি য়েংখ্রি। তশেংবা শোর হোন্দবমক্তি নত্রি। থরদি লেঙবগুম তৌখ্রে। "ইশ!" কুইনা লৈরগা শোনখি। মকোক্তু মাগী ফুরিৎ লোথোকতুনা থাঙহনখি। মদুদা "ঐ শিবা তারে!" মুপীতুনা ব্লানা হায়খি।

অম্মুম ভৌরিদৈদা অরাপ্পদা য়ুম মৈ চাকপগী মৈঙান উথি। ইরাঙ লাখি। মুপাহ্ন লম্বীদগী পোত্তুম্মু মমি শামি ওইনা উবদগী অদুম লৈরি। থাদোকপা য়ারোইদৌরি। "অঙাংলা অহল্লা খঙদ্রে, কনানো?" মুপাহ্নুনা হখি। "ঐবু কদাইদা লৈরিবগে? কনানো ঐবু হংলিবা?" খুমখি। "ঐ লংফৈ চংলুবা মধুচন্দ্রনি," য়াম্না খঙনিংহ্নুনা হংবহ্নুদা তাকখি। মুপীহ্নুনা "ইশ! লোইরেদনা! ঐবু লৌশিনবিরো হে, ঈশ্বর!" হ্নানা খুরুমখি। "মিং অমুক্তা তাকপিয়ু য়াম্না খঙনিংলে।" "ঐদি নঙ্গী লমহেন্বী গম্ভীনীনি!" অচুম্বা তাকহ্নুনা মধুচন্দ্রগী মখোঙদা মখুংনা লামখি। চেপ্পা ঙমদবগুম ভৌরি। "গম্ভীনী, করিনো ভৌরিবসিদি?" কুইনা খুমখিদ্রে। "হ্নারাহ্ন ঐনা তম্বা ঙম্লরোই! মহ্ন তম্বদা ঐগী অরোইবা য়াইহিপ তাম্বা তারে! অহ্নুবু, লান্দবা শান্তিদা চন্দ্রলেখা......!" মসি হায়রগা অমুক হ্নাম্হখি। মফি মরোল শেমজিম্বদা মথবাক্তা ঈ থোক্না য়াম্না নান। শোকপা মফম অমা থেংনখি। চুম্না ঈ থোকপদ নত্তুনা হ্নাচেংলা উচেংলা য়াম্না য়ুহ্নুনা লৈরম্মী। কদাইদগীনো? হোগত্তুনা কোয়য়েং য়েংখি। য়ুম অমা মৈ চাকপগুম ভৌখিবহ্ন খরা চাকপা হৌগৎলকপদা কনখিবগুম ভৌশ্রে। মখোয়নিনা লৈরিবা মফমহ্নুদদি মী অমত্তা চল্লে। মানা অম্মুম য়েংবদা ঈশিংপশিংনা পন থিংবদা য়ুংখিবা অকম্বা উচুক্তা কম্না মথবাক্না য়ৈশিন্দুনা তাখিবা ওইরম্লে। মশাগী ক্ষীবমহ্নুদা ভৌরিবহ্ন অহ্নাবনি। হিঙ্গনি খল্লে। মখোঙম্মু থোঙ্গী হ্না অতেকপহ্নুনা মখুরাইদা শোকপদগী ঈ য়াম্না থোক্লে। য়াম্না হ্নানা লৈখি।

পাখং খবা লম্বী অদোমদা অশম্বা থিবদগী লাকপগুম তৌরি। য়ুমদু কনাগীনো হাযনা তৌবিবদু খঙহল্লিংদদুনা কাখত্তুনা হংবদা খুমখি, "গম্ভীনাগী য়ুম্নি হায়নৈ। মচা মুপা কুঞ্জমণিনা মমা লৈত্রিডৈদা মশা ঙমদ ঙমদনা য়ু তিঙ্খত্তুনা থকচিল্লগা ফমুংদা লেঙবা ঙমদনা তুবিডৈদা মখোঙনা কাওথোকখিবা কাঙ্খল্লা খুযাদা পুথখিবা পোদোন্দা শোকখিবদগী মৈবিদুনা কাওবেন ষঞ্জাউগী মবৈনা অনৌবা নাপী মতোল লাম্বগুম কাঙ্খন্দু রায়-খিবদগী চাকপনি হাযনহৌই।" মা লেপ্পম্বদগী মচুবা অনিদু মেত্তুনা ফমথখি। "য়ুনদু চাকপা হৌগংলকপদা কনগ্রে। অদুবু, মৈরক্তা ঙাইহাক লৈকবনা কুঞ্জমণিদি মুংদম্নু য়ুনা চাক্লবনিনা হিংলরোই হায়নৈ। মনাও মুপা শাস্তিনা মাবু মৈদুনা মপাঙ্গল শোম্বরক্লবা মতমদা চিংথোকহৌবদগী ময়াম্না মাবু শিদনা থেংনরিবনি ঙাংনৈ," লোইনা লাদুনা তাহনখি। মখোয়না চংলগে তৌবদা মখোন নিক্না "মাগী মুপীদুদি?" হঙ্খি। "মাদি মচাদুগা লোয়ননা অতোপ্পা য়ুমদা পুশিন্বিগ্রমাগ্লে," খুম্নল্লগা চংগ্রে। গম্ভীনীদু কবিগী অদুদা লাকখিবনো হায়বদু মধুচন্দ্রদি খঙদ্রি। থোইবনা কোন্না তমখি। মখোয়দা চঙদুদা মানা মুমিদাংদুদা চখোকপগী মরমদু খঙহল্লম্মী। খুদোপকী পাউদু হেক লাকপগা মচে কেতুকীগীদা লাকখিবনি। মমা মচা তুমিল্লা ঙাঙনখিবদু ঙসি অহিংসি কেতুকীগা মখোয়নি চত্তুনা সখীখোয়দগী খুদোপতু মপুরোইবা লাক্তিডৈদা য়া য়া লাউদনা লৌহৌরুনবা খল্লখিবনি। মানা অমুক লেঙদুনা রা ঙাংবা ঙল্লকপদা মধুচন্দ্রদু

কপ্তুনা লৈরম্মী। পোক্তু নাপীনা কুপ্তুনা থনম্নগা মাগী মুপীবু পুনবা তৌখ্রে। থবাক্তা শোকপনা পুবদা য়াম্না খুদোং চারোই-দৌরি। অদুবু, লখী অমরোমদা য়াম্না ল্লানা থৈদোক্তুনা লৈরিঙৈদা পিশক্কা নসন্তগনা কোয়চেন চেন্দুনা থিবা য়াবা মকমশিংদা থিরকপদগী উনরে। ইতিং তিংনা পুদ্রবদি য়াররোই খন্নরে। পিশক্কা হন্না চত্তুনা থুনমক খুং চঙদবা দোলাই অমা শাদুনা পুরকখি। য়োখ্রে। কুঞ্জমণিবুসু মাগী মরাল পূন্নমক কাউথোক্তুনা লৈকাইগী মীশিংনা নিংথিনা লায়কন্নরম্মা। মপা থুংলবদু খঙবা ঙমখিদ্রে। মমা মচাবু ডাক্তরদা পুনবা ল্লা খন্নখি। অদুবু, অরেম্বা ওইখি। নোং ঙাল্লমদাইদা শুমাঙদা থল্লায় য়াওদ্রবা হকচাং পোন অনি তাখি।

লোইরবা।